www.sanaleibak.in

ꯁꯅꯥꯂꯩꯕꯥꯛ SANALEIBAK — PROGRESSIVE JOURNALISM — সনালৈবাক

24 Carat/g : ₹ 13,871 | 22 Carat/g : ₹ 13,241 | 1 Kg Silver : ₹ 2,20,000 | 10 Gram Silver : ₹ 2,200 | WEATHER: Partly Sunny | Temperature 29/18°C | Sunrise: 05:16 AM | Sunset : 04:41 PM | Petrol : ₹ 106.90 | Diesel : ₹ 92.59 | GAS TODAY Nil | sanaleibakdaily

Ministry of Home Affairs
Government of India

নক্সালিজম
মায়থীবা পীখিবা
থৌনাফবশিংবু থাগৎচরি

ইন্টর্নেল সেক্যুরিটি
ফোর্সশিংদা ইকায় খুম্নবা

য়েংসি মফম অমত্তদা অপূনবা
তোঙান তোঙানবা মচুগী

Rashtriya Ekta Diwas
31st OCTOBER, 2026
Statue of Unity, Ekta Nagar, Gujarat

জাতিগী অপূনবা নুমিৎ
৩১, ওক্টোবর ২০২৬
একতা নগর গুজরাট

ভারত পর্ব
১ দগী ১৫গী নবেম্বর, ২০২৬
একতা নগর গুজরাট

লৈফম চাফম বুক তৌনবগীদমক স্কেন তৌ,
নত্রগা য়েংউ rashtriyaektadiwas.com

শ্রী নরেন্দ্র মোদি
ইকায় খুম্নজরিবা প্রধান মন্ত্রী

CBC 19101/13/0018/2627

Volume No: 50 Issue: 314 | IMPHAL, SUNDAY, OCTOBER 25, 2026 | মালিয়াফম পালচা কুমশীং ৩৪২৪–২৫ | নোংমাইজিং, মেরাগী ১৪নি পানবা | RNI Regd. No. 31350/77 | PAGE : 8 | Price: ₹ 5.50

সিনাই কেম্পতা লৈরম্বা সূ কাদর নত্তবা ১৭ পুলিসনা ফাজিনখ্রে

অফবা খূৎলায় কয়াসু ফাগৎলে, অশেংবা সূ কাদরশিংদি থীবা খঙদ্রি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৪ (এস এন এস)ঃ সিনাই কেম্পতা লৈরম্বা কুকি সূ কাদর নত্তবা টেরোরিষ্ট ১৭ মণিপুর পুলিসনা ফাজিনখ্রে। মখোয়দগী য়াম্লবা অফবা মখলগী খূৎলায় কয়ামরুমসু ফাগৎপা ঙমখ্রে। কেম্প অসিদা লৈফম থোকপা সূ কাদরশিংদি হৌজিক ফাওবা থীবা খঙদ্রি।

থা অসিগী ১৯দা নোংসুমগী চীংদা শীং চনবা চৎখিবা মৈতৈ ফুরুপকী মীওইশিংদা কুকি খুৎলায় পায়বশিংনা এটেক্ট চখদুনা মীওই ৩ হাৎখিবা অমসুং মীওই ৩ অশোক অপন নং হনখিবা থৌদোক্কী মখা চখরকপা ওইনা সেক্যুরিটি ফোর্সেসনা সিনাই কেম্পতা চখখিবা ওপরেসনদা মখোয় ১৮ লৈরম্বদগী দিটেন্ট তৌদুনা থমখিবনি। ...মখা লমায় ৫দা...

টেরিটোরিএল ইন্টিগ্রিটি কায়হল্লোইঃ লৈঙাক

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৪ (এস এন এস)ঃ ফিভম অমত্তদা মণিপুরগী টেরিটোরিএল ইন্টিগ্রিটি কায়হল্লোই। বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম ঙাক্তুনা থমগনি হায়বসি লেঙদ্রবা ৱাশকনি হায়না চীফ মিনিষ্টর্স সেক্রেটরিএটতগী থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, ...মখা লমায় ৫দা...

‘কুকিশিংগী দিমান্দদা অহোংবা লৈতে’

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৪ (এস এন এস)ঃ লেজিসলেটিভ এসেম্বলি য়াওবা য়ুনিয়ন টেরিটোরিগী দিমান্দ অদুদগী অহোংবা করিসু লৈতে। বোরো লেন্দ টেরিটোরিএল কাউন্সিল মোদেলগী প্রপোজেল য়াবা ঙম্লোই হায়না য়ুনাইটেদ কুকি য়ুথ কাউন্সিল (য়ু কে ৱাই সি)গী মায়কৈদগী থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি। ...মখা লমায় ৫দা...

ইপা–ইপুশিংদা লৈখিবা অপূনবা শাগৎমিন্নবগী লিক্লমদা তুং ইল্লসিঃ সিএম

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৪ (এস এন এস)ঃ ঐখোয়গী ইপা–ইপু, অহল–লমনশিংদা লৈখিবা অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোল অমদি অপূনবা শাগৎমিন্নবগী লিক্লম অদু ঙসিগী মীরোলদা তুং ইন্দুনা চৎপা হৌরসি হায়না চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দনা ফোঙদোকখ্রে। ...মখা লমায় ৫দা...

মণিপুর কায়বগী ফিভম লাক্লবদি ফম থাদোক্লগা খোঙজং য়াওগনিঃ জয়কিষন

‘খোঙজং চঙশিনবদা মহেশঙশিং কোনশিন্দনা তুংগী য়ুম্বী কলহৌসি’

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৪ (এস এন এস)ঃ মণিপুরগী ঙমখৈ নত্রগা লৈঙাক্তা মীয়াম্না য়াদবা মওংদা কায়রকপগী ফিভমদা লাক্লবদি এম এল এ ফম থাদোক্লগা মীয়ামগা লোয়ননা মণিপুর কনবগী খোঙজং চঙশিনমিন্নগনি হায়না থাংমৈবন্দ এ সিগী এম এল এ খুমুকচম জয়কিষননা হায়খ্রে।

হৌজিক থোক্লিবা থৌদোক ৱাথোকশিংগা মরী লৈননা খুয়াথোং মল্টিপরপজ হোলদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা ৱাফম অসি মহাক্না ফোঙদোকখিবনি। ...মখা লমায় ৫দা...

ৱাই খেমচান্দনা মীয়ামদা লাল্লে হায়জগদবনিঃ এমপিপি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৪ (এস এন এস)ঃ নোংসুমগী ৱাথোক্না মরি লৈননা চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দনা লৈবাক মীয়ামদা লাল্লে হায়জগদবনি হায়না এম পি পিগী স্পোক্সপার্সন ডা. সেরাম রোজেসনা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর পিপলস পার্টি (এম পি পি)গী জেনরেল সেক্রেটরি অরাম্বম করমজিৎনা থাদোরকপা চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, এম পি পিগী কনফরেন্স হোলদা পাউমীশিংগা উনবা অমদি এম পি পিগী দিমান্দ ৫ থমখি। সি এম খেমচান্দনা মণিপুরদা ফ্রী ...মখা লমায় ৫দা...

ইন্দিয়াগী জেনোসাইদ পোলিসি থেংনসিঃ লুপ ৫

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৪ (এস এন এস)ঃ মীয়ামগী অকনবা খোঙজং নত্তনা মানা তাশিন্নদ্রবা ইন্দিয়া লৈঙাক অসি পারা তন্বীবা ঙম্লোই। ইন্দিয়াগী জেনোসাইদ পোলিসি অসি চপ চানা থেংনদুনা মালেমগী মীয়ামদা ময়েক শেংনা খঙহনবা চঙই হায়না লুপ ৫গী কনভেনর সোরোখাইবম সঞ্জয়না ফোঙদোকখ্রে।

অমুকো, অমৱোভা, পোইরৈ লৈমরোল, কোহর অমদি এম এস এফকী লুচিংবা মখাদা ন্যু চেক্কোন য়ুথ ক্লব (এন সি ৱাই সি) অমদি ন্যু চেক্কোন মৈরা পায়বী লুপ্না ...মখা লমায় ৫দা...

নোংসুমগী থৌদোক্তা লোৎকনুঃ পি দি ৱাই এফ

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৪ (এস এন এস)ঃ পার্টি পোলিটিক্স শান্নদুনা কোংগ্রেসনা বি জে পি, বি জে পিনা কোংগ্রেস ওফিসতা থোমজিন্নদুনা রেল্লি চৎনখিবা পার্টি অনী অসিগী য়ুথশিং নোংসুমদা শিন্মী ৩ হাৎখিবা থৌদোক্তা তুমিন্না লোৎল্লগা লৈগনু হায়না পিপলস দেমোক্রেটিক য়ুঠ ফ্রন্ট (পি দি ৱাই এফ)কী য়ুথ ইন চার্জ নোংথম্বম বিদ্যরানীনা ফোঙদোকখ্রে।

নোংসুমদা হন্দক কুকি খুৎলায় পায়বশিংনা শীং চনবা চৎখিবা মীওই ৩ হাৎলগা ৩না অশোক অপন নংহনখিবা থৌদোক অদুবু ...মখা লমায় ৫দা...

ফেদরেসন ওফ হাওমিনা মীয়াম্বু থাগৎলক্লি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৪(এস এন এস)ঃ থা অসিগী ২৩গী নুমিদাংপুং ৭.৩০দগী ৮ ফাওবগী মনুংদা লমদমসিগী চীংমী তম্মী মীয়াম পূন্না লন্বীদা থোক্লক্তুনা ইশা ইশাগী খুদোংচাগদবা মওংদা দোন থীনবা, ইলেক্ট্রিক পোষ্ট খীংবা অমদি গাড়ীগী হোরোন খোঙবা য়াওনা মীয়াম পূন্না খোল্লাও লাওমীন্নবগীদমক ফেদরেসন ওফ হাওমিনা লৈবাক মীয়াম্বু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

কবো লৈকাইদা লৈবা ফেদরেসন অসিগী ওফিসতা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা সাপমচা ...মখা লমায় ৫দা...

ইহৌ হৌদুনা সূ লৌথোকহনশিঃ পিপিপি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৪(এস এন এস)ঃ মীচম প্রজা ঐখোয় পূন্নমক অমত্তা ওইনা পূনশিন্দুনা অকনবা ইহৌ হৌদুনা সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন (সূ) লৌথোকহনশি হায়না পিপলস পোলিটিকেল পার্টি (পি পি পি)গী প্রসিদেন্ট ঐচ শরতননা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি ফাওবদা ঐখোয় পূন্নমক্না খম থেংনা ৱারিবা অসি ২০০৮গী নবেম্বর ২২দা খূৎয়েক পীনখিবা সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন ...মখা লমায় ৫দা...

EDUCCON 2.0
POWERED BY UNACCO GROUP OF INSTITUTES
EDUCATION BEYOND BOUNDARIES
14th & 15th November, 2026
EDUCCON
Powered by UNACCO Group Of Institutes
ꯑꯦꯗꯨꯀꯣꯟ ꯲.꯰
For More Information:
+91 - 90773 52953
www.educcon.in
Venue:
Chumthang Sanapung

EVENT HIGHLIGHTS

01 PAINTING COMPETITION
Category 1: Class III to V
Category 2: Class VI to VIII
Category 3: Class IX to XII
(Theme: The theme will be announced on the spot)
Date: 14th Nov. 2026, Time: 11:15 AM to 02:15PM

02 MULTICULTURAL GROUP DANCE COMPETITION
Category 1: Class I to Class V
Category 2: Class VI to VIII
Category 3: Class IX to XII
(Theme: My culture, My identity)
Date: 14th Nov. 2026, Time: 10:00AM to 01:00PM

03 DEBATE COMPETITION
Category 1: Class IX to XII
(Topic : AI is a Greater Threat to Humanity Than an Opportunity)
Date: 14th Nov. 2026, Time: 11:00 AM to 02:00PM

04 STORY WRITING COMPETITION
Category 1: Class VI to VIII
Category 2: Class IX to XII
(Theme: The theme will be announced on the spot)
Date: 14th Nov. 2026, Time: 10:30 AM to 11:15AM

05 OPEN REELS COMPETITION
All Age Group (Education Beyond Boundaries)
Last date of submission 30th Oct. 2026

06 WRITTEN QUIZ COMPETITION
Category 1: Class III to V
Category 2: Class VI to VIII
Category 3: Class IX to XII
Date: 14th Nov. 2026, Time: 10:00 AM to 10:30AM

07 SCIENCE / INNOVATION EXHIBITION
Eligible Classes: Class VI to XII (Theme : SCIENCE FOR A BETTER FUTURE)
(Innovation • Discovery • Sustainability • Human Progress)
Date: 14th Nov. 2026, Time: 11:15 AM to 12:00PM

08 MISS TEEN EDUCCON
Age Group: 13 to 18 years
(Theme: Beauty With Purpose)
Date: 15th Nov. 2026, Time: 01:30PM to 06:00PM

09 MANIPURI MODERN SONG COMPETITION
Category 1: Pre Nur to KG
(Rhymes only in group)
Category 2: Class I to V
Category 3: Class VI to VIII
Category 4: Class IX to XII
Date: 14th Nov. 2026
Time: 01:30PM to 03:30PM

REGISTRATION DETAILS
Rs. 100/- per participant for Event
Rs. 500/- per participant for Miss Teen
Rs. 100/- per head for group with minimum of 5 members in a group
FORM SUBMISSION CAN BE DONE OFFLINE AT UNACCO SCHOOL KHONGMAN, UNACCO SCHOOL MEITRAM, UNACCO SCHOOL CHANUNG, UNACCO SCHOOL CHANURA

SCAN OR VISIT
WWW.EDUCCON.IN
FOR ONLINE REGISTRATION

LAST DATE OF FORM SUBMISSION
30TH OCTOBER 2026.

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

ওসিগী রাষি ফল (২৫-১০-২০২৬)

ইবোপিশক নিংথৌজা (এরার্দি)

এষ্ট্রো এণ্ড পালমিষ্ট, পাউনা বাজার, ইম্ফাল

মেষঃ ৱাখল লাংবা, অমা নৎত্রগা অমা খনবা ওইরগনি। থবক খরদি পাঙথোক্লগনি। শেল ফংবা, পোৎ লৈবা য়াবা ওইরগনি। ইমুংদা চরাংনগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – ৱারৌগনি।
মহৈরোয়শিংগী – ৱাখল চঙলোই।

বৃষঃ অশাওবা ৱারৌবা লোয়নরগনি। গাড়ী তপ্পা থৌগনি। শেল মরম চাদনা চৎলগনি। শাগৈনা য়েংথিগনি। শান্তি লৈরোই।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মুক্নগনি।
মহৈরোয়শিংগী – হোৎননিংলোই।

মিথুনঃ হে শিংনা হোৎনজরবদি অফবা ফল ফংলগনি। মরুপ মফম ফগৎপা, মতেং পীবীবা হেনগৎপা, লম চৎপা কান্নবা ওইরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মত চান্নগনি।
মহৈরোয়শিংগী – লৌশিং হেনগৎলগনি।

কর্কটঃ পাঙথোক্লিংবা পাঙথোকপা, মরুপ মফম ফগৎপা, চায়েংনবদা মায়পাকপা। শেল ফংবা, শীংথাবীবদা য়াওবা ওইরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – অমত্তা ওইরগনি।
মহৈরোয়শিংগী – বুদ্ধি চাওখৎলগনি।

সিংহঃ খুদোংচাবা থেংনবা, থবক্তা মায়পাকপা, লুচিংবশিংনা চানবীবা, মমল য়াম্বা পোৎ লৈবা য়াবা ওইরগনি। শান্তি লৈরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – ৱাখল মান্নগনি।
মহৈরোইশিংগী – হোৎননিংগনি।

কন্যাঃ অচৌবশিংনা নুংশিবীবা। শেল ফংবা, মরুপ মফম পাক চাওখৎপা, শীংথাবীবদা য়াওবা ওইরগনি। চৎথোক চৎশিন্দা কান্নগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – অমত্ত ওইরগনি।
মহৈরোইশিংগী – লৌশিং হেনগৎলগনি।

তুলাঃ থবক্তি মায়পাক্লগনি। শেল ফংবা, অনৌবা পোৎ লৈবা য়াবা, চাংয়েংনবদা মায় পাকচবা, অরাপ্পা চৎপা কান্নবা ওইরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – ৱাখল চান্নগনি।
মহৈরোয়শিংগী – বুদ্ধি চাওখৎলগনি।

বৃশ্চিকঃ হোৎনজমন কান্নবা, থৌরম খরা পাঙথোকপা, লুচিংবশিংনা চানবীবা, শেল ফংবা, শীংথাবীবদা য়াওবা ওইরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মত চান্নগনি।
মহৈরোয়শিংগী– হোৎননিংগনি।

ধনুঃ কল্লকপা মিহৌবা, য়েংশিনবা হেনগৎলগনি। লল্লানবশিংনা নুংশিবীবা, মতেং পীবীবা হেনগৎপা, চৎথোক চৎশিন্দা খুদোংচাবা ওইরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – লৌ তৌনগনি।
মহৈরোইশিংগী – ৱাখল চঙলোই।

মকরঃ চরাংনবা, নুংনাংবা, অমা নৎত্রগা অমা খনবা ওইরগনি। থবক্তি মায়পাক্লগনি, লুচিংবশিংনা, লল্লানবশিংনা চানবীরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – ৱারৌনগনি।
মহৈরোইশিংগী – হোৎননিংলোই।

কুম্ভঃ খুদোংচাবা থেংনবা, পাঙথোক্লিংবা পাঙথোকপা, মরুপ মফম চাওখৎপা, লমতু চৎপা কান্নগনি। পোৎ লৈবা য়াগনি। শান্তি ওইরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মত চান্নগনি।
মহৈরোয়শিংগী– লৌশিং হেনগৎলগনি।

মীনঃ পুক্লিং হকচাং ফগৎপা, চাওখৎপা ফগৎপা থেংনরগনি। লুচিংবশিংনা নুংশিবীগনি। অরাপ্পা চৎপা কান্নগনি, মিংচৎ হেনগৎলগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – অমত্ত ওইরগনি।
মহৈরোয়শিংগী – বুদ্ধি চাওখৎলগনি।

SANALEIBAK QUIZ - No. 30

*Sanaleibak Quiz will publish in every Sunday. It is in the interest of the students and people of Manipur. The answers can be sent through **whatsapp No. 8830812368** within 31st October, 2026. Answers of the Quiz will be published on 1st November.*

Q. 1. Which wireless technology is named after a Viking king?
Q. 2. What is the sum of the interior angles of a hexagon?
Q. 3. Express 0.2 as a fraction in simplest terms.
Q. 4. Which dynasty is associated with the Terracotta Army?
Q. 5. Which mammal is known to spend almost all its life in eucalyptus trees?

Answers of the Sanaleibak Quiz No. 29 (18-10-2026)

Ans. 1. Snow White.
Ans. 2. Battleship Potemkin.
Ans. 3. Coast redwood (Sequoia sempervirens).
Ans. 4. Plato.
Ans. 5. Saving files on remote internet servers instead of a local device.

OFFICE OF THE
COUNCIL OF NATIONAL MINORITIES DEVELOPMENT
Kairang Awang Leikai, Litan Makhong, Imphal East
Regd. No. 5443 of 1984 (M)

NOTICE
Imphal, the 24th October, 2026

It is hereby notified that the General Body Meeting of Council of National Minorities Development will be held on 9th November, 2026 at 1 pm at its office premises which is mentioned above.

Therefore, all the members of the Association are requested to attend the meeting in time.

Agenda:
1. Election of Managing Committee members
2. Misc.

Sd/-
Samina Begum Malik
Secretary
Council of National Minorities Development

SL/5719 /25

NAME CHANGE

I, **Kamala Devi Acharya** w/o **Khadga Prasad Acharya** a resident of Dwarika Nepali Leimakhong, Khunkhu Naga, District- Kangpokpi, Manipur–795002 do hereby declare that I have changed my name from **Kamala Devi Acharya** to **Kamala Acharya** and henceforth I shall be known as **Kamla Acharya** for in all purpose vide Affidavit No. 02AA 832598 sworn before the Notary Govt. of India on 24-10-2026. **Kamala Acharya** and **Kamala Devi Acharya** both are same and one identical person.

SL/5689 /25

DATE OF BIRTH AND NAME CHANGE

The real/correct date of birth and name of my wife is 02/01/1983 and **Bijita Sinha** as recorded in her Aadhaar card issued by Unique Identification Authority of India (UIDAI). However I have wrongly put the date of birth and name of my wife as 12/02/1986 and Smt **Bijita Sinha** in my service record/ FSD. I have sworn to make correction the date of birth and name of my wife as 02/01/1983 and **Bijita Sinha** as recorded in her Aadhaar card in my service record/FSD so as to avoid any complication in future vide Affidavit No. 02AA 831422 before the Oath Commissioner, Imphal Manipur dated 23rd October 2026.

Sd/-
Bikram Sinha (33 AR)
No. 3301033 (Hav)
Resident of Kalkalia, VTC Bishalgarh
P.O. Bishalgarh,District Sepahijala
State Tripura, PIN Code 799102

SL/Rabi/25

SANA - SUDOKU

Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 9 horizontally and vertically without repeating any numbers.

Evil Sana Suduku-1118

	3		4	2			1	
9					1	7	2	4
4			5	7				3
	7	9			2		3	
		4	9	3		2		
	2			5				9
2		7			3	4		
6	4			9				
		3		1			9	

সনা–সুদোকু–১১১৮গী সোল্যুসন লমাই ৬তা

ৱাখলগী চীঞ্জাক

মী অমগী খ্বাইদগী চাওবা
পাপতি মশানা মশাবু শোল্লি,
তোল্ল তারবনি খঞ্জবদুনি

লোইরদনা

নঙনা ঊৌরিদুবু মুন্দ্রিবরনে

ফজনা মুল্লপোৎনিদা খরা কারপ ঊৌগে তৌবনি

হেক্তা হায়জিনবা

ইমা কৈথেল

মাঙদা উরিবা কৈথেলসে
ইমা কৈথেল হায়দুনি
মালেম শাৎনা ফাওরিবা
লমকোয়বশিংনা ঙক্লা য়েংজবা
মাঙদা উরিবা কৈথেলসে
অমোৎ অকায়না পূমচাই চাই
লম্বীদা পার্কিং শান্দোক্লিবা
লম্বীদা পোৎফম ফমহনবা
ফুটপাথতা দুকান ফমজিনবা
ইরম নালা পুংফুন ফুন
নমথি হঙ্গৈইবা শরা শন
মপু পান্দবা কৈথেলসে
ইমা কৈথেল হায়দুনি
ওটোগী পার্কিং থমদবা
ই-রিক্সোনা লম্বী থৎচিনবা
ইমা কৈথেল হায়দুনি
মালেম শাৎনা ফাওরিবা
মাঙদা উরিবা কৈথেলসে

ইন্দিয়া লৈঙাক্না চপ্পি থারগা চৎপা ষ্টেটকী লৈঙাক ওইবিগনুঃ এ কে সি সি সি

নম্বোল ওক্টোবর ২৪ (এসএনএস)ঃ মতিং লৈবা মথৌনা লৈবা ওইবিয়ু, সেন্টর লৈঙাক্না চপ্পি থারগা চৎপা ষ্টেটকী লৈঙাক ওইবিগনু, নরেন্দ্র মোদি অমদি অমিট সহানা ফম্মু হায়রগা ফম্বা, লেপ্পু হায়রগা লেপকদবা ষ্টেট অসিগী লৈঙাক ওইরগদি ফম থাদোকপিরো হায়না ওল কাংমোং ক্লবস কোওর্দিনেটিং কম্মিটি (এ কে সি সি সি)না ফোঙদোকখ্রে।

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী কোন্থৌজম এ সিগী মনুং চনবা অদুগা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী নম্বোল পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা এরিয়াদা লৈবা লৈকাই ৯গী মীয়াম অমদি কাংমোংগী ক্লব ৪ গী মীয়ান্না শরুক য়াদুনা ঙরাং নুমিদাং কাংমোং মাংলক লম্পাক্তা ফেদরেসন ওফ হাওমীগী ইমা লৈবাক খাম্বী মৈহৌরে, মৈ কল্লরো হায়বা খোঙজং শৌগৎতুনা পাঙথোকখিবা থৌরমদা এ কে সি সি সিগী প্রসিদেন্ট মোইরাংথেম সরতনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদি বি জে পিনা কোংগ্রেস অদুগা কোংগ্রেসনা বি জে পি হুন্নদুনা লৈরিঙৈ মণিপুর মুৎখিবা য়াবগী অকিবা লৈরে। ইরমদম অমসুং ইরৈচাশিং ঙাকপা ঙম্নবা হৌজিক লৈরিবা ষ্টেট লৈঙাক অসি মথৌনা লৈবিয়ু, কাঙলুপ ফুরুপ কয়া পূন্না খুন্দা লৈতাদুনা নুংশি চান্ননা লৈমিন্নরিবা লমদম অসিদা কাঙলুপ মশেল হাৎন-শুনহল্লগা তঙদু লৈতানা লৈবা লমদম হায়বদু ওইবা ঙম্লোই। পোলিটিক্স হায়বসি মীয়াম্বু নুংঙাইহন্নবনি। মীয়াম লৈত্রবা মতমদা এম এল এ মিনিষ্টরশিং লৈবা য়ারোই কাওবিগনু।

খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবা লৈকাই ৯ গী কাংমোং অপূনবা মৈরা পায়বী লূপকী এদভাইজর মৈস্নাম শখিনা হায়, ফুরুপ কয়া পূন্না খুন্দা লৈতাদুনা লৈমিন্নরিবা মণিপুরদা কাঙলুপ অমদা তোংশিন্দুনা য়েলহৌমীশিং তুন্না হাৎলগা মণিপুর থুগায়নবা শীনবসি খুদত্তা তোক্কদবনি। মণিপুরদা লৈঙাক অমা লৈ হায়বগী চপ চাবা থবক তৌবিয়ু। কুকি নার্কো টেরোরিষ্টশিংদা ইনশিন্দুনা মৈতৈগা অমুক, নাগা অমুক হাৎন-শুনহল্লগা তঙদু লৈতাদবা লমদম অমা লৈহন্নবা শীল্লিবা অসি খুদক্তা লেপকদবনি। হৌজিক লৌরোক মতম লাকপা অসিদা চীংখোঙ চীংয়াদা লৈরিবা লৌফমশিং মতম চানা লৌ লোকপা য়ানবা শীনবিয়ু হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা ঙরাংগী খোঙজং অদু মোইরাং এ সিগী ওইনসু হৌনরুবা লৈতনা মীয়াম থোরক্তুনা মোইরাং লমখাই অমসুং মোইরাং কৈথেলদা খোঙজং চঙশিনখি। মণিপুরগী য়েলহৌমী মীয়াম কনবিয়ু, লৈঙাকপা ঙমদ্রবদি ফম থাদোকপিরো, য়েলহৌমীশিং কনবিয়ু হায়বা খোল্লাও কয়াসু লাওখি হায়রি।

ৱাইথৌ চেঙ্গৈ চীংদা উ চারা থাখ্রে

লিলোং, ওক্টোবর ২৪ (এসএনএস)ঃ লিলোং পুলিস ষ্টেসন অমদি চেঙ্গৈ চীং ইমোইনু থৌগল লূপ ৱাইথৌ খুৎশন্নদুনা ঙসি ৱাইথৌ চেঙ্গৈ চীংদা লৈবা ইমা ইমোইনু খুভমগী অকোয়বদা উ চারা কয়া থাখ্রে।

লিলোং পুলিস ষ্টেসনগী ও সি ইন্সপেক্টর লৈশাংথেম রোনিলনা লুচিংদুনা উহৈ পানবা অমদি মনা পুংবা উ চারা কয়া ইমা ইমোইনু খুভমগী অকোয়বদা থাখ্রে।

উ চারা থাখিবা অদুদা চেঙ্গৈ চীং ইমোইনু থৌগল্লূপ ৱাইথৌগী ট্রেজরর ওইরম্বা অসেম তোম্বী মৈতৈ, নুঙ্গৈ জুনিয়ার হায়স্কুলগী হেদ মাষ্টর ওইরম্বা খাইদেম ইবোচৌ, চেঙ্গৈ চীং ইমোইনু থৌগল লূপকী মেম্বরশিং অমদি পুলিস পার্সোনেল কয়া শরুক য়াখি।

উ চারা থাখিবা অদুগা মরী লৈননা লিলোং পুলিস ষ্টেসনগী ও সি রোনিলনা হায়, পুৱারীগী মতমদগী লৈরক্লবা ইমা ইমোইনুগী খুভম হেন্না ফজহন্নবা হোৎনবদা মতেং পাংবা ওইনা ঙসি উ চারাশিং থাবনি। থারিবা উ চারাশিং অসি মপূং মরৈ ফানবা হোৎনবদা মীয়াম্নসু মতেং পাংবিয়ু।

ঙসি মফম কয়াদা মৈ ফংলোই

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৪ (এসএনএস)ঃ ৩৩/১১ কে ভি ইরোইশেম্বা সব ষ্টেসনগী ১১ কে ভি লাঙ্গোল ফিদ্দর হয়েং নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ৯ দগী নুংথিল পুং ৩.৩০ ফাওবা সটদাউন তৌগনি। মসিনা মরম ওইরগা ফিদ্দর অসিনা কোনবা রমগাইলোং, শিজ হোস্পিটাল, এন আই টি, লাঙ্গোল লমখাই, লাঙ্গোল নিংথৌ, লমথুংচীং, লাঙ্গোই তাইপ টু অমসুং থ্রি অমদি লাঙ্গোল লাইরেম্বী এরিয়াদা লৈবা কঞ্জুমরশিংনা হায়রিবা পুংফম অসিদা মৈ ফংলোইহায়রি।

অদুগা ৩৩/১১ কে ভি সঙাইপ্রৌ সব ষ্টেসনগী ১১ কে ভি ৱাংখৈ টু ফিদ্দরসু হয়েং নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ৯ দগী ৪ ফাওবা সটদাউন তৌগনি। মসিনা মরম ওইরগা অন্দ্রো পার্কিং, থাঙ্গপাৎ মপান অমসুং পেলেস কম্পাউন্দগী শরুক খরা মৈ ফংলোই হায়রি।

অতোপ্পা অমনা কংলা সব ষ্টেসনগী ১১ কে ভি এসেমব্লি টু ফিদ্দরসু থা অসিগী ২৬ নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ুক পুং ৯ দগী নুংথিল পুং ৪ ফাওবা সটদাউন তৌগনি। মসিনা মরম ওইরগা বি টি রোদ এরিয়া, ইমা কৈথেল, জি এম হোল, ফয়ার বৃগেদ, এম সেক্টর, জোনষ্টোন হয়ার সেকেন্দরি স্কুল অমদি পোলোগ্রাউন্দ মনিং এরিয়াগী কঞ্জুমরশিংনা হায়রিবা মতম অসিদা মৈ ফংলোই হায়রি।

Government of Manipur
Directorate of Handlooms and Textiles
MANITEX 2026

NOTICE

Imphal, the 23rd October, 2026

No HL-192/H&T/2026: Applications are invited from the interested Handloom & Handicrafts Awardee, weavers/ artisans, Handloom Societies, Textile Entrepreneurs, Enterprises/Company and interested food stalls vendors indicating names, address, aadhar number, weaver/ artisan card No (for handlooms & handicrafts stall), contact number etc for participation in the "MANITEX 2025 Edition" from **5th to 9th November, 2026 at Urban Haat, Nilakuthi, Imphal East**. The distribution of stalls is as given below.

Sr.	Category of Participant	Numbers of stalls
1	Weavers, Artisans, Entrepreneurs, Societies etc	60
2	IDPs	10
3	State & National Governments/Departments	07
4	Live Demo	05
5	Food Stall	15
6	MHHDC, AWAS, MEGA, CDP & SCDP	03
	Total	100

2.0. Special focus on IDPs products shall be showcased.

3.0 Last date for submission of application is 30th October, 2026 (Friday). No further request shall be entertained after the last date in any case. Selection shall be conducted on 31.10.2026 at 11.00 A.M. in the Directorate HQ.

4.0 Selected applicants must submit the required stall rent by the deadline of 11:00 AM. on 03rd November 2026 i.e. Exhibition Stall Rent: Rs. 2,000/- and Food Stall Rent: Rs. 5,000/-. Stall rent are exempted for IDPs. Failure to submit the rent by the deadline will result in the stall being allotted to an applicant from the waiting list.

Applications form can be obtained and submitted during office hours to their respective District Handlooms & Textiles offices, MHHDC, Paona Bazar, Imphal and the Directorate HQ office at Lamphelpat

Sd/-
(Waikhom Ibohal Singh)
Director of Handlooms & Textiles. Manipur

SL/DIPR/25

য়ু এন দে ২০২৬ পাঙথোকখ্রে

লিলোং, ওক্টোবর ২৪ (এসএনএস)ঃ লাইওন্স ক্লব ওফ ইম্ফালনা মসিগী সার্ভিস সেন্টর সঙাইপ্রৌদা য়ুনাইটেদ নেসন্স দে ২০২৬ পাঙথোকখ্রে। অনীশুবা মালেমগী লাঞ্জাও মতুংদা য়ুনাইটেদ নেসন্স শেম্বদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা এফ দি রোসেভেলকী মফমদা ইকায় খুম্নবসু উৎখি।

থৌরমসিগী মরী লৈননা স্কুল মহৈরোইশিংগী ওইবা ৩৪ শুবা দিবেটিং কম্পিটিসনসু পাঙথোকখি। কম্পিটিসন অদুদা দি এম কোলেজ ওফ সাইন্সকী সাইখোম রোসননা মকোক ওইখ্রে। অদুগা ষ্টেন্দর্দ কোলেজ কোংবগী মহৈরোই কোরৌহনবা ৱাহেংবমনা অনীশুবা অমসুং হবার্দ স্কুলগী পোলেম স্নেহানা অহুমশুবা তাখ্রে। মকোক মথং তাখিবশিংদা মথংশিংনা শেল ওইনা লুপা লিশিং ৩, লিশিং ২ অমসুং লিশিং ১ ট্রোফিগা কোন্ননা পীখি। দিবেট অদুগী স্পিকরনা দি এম য়ুনিভর্সিটিগী পোলিটিকেল সাইন্স দিপার্টমেন্টকী প্রোফেসার এল সুরজ সিংহনা ওইখি হায়রি।

১৮৯ বট্টালিয়ন সি আর পি এফনা মতেং পাংখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৪ (এসএনএস)ঃ ১৮৯ বট্টালিয়ন সি আর পি এফনা শীন্দুনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী দি সি ওফিসতা লৈবা বি।১৮৯দা সিভিক এক্সন প্রোগ্রাম (সি এ পি) পাঙথোক্তুনা মীওই কয়াদা হেন্দলুম মেছিন য়াওনা তোঙান তোঙানবা পোৎলম কয়া য়েন্থোকখ্রে।

থৌরম অদুদা এন কে বিশ্বাস ২ আই সিনা সিভিক এক্সন প্রোগ্রাম পায়খৎপগী মরু ওইবা ৱাফম ফোঙদোকপগা লোয়ননা সেক্যুরিটি ফোর্স অমসুং মীয়ামগী মরক্তা অফবা মরী থম্বা তঙাইফদে হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা হেন্দলুম মেছিন অমদি ওক মচানচিংবা মীওই কয়াদা য়েন্থোকখি।

শ্রীশ্রী গৌরচন্দ্রায় নম ঃ

পুর্ব্বাশ্রমদা ঐখোয় খ্বাইগী ইরক্তা তিনবীরম্বী **নিংথেমচা ওংবী নোংমাইথেম মেম্মা দেবী**-না মহাক্কী নুংশিজরবা ইমুং-মনুং, শাগৈ-নাতৈ, মরুপ-মপাং খ্বায় পুন্নমকপু থাদোক্লগা, হৌখিবা তাং ২৩-১০-২০২৭ ইং, মেরাগী ১২ নি পানবা ইরাই নুমিত্তা শ্রীগুরুগী কৃপাদগী বেষ ওল্লগা মন মঞ্জুরি শ্রীকৃষ্ণ চৈতন্য দাসি হায়বা নাম ফংজদুনা বৃন্দাবণ প্রাপ্তি ওইখ্রে।

লাক্লিবা তাং ২৮-১০-২০২৭ ইং, মেরাগী ১৮ নি পানবা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা অষ্ঠি-সপ্তয় লৌখৎচরগা, তাং ০৪-১১-২০২৭ ইং, মেরাগী ২৫ নি পানবা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা চিড়া উৎসব দিন থোক্লে। নুমিৎ অসিদা লৈখিদ্রবী বৈষ্ণবগী আত্মা শান্তিগীদমক ঙমজবা খরদং হরি সঙ্কীর্ত্তণগা লোয়ননা শ্রীহরিগী চরন্দা কচ্চগদৌরি।

উপলক্ষ অসিদা ব্রাহ্মণ-বৈষ্ণব, অহল-লমন, ইমা-ইবেল, মরুপ-মপাং অমদি ইচে-ইচল খ্বাই খিবিক্লা মতম চানা লেঙবিরক্তুনা হরিনাম শ্রবণ তৌবিরনবা পাউচেগী থোঙদা পাউজেঞ্জরি।

থৌরম পরেং ঃ অয়ূক পূং ৯.০০ – ভেক কৎপা
নুংথিল পূং ১২.৩০ – সঙ্কীর্ত্তন হৌবা

পুরানা রাজবারী-১,
নোংমৈবুং, ইম্ফাল ইষ্ট।

পাউজেঞ্জরিবাঃ
রাজকুমার গোপালসনা সিংহ (তখেলসনা) (মপুরোইবা)

SL/Birbal/25

বামোন অমুমচাগী পূক্নিং লৌশিং

মীচং মীখাই নাইদবা

খুঙ্গং অমদা লাইরবনা পৎ তৎলবা নুপা অমা লৈরম্মী। নোংমগী হাতে হাতে শুদুনা কন্না হোৎনজরবা ফাওবদা খুয়া তুশিংনা অহাওবা এঞ্জাং অমা ফাওবা চাদুনা হিংবা ঙমজরমদে। অসুম খল্লু খল্লুরগা খোয়দৌ শাওগৎলক্লদুনা নোংমদি লৈকাই অদুগী য়েন লোইবা ইমুং অমদগী য়েন অমা হুরাল্লগা থোঙ চেৎনা লোনশিল্লগা থোংদুনা চানবা থৌরাং তৌরম্মী। শেম শাবা লোইদুনা থোংবা হৌরকপদা মহাক্কী থোঙ অদুদা কাক কাক থিল্লক্লম্মী। থিল্লক্লিবা নুপা অদু য়েন মপু অদু শোয়দনা ওইগনি খন্দুনা য়েন থোংবা খাং অদু কাংখদা লোৎশিল্লগা তাশিন্নদনা তুমিন্না লৈরম্মী। অদুবু থোঙ অদুদি থিনবা ইরেপ লেপ্লমদে। অসুম থিনবা লেপত্রবা অদুদি খাঙবা ঙমলক্ত্রদুনা নুপা অদুনা ইমুংদগী লাউরক্লম্মী, "কনানো থোঙ থিল্লক্লিবদু করি পাম্বগে?"

"ঐনি তাইবঙ শেম্বা মপু, ঈশ্বর। থোঙ সি হাংদোকউ চাক লাম্বনা শিদৌরে। ঐসু চাবা খজিক্তা য়াওগে।"

"লৈতে লৈতে, ঐ নঙোন্দা করিগুম্বা অমত্তা পীজবা ঙম্লোই" নুপা অদুনা হায়রক্লম্মী।

"করিগী" তাইবঙ শেম্বা মপুনা খুম্মী, নহাক ইমুংদা অহাওবা অমা থোংলি হায়বা খঙলে, মনম ফাওরক্লে। খিত্ত চাগেবা ঐ লাম্বনা লোইরে।

"পীজরোই পীজরোই, নবুক অদুক য়াম্না ফত্তবা নঙোন্দা ঐ করিগুম্বা অমত্তা পীজনিংদে। মী খরদনা মরল মথুম জোম জোম পীবা অদুগা ঐখোয়গুম্বদনা করিগুম্বা অমত্তা পীদবা।"

"নঙনা হায়রিবদুবুদি চুম্মীনে" হায়রল্লগা থোঙ থিল্লম্বা তোক্তুনা তাইবঙ শেম্বা মপুদু তুমিন্না চৎখরে।

নুপা অদু শ্বর হোন্দোক্লে। কাঙখদগী খাং অদু চিংথোক্তুনা চাগে হেক তৌবগা থোঙ অদু কাক কাক অমুক থিল্লক্লে। নুপা অদু খোয়দৌ শাওগৎপনা লোইরে। দাও অসি য়াখিদ্রেদকো খন্দুনা তুমিন্না অমুক লৈরে। থোঙ অদুদি অদুম থিন্দুনা লৈরে। নুপা অদুনা উপাই লৈত্রদুনা লাওরক্লম্মী। "কনানো, করি পাম্বগে, চৎখ্রো চৎলো ঐ থোঙ হাংদোকলোই।"

"ঐনিনে অশিবগী লাই খম্নুং থোঙারেল। থোঙ হাংদোকউ। নহাক্কী এঞ্জাং অদুগী নুংশিবা মনম অদু ফাওরক্লে। ঐসু খিত্তা চাগে।"

"ঙাইখো ঙাইখো, থোঙ হাংদোক্লে। নঙ নৎত্রা পুন্নমকপু চপ মান্নবা মীৎয়েংনা য়েংই হায়বদো।" হায়রগা নুপা অদুনা থোঙ হাংদোক্তুনা হরাও হরাও কৌশিল্লম্মী।

"মানি ঐদি মীচং মীখাই নাইদে লাইর-ইনাক খুনবা, নহা অহল, ফজবা অথিবা পুন্নমক চপ মান্ননা য়েংই।" অশিবগী লাইনা হায়রকই।

"মীচং মীখাই নাইদবা অদুননি ঐনা পীজগদৌরিবসি" হায়রগা নুপা অদুনা অশিবগী লাইদু কৌশিল্লগা হরাউনা য়েন থোংবদু চামিন্নরম্মী।

মপান ফবা মীশিংনদি অশিববু তমথিনা খল্লি। অদুবু অশিবদি পুন্নমকপু চপ মান্ননা য়েংই। মীচং মীখাই নাইদে।

খাঙবোক ঃ পুং ৪৮ গী জেনরেল ষ্ট্রাইক হন্দোকখ্রে, অশিবা হকচাংদি লৌখিরোইঃ জে এ সি

থৌবাল, ওক্টোবর ২৪ (এসএনএস)ঃ থৌবাল পুলিস ষ্টেসনগী মনুংচনবা খাঙবোক অমসুং সঙ্গাই য়ুম্ফমগা লোন্নবদা লৈবা সি ৱাই এস এগী প্লে গ্রাউন্দদা থা অসিগী ১৮ গী নুমিদাংদা পাঙথোকখিবা ঈশৈ নোংমাইগী থৌরমদা থোকখিবা থৌদোক অমদা নোংমৈ মরুনা পানবদগী লাইশ্রম রাকেশ লৈখিদবগা মরী লৈননা শেমখিবা জে এ সিনা ঙরাং অয়ুক পুং ৫ দগী কৌখিবা পুং ৪৮ গী জেনরেল ষ্ট্রাইক মতম খরগী ওইনা হন্দোকখ্রে। অদুবু লৈখিদ্রবা রাকেসকী হকচাংদি লৌখিরোই হায়রি।

জে এ সি এগেনষ্ট দা ব্রুতেল কিল্লিং ওফ লাইশ্রম রাকেস ওফ খাঙবোককী কাঙবু অমনা ঙসি এস পি থৌবালগা উনরুরবা মতুংদা জে এ সি অসিগী কনভেনর লাইশ্রম কিরননা পাউমীশিংদা হায়, রাকেস মীহাৎকী অচুম্বা পুথোকপিয়ু হায়না মরী লৈনবশিংদা মেমোরেন্দমনচিংবা পীশিন্দুনা অমদি খোঙজং কয়া চঙশিন্দুনা লাকখিবনি। অদুবু ঙসি এস পি থৌবালগী মায়কৈদগী থৌদোক অদুদা চেন্নবা মীওই অহুম ফারে। মখোয় অহুমগী মনুংদা মীহাৎ অসিদা হাকথেংননা চেন্নবা মীওই অদুসু য়াওরে। অদুমকপু পোষ্টমোর্টেমগী রিপোর্ট লাক্লবা মতুংদা চপ চানা লাওথোরক্কনি হায়না থাজবা পীরকখ্রে। মদুনা মরম ওইরগা পুং ৪৮ গী জেনরেল ষ্ট্রাইক কৌরম্বা অদু মতম খরগী ওইনা হন্দোক্লুবা ফিরেপ লৌখিবনি।

এস পি থৌবালনা পীরকখিবা থাজবা অদুগী ওন্ন-তৈনবদা মীহাৎপা পুথোক্তবা তারগদি হেন্না কনবা খোঙজং চঙশিল্লক্কনি অমদি মীহাৎপদু পুথোক্ত্রিবা ফাওবা অশিবা হকচাং লৌখিরোই হায়নসু ফোঙদোকখি।

নাকল অমরোমদা খাঙবোক খুলগী মশীং য়াম্লবা নহাশিংনা জে এ সিগী ফিরেপ অদু পেন্দে, মীহাৎপা মশক তাক্ত্রিবা ফাওবা জেনরেল ষ্ট্রাইক হন্দোকপা য়ারোই হায়না খাঙবোক হয়ার সেকেন্দরি স্কুল মমাঙদা নেস্লেল হায়ৱে ১০২ দা ঙসি নুমিদাং অথেংবা ফাওবা লম্বী থিংখি অমদি হায়ৱেগী নাক য়েত্তা লেপ্তুনা পেন্দবা খোল্লাও কয়া লাওদুনা খোঙজং চঙশিনখি হায়রি।

নোংপোক সেকমাইদা চীংমী-তম্মী পূন্না খোঙজং চথখ্রে

থৌবাল, ওক্টোবর ২৪ (এসএনএস)ঃ থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা নোংপোক সেকমাই পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা মফমদা লৈবা খুল ১৪ গী অপূনবা লূপ নোংপোক অপূনবা লূপ মৈরা পায়বীনা শীন্দুনা নোংসুম মীহাৎ য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা এন ই এস এ গ্রাউন্দ নোংপোক সেকমাইদা চীংমী তম্মী পূন্না ৱাকৎ মীফম ফমদুনা খোঙজং চথখ্রে।

খুল ১৪ গী চীংমী তম্মী ইমা ইবেল কয়ানা শরুক য়াদুনা চথখিবা ৱাকৎ মীফম অদুদা নোংসুম মীহাৎ য়ানিংদে, কুকি টেরোরিষ্টশিংনা য়েলহৌমীশিংদা লান্দারকপা থিংগদবনি, মীহাৎপশিং ফাদুনা চৈরাক পীয়ু, সূ হন্দোকউ হায়না থাবা প্লে কার্দ কয়া পায়বগা লোয়ননা খোল্লাও কয়াসু লাওখি।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা খারম খুলদগী ইসথর হুংয়ো, ইঙৌরোক্তগী য়ুম্নাম লুখোইবী অমদি নোংপোক লৌরেম্বমদগী খোইরোম চাওবীনা ফোঙদোকখিবদি লৈরিবা লৈঙাক অসিনা ইরমদম অসিদা ইং তপ্পা হঞ্জিল্লক্লে হায়না তত্তনা হায়রবসু থৌদোক ৱাথোক্তি লেপহনবা ঙমদ্রি।

ইং তপ্পা হঞ্জিল্লক্লে হায়রগা করিগীদমক নোংসুমগী থৌদোক থোকহল্লিবনো মসিদা নত্তনা নাগা ইচিল ইনাও কয়া হাৎপা, মঙক কত্তুনা তমথিনা হাৎলবা, য়ুম কয়া মৈ থারবা ফাওবা লৈরিবা লৈঙাক অসিনা ঙাক শেনবা ঙমদবসি পেন্দে। থোক্লিবা পামদবা থৌদোকশিং অসি লাকশিনবা ঙম্লোইদবা ওইরবদি ফম কোন্দুনা লৈবিরগনু হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

'ঐখোয় হিংখিগদ্রা, শিরগদ্রা খন্নবা হৌরক্লে'

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৪ (এসএনএস)ঃ হৌজিক হৌজিক্কী ওইনা মণিপুরীশিং হিরম খূদিংদা থক্কৎপা, চরাংনবা তৌফম খঙদবা মওংদা লৈবনা ঐখোয় হিংখিগদ্রা নৎত্রগা শিরগদ্রা হায়না খন্নবা হৌরক্লে। অসিগুম্বা ৱাখল্লোন অসিনা লমজিংদুনা মণিপুরী কাঙলূপ খূদিংমক মওং তাদবা ফিভমদা লৈরি হায়না মণিপুর কলচরেল ইন্টিগ্রেসন কনফরেন্স (এম সি আই সি) পেলেস কম্পাউন্দ থাঙ্গপাৎ মপান্না ফোঙদোরক্লি।

এম সি আই সিগী প্রসিদেন্ট এ ব্রজকুমার শর্ম্মনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, অখন্নবা লৈবাক নৎত্রগা ষ্টেটনা মখোয়গী তৌফম থোকপা মথৌশিং খঙশিন্নদনা থোকহন্নিংদবা থৌদোকশিং থোকহন্দনবা হোৎনবগী মহুত্তা মীয়াম্না ৱারিবসি উশিন্নদনা অতোপ্পা মপানগী লৈবাক অমগুম্না হৌজিক লৈরিবা মওং অসিদগী করম্বা কান্নবা লৌবা মানবা মওংদা লৈথোকপা মাল্লি। অসিগুম্বা থৌওং অসি মণিপুরদা নত্তনা মালেমগী মফম অমদা থোক্লল্লোই।

সেন্টর লৈঙাক্তি মখোয়গী পাঙ্গলগী মনুংদা থোক্লিবা থৌদোকশিং মশাগী পাঙ্গল শীজিন্নদুনা হায়বদি শেল, শক্তি নৎত্রগা লাম্মী শীজিন্নদুনা লায়না পাঙথোকপা ঙম্বনি। অসিগুম্বা পাঙ্গল কল্লবা লৈবাক অসিবু কপ্পুনা লৈরিবা অঙাং অমগুম তৌফম খঙদনা লৈরিবা অসি ৱাখল খনবা মীওইশিংনা শোয়দনা ঙক্লমগনি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, মণিপুরগীদমক খনবা মীওই ওইনা মরী লৈনবা লৈঙাক্তা ষ্টেট অসিগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসি কোকহল্লু হায়বা ঐখোয়গী ইথৌনি। লৈঙাক্না মওং তাদবা মণিপুরীশিংগী ফিভম কোকহন্নবা হোৎনবদা মীয়াম্না শোয়দনা মতেং পাংলক্কনি। খুন্নাই অমদি নাৎকী মরমদা খন্দুনা থবক ওইনা পাঙথোক্লিবা মণিপুর কলচরেল ইন্টিগ্রেসন কনফরেন্সকী থৌদাং পনবা য়াই।

কুমজা ১৯৬৭ তা লিংখৎখিবা অদুগা ১৯৬৯ দা রেজিষ্টার তৌরবা মণিপুর কলচরেল ইন্টিগ্রেসন কনফরেন্সনা ঙসি ফাওবদা মণিপুর অমসুং মীওইবগী হক ঙাক শেন্দুনা পাংবা য়াবা মতেং পাংলি। লৈঙাক্লা মহৌশাগী ওইবা ফিভমদা হঞ্জিন্নবা হোৎনরকপদা মরী লৈনবা লূপশিংনসু পাংবা য়াবা মতেং পাংবিয়ু হায়নসু মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

চাকঙাই ৱারী-৩৮

ঙানু থেঙ্গু

অইবা অমসুং অয়েকপা
নোং লান

SL/Sush/17 July -Jan-16

Space Coaching Centre
Kwakeithel Heinoukhongnembi Near RM school.

HURRY ADMISSION OPEN HURRY

REVISION COURSE FOR CLASS X
ALL SUBJECTS # RESDENTIAL MODE
STARTS ON 12TH NOVEMBER

HINDI TUITION CENTRE
SPOKEN HINDI COURSE 3 MONTHS
TUITION CLASS FOR ALL V-X
CONTACT -7005285138/9615455360

অখন্নবা ৱারেং

ঙায়োক ফার্মগী কোলমনি পান্বী

বাবুল সোইবম

হন্দক অমুতোম্বীনা য়াম্না ৱানা হোৎনজদুনা ঙায়োক ফার্ম মচা অমা লৈবা ঙমজবসি কৈরোই লৈকায় ৱা–ৱা হেক লাউই। করিননো হায়বু মাদি চুন্নসুম লমজাও মপান্দা উশঙ মচা অমা মশা য়াওনা থবক শুজদুনা তেক তেক হোৎনজবনি। তৌববুদি মচানুপা অহলদু শেল খরা অদুম থোকই। সুমাঙ লীলাগী মীয়াম্না পাম্নবা হেরোনি। থংনা থংননা বেষ্ট এক্টর অহুমলক লৌরে। অসিদা নত্তে লৈকায় ক্লবকী থবক, লৈবাক্কী ইসু কয়াদা থৱায় য়াওই। অসিনচিংবা কয়া পুথোক্লদুনা অয়ুক লৈকায়গী হোটেলদা চা থকপা কাঙবুনা য়াম্না মরম খঙনা হেক হেক নৈনবী। অমবু ওইরে অমবু ওইরে ঙায়োক ফার্ম অসিমা মপা মচানা লৈবা ঙমজরে হায়বসিমদি নাখৈ শেংলে।

অয়ুক ঙন্তা হৌগৎতুনা অমুতোম্বী মতৈ–মনাও ফার্মদা চৎলি। হৈবোই–হৈতবোই লৈরাই শেম্মী। নাপী কত্তুনা ঙা–শজিক থাই। ফিবান পল্লি অকোয়বা হৈ–লৈ থাদুনা হোৎনৈ। করি অমুক হায়রুনি মীগী থবক লৌশিল্লুরগা মতম চানা পীবা ঙমদদনা মীৱা তাবা তোয়রে হন্দক।

নোংমা অমুতোম্বীনা ঙা মচীঞ্জাক চাইনা চাইনা মাগী নুপীদা হায় – ‘‘মমা হন্দক্তি নিংথমথা লোইরকপসিদা শেনফম মচা অমদি খঙলনিহৈ’’। পল্লী অকোয়বদা থারিবা ইনশাং নাপীশিংদু মখোঙ শোন্না শোন্না মাগী নুপীনা হরাওনা খুম্মী – ‘‘হোয়দা হোয়দা’’। নুংশাগী মৈশানা য়ৈবদা চহীনা ননশিল্লক্লিবা মচু থোক্ত্রবা মায়থোঙ অনীদো নুংশিনা য়েংনদুনা অমুমুকসু নোকমিন্নে মরক মরক্তা। লৈরায়দা হৌবা কোলমনি পান্বীদগী খূবাম খূবাম হেক্লগা নুংঙাইনা ৱারী শা–শাদুনা য়ূমদা হেক হেক হল্লকই।

থা খরগী মতুংদা মচা নুপা অহল মালেমঙানবদু নুপী কোক চেনশীল্লক্লে। চহীগী হায়রুরবদি ময়ারবনি। তৌজরিবা শিনফমদুগী য়েংলগা মমা মপা ওইবনা মতম খিত্তং লৈহন্নীংবা হৌনশাদুগী ৱানি। নুপী হায়দোকপা চৎলুরে। চয়েৎনবা লৈতে। য়েক থোক্তে হরাও হরাও য়ানৈ। লুরিবদি অমুতোম্বী হৌজিক য়ূম শাদ্রি। ফার্মসি লৈরুবগী মীগী শেন্দোয় মচা খরসু পুরিবনি। হৌজিক লৈনরিবা য়ূমসিদা খরা শেমদোক শেমজিন তৌরগা হোৎনরসিরা হায়রুবসু মচাশিং ইয়া য়ানীংদ্রে। মচাদি লায়বু লায়রি মমানবু লাই য়াওই। শাহৌরসি হায়না ঙংশিল্লকপা ময়ামদুনা হয়িং খোইয়ানবী চবুন পাইশিল্লকপদু ঙায়খ্রে মঙোন্দদি। তৌফম খঙদে হৈবোই হৈতবোই খৈনি খরা খূজপ্পীনা চপ্লগা থোক উমশিন্দুনা ৱাখল মচা খরা খল্লী। মচা অতোনবগা মচানুপী অদুগদি লুহোংবগী ৱাফম সিমা তোঙান্থোকখ্রগা য়ূম শাহৌবশিমদি য়ান্নমক পাম্মী মচা অহলসু মাগী নুপীসু মা মশামকসু লোইনা পাম্মী। পূন্নমক মাগী মাগী ৱাখল্লোনদু চপ মান্নে। লোইনা চুম্মী। অদুবু অসুম য়েংখৎলুবদা পাইশিল্লক্লিবা পোৎলূমগী তেঞ্জৈসিমদি অমুতোম্বী মথন্তগী কোকতোন তম্লকপগুম তৌরি। কনাদসু ৱারোৌরুদে মশাগী মরাইবক্তা তাইনরগা অদুম তোকচরে। পল্লেপফম খঙদ্রদুনা মাগী নুপীদা হৌনমাল্লে খন্না হাইফেৎ ৱাতান্নরুবসু ‘‘ইমায়পেম্মা নঙসিমা নচা লুহোংবা হায়দো সিনি নমৌ নুপীদো তোলোপ চাবীনেয়ে হয়েং খূত্তা হামদুনা চাদৌরিপোৎনি’’ হায়না ইকোম কোন্না হেক খুমদোরকই। মাগী নুপীগী খেৎ খেত্তোকপা লোন্দাদুদা ৱারৌবোই শাওনীংবোই

‘‘ইহে খূৎ হাম্বদুদি লায়রিনে লুরিবদি অমদুনিনে’’ হায়না খোন কল্লপ তৌরম্লগা অমুতোম্বী মাগী উশঙদা থবক শূবা থোকখ্রে।

নোংমা নীনি হৌখ্রে। নূঙ লৈঙোই লৌরুদুনা থবক হৌরে। নিংথম কালেন কয়া মায়োক্লরক্লবা হান্নগী অরিবা নুংশিরবা য়ূমদুসু তপ্না তপ্না শীদোকপা হৌরে। মা মশামকসু অঙম অঙন্বা পাখোন–নুংখোন চেন্দুনা কন্না হোৎনরে।

নিংথমথাগী অহীংসিদা শঙ্গোয় কাচিন্দা ফক্লোংনা খারগা মচীন–মৌপ্বা অহুম নিংঙাইদনা তূন্লিবদু অমুতোম্বীনা থোরত্তুনা হেক হেক য়েংই। মনুংদা থাল্লিবা থাওমৈগী মঙালনা চরন চরন খারিবা ফক্লোং মরুমদগী মচেৎ নাইনা লীৎথোরক্লিবদু য়েংনা য়েংনা নোংমনা মপি ঈরা চেল্লী, নোংমনা নোকফেৎ তৌরুই। করি নীংলুবনো খঙদে। অসুম খল্লম্বদি য়াই– ‘‘নুংশিরেদা ইচাশিংসিনা তৌরিসে’’ নৎত্রগা ‘‘য়ূম শাবিরনি হায়দুনা অঙৈংবসিদা নিংঙাইদনা তূল্লেদকো’’। অমবু ওইরে অমবু ওইরে ৱাদি ঙাঙদে। পূক্নীংগী ৱাহং কয়া’মা থম্মোয়দা পাউখুম পীজদুনা চীনবালথোংদি য়ৌরকখিদ্রে।

অসুম হৌখিদুনা মতমদি নকশিল্লক্লি। শেন–থুমগী ফিভমসি য়েংলুরগা হায়নখিবা মতমদা য়ূম শাবা লোইগনি হায়বগী থাজবদি চাউনা মাঙশিল্লক্লি। অয়ূক নুংথিল কোয়চেন চেন্দুনা থবক ইনখাঙ হোৎনৈ। নুমিদাংদি তূম্বা য়াদবা তোয়না য়াওই। মতোমতা করিগুম্বদা খল্লী– ‘‘করিগীনো ঐনা ইচা লুহোংবগী থৌগাই খরসিদা অদুক য়াম্না ৱাজরিবা অসি নত্তদুনা ওন্ন–তৈনবা অৱাবা থৌদোক অমা ওইরম্লগনা কমদৌবা’’ হায়বনচিংবা ৱাখল ময়াম অমা মথন্তা শেম শাদুনা খল ওঞ্জরগা পোত্থানবা হোৎনৈ।

হায়না হায়না য়ূম চঙগদবা মতমসু নকশিল্লক্লে। নোংমা অমুতোম্বী কোকথক্তা মৈ হৈরিঙৈদা মচানুপা অহল মমা মচানা ফনয়াম্বা শেনফম অমা পুরক্তুনা মঙোন্দা শিন্নররে। হায়ফম খঙদ্রে হরাওবনা লুতোন কাখ্রে। কদায়দগীনো কমদৌবনো হায়বসু হংলুদে, মহৈ–মহৈ মানা মানা থোকপা অঙম অঙম্বা থিনরুবা মতাং ওইরকপনা। অথুবা শীজিন্নবা খরা পায়হৌরগা শেনফমদু অমুক মাগী নুপীদা শিন্নরে। কুইনা হাৎলুদবা মশম মনাদু মিংশেল য়েংদুনা কাবক কাবক হাৎতোক্লগা গাড়ী থৌদোক্তুনা পোৎ লৈবা চেনখ্রে।

লুহোংবা লোইখ্রে, চাক্লৌবসু লোইরে। লাঙলম্বা নিল্লম্বা পূম্বা ঈচিক চীকখ্রে। মমৌ নুপী অনৌবগী খোঞ্জেলগা লোয়ননা মখোয় খরখক্কী নুংঙাইনা ৱারী ৱাতাই শাবা খরা তাবা নত্তনা। মমৌ নুপীদু অমুতোম্বীনা মচানি খন্না লুনা তৌজৈ। অদুবু য়ূম শাবগা লুহোংবগা পূনখিবনা অৱাৎপনা থল্লি। হাওনা থুন্না পীজবা ইঙম ঙমদ্রি।

অসুন্না মতম খরা হৌখিদুনা ইমুংগী মীওইশিংদু মাগী মাগী মথৌ চৎনবা হৌরে। অমুতোম্বীসু মাগী উশঙদা থোক্তুনা থবক হৌরে। অদুবু নুমিদাংৱাইরম ফার্মদা চত্তুনা ঙাইহাক য়েংশিল্লুবদি ইরেপ লেপ্তে। নোংমা অমা মহাক্না ইনশাং–নাপী হেক্লিঙৈদা অৱাং লৈকায়গী অজ্ঞা হরিচরণ মপা মচা লাক্তুনা ফার্মদা চঙবগী অথিংবা পীররে। খোন পংকন্দি কনখৎনদনা ঙাইহাক চীন্দা পাওদানরম্বা মতুংদদি ফার্ম অসি মাগী নুপীগা মমা মচানা অজ্ঞা হরিচরণদা হান্ননা বন্ধোপ থমদোক্লম্লে হায়বসি খঙলক্লে। ফার্ম অসি লৈবা মতমদসু মহাক্তি ইচম চমথোক্না ‘‘নমাগী মিংদা অদুম পানবিরোদা’’ হায়দুনা মাগী নুপীগী মমিংদা লৈখিবদু খঙনীং নীংশিংলকই, তৌফম খঙদে ‘‘ফরে অজ্ঞা অদুদি য়ৌখ্রগে’’ হায়না ইফ ফজথোক্লম্লগা মায় লৈথোক্তুনা লাক্লে। নুমিদাং মঙ্গল অতীংবগা কাংঙৌ চাগে খন্না হেকচরকপা কোলমনি চবুন্দুসু খূত্তগী তাখিবা খঙহৌদে। চোকথরবা হকচাং পুদুনা লম্বীদা খোঙ থাংনা থাংনা নোংমা অমা মাগী নুপীগা মমা মচানা শেল চবুল অমা পুরক্তুনা মঙোন্দা শিন্নরবদা মহাক্না হরাওজখিবা পূংফমদো মীৎতা শং শং উরকই।

অসুম লাকপনা ফনা শাংজিল্লক্লে। অরোইবা ওইনা তুংহন্না অমুক্তং য়েংথোক্লম্বদা লৌশঙ মনাক্তা হৌহৌরিবা হৈনৌ পাম্বীনা য়েৎথংবা মশা হাইগত্তুনা কায়না খূৎহাই হাইহৌবদো উরগা অমুতোম্বী মীৎতগী পি চদুম চদুম তারক্লে। নুমিদাংৱাইরমগী উচেক শংগুনা কোকতোন লান্না পাইরগা তে–তা তে–তা খোংদুনা ৱাগনু ৱাগনু থেমজিনবীরম্মী। চোকথরবা খোঙথাংনা পুদুনা অসুম লাকপনা মঙ হাদা য়ূম য়ৌরক্লে।

নুমিদাংদু অমুতোম্বী তূম্বা য়াদনা অহীং ৱানা লেনখি। মচা মমৌদসু ৱাফমসি হৌদোক্লুদ্রে। অসুন্না নুমিৎ নীনি হুন্নি তূম্বা চাবা য়াশিল্লক্তবদগী অমুতোম্বী চাননা অনাবা ওল্লে। অদুবু খঙদ য়াদবনিনা হৌজিক্তি মরম পূন্নমক ইমুং মনুং ইফোং ফোঙদোক্লরে।

তশেংমক্তি মাগী ইমুং মনুংনা মহাকপু মীনমগে খনখিবদি লৈতে ফংগদবা শেনফম খরা নংনদবদগী অমুকসু ঙায়োক ফার্মসিসু মহাক্না থৱায়মক্লি খঞ্জবসিদা, মতম খিত্তংগী ওইনা তঙাই ফদনা লোৎলুবগী ৱানি। অমবু ওইরে, অমবু ওইরে অমুতোম্বী পোত্থাফম খঙদবা হায়বদুমদি অদুম ওইরি। মচা মমৌ নুংঙাইখিরোইদ্রা খনবদগী ৱাদবা শাদুনা লেনবসিনসু হেন্না অৱাবা অমা ওইরে।

মতম খরা হৌখ্রে। নোংমা নুমিদাং অমা মমৌ নুপীনা মাগী মনাক্তা চঙলক্তুনা– ‘‘পাবুং ঐখোয়গী ফার্মদু নচা নুপা ইবানি চত্তুনা ঙসি বন্ধান হন্দোক্লুরে। মরূপকী শেনফম অমা অকোনবগা অহানবগা পূন্না ফংবনি, অৱাৎপা খিত্তংদি সনানা শম্লে। হয়েংদি ইরাই নুমিৎনি। পাবুংগী ইপোক নুমিৎসু ওই। অদুনা ঙন্তা পাবুংনা ঐখোয় ময়াম পুদুনা চৎপীগদৌবনি। ঐদি অমুক্তসু উজদ্রি, চাক চাথোক্লবা তৌসি হকচাং কন্দবা য়াদে’’ হায়না নুংশিনা খুরুমদুনা হায়ররে। শগোলশেন নুমিদাংগী ঙা য়াওদবা চাক্লেনদু হরাওনা ইমুং পূন্না চামিন্নরগা মহৈ মহৈ নুংঙাইনা তূমথনখ্রে।

অয়ূক অঙনবনি, লৌশঙ মনাক্তা অমুতোম্বীগী ইমুং মনুং পূল্লপ য়ৌরক্লে। মতম কুইনা উরুদ্রবা ঙায়োক ফার্মদু ঙসিদি কয়াদা নীংথিজরিবা অয়ূক্কী পারবা নুংশানা য়ৈবদা ঈথক ইপোম মচাশিংনা সনা অহিংবগুম লেঙ লেঙ চৎলি। নীংথিজবা মচু কয়ানা মপাল ওইনা শাৎলিবা উপাম্বী মচা মচাশিং, লন্না লন্না হৌরিবা থম্বাল অঙাংবা, থারিকথা মরক্তা ঈরোইদুনা শান্নরিবা ঙাখা মচা ঙাশাং চবুন চবুন, নেম্না নেম্না কোয়পাই পাইরিবা লৌবুক্কী উচেক শংগু শংগু পূন্নমক য়েংলুরগা অমুতোম্বী, মহৌশা লাইরেম্বী ইমানা অশংবা ফিজোল লৈতেংদুনা পল্লী অকোয়বদা নোম্না নোম্না জগোয় শাদুনা চৎপগুম উরক্লে। শংমুন্ননা পাল্লিবা অৱাথবী চরোং, মতম কুইনা হেক্লুদ্রবা কোলমনি পাম্বী, ইকাইথবী মতোল, লৌশঙ মনাক্কী হৈনৌ পাম্বী, ঙাংশং ঙাংনা চেকখাইদুনা পাল্লিবা কফোই চরোং, মখোয় ময়াম্নসু ‘নঙদি কুইরে লাক্তবা কৈদৌরুরে’ হায়না ৱাহং কয়া হংলক্লি খোঞ্জেল থোক্লা। অমুতোম্বীসু খুমই পাউখুম কয়া, ইকাই নুংশি য়ান্ননা ওইনা ওইননা ৱাফম কয়া লোত্তুনা অদুবু হৈপাল লৈপালশিংদুগা অমুতোম্বীগা অদুক নুংশিনা চীন্দা পাওদাননা ঙাঙন–শক্নরিবা ৱারীশিংদো করিগীনো খঙদে মখোয় অতৈ অমত্তগী নাকোংশিংদদি য়ৌরকখিদ্রিবা ?

তাবুনুংদগী

মেরা হাওচোংবগী অহোংবশিং

মণিপুরগী অরিবা কুম্মৈশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা মেরা হাওচোংবা অসি মতম্না পুরকপা অওনবা কয়াগী মনুং চন্না অহোংবা শক্তম কয়া উরক্লি। কুম্মৈ অসিগী মমিং অসি চহী খরগী মমাঙদগী হৌচোংবা ওন্থোকখ্রে। মেরাগী তরানিপানবদা পাঙথোক্লম্বদগী তরামঙানি পানবদা ওইনা পাঙথোকখ্রে। মমাঙঙৈদা পাঙথোক্লম্বা মশান্নশিং পাঙথোকখিদ্রে। চকচা য়ুথক তৌদুনা ঙাওদুনা তাদুনা লৈনরম্বা তোকখ্রে। অদুম ওইনমক চীং অমসুং তমগী মীওইশিংনা মাগী মাগী নাৎকী জগোই অমসুং ঈশৈ উৎপা অমসুং শকপদি অদুম মখা চৎথরি। চীংগী তমগী কাঙবুশিং অমগা অমগা পোৎ লান্নবসি হৌজিকসু অদুম তৌরি। মণিপুরদা পোলিটিকেল এজেন্ত ওইরম্বা কেপ্তেন ই দল্লিউদনা মহাক মশান্না উহৌবা মেরা হৌচোংবা কুম্মৈগী মরমদা মহাক্কী লাইরিক ‘গেজেট্টিয়র ওফ মণিপুর’ (১৮৮৬তা ফোঙবদা) ইরম্বা অদুগী মণিপুরী ৱাহন্দোক ঙসিগী ওইনা তাবুনুংদগী লৌখৎচরি...

‘‘ কুম্মৈ অসি ওক্টোবর থাদা নোংমখক পাঙথোকপনি, চীংদা তারিবা চীংমী ফুরুপশিংনা মণিপুরগী নিংথৌগীদা পূনবনি অমসুং তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিংগী মী ময়াম পূনবদু য়েংবদা মীৎয়েং হোংবা য়াদবমখৈ অঙকপনি, মখোয়না শেৎলিবা ফিজোলশিং অদু ফজখ্রে। অদুগা মখুৎতা খুৎশু–খুৎলায়সু পায়। মখোয়শিং অদু অমগা অমগা শক–চু খৈন্নৈ অমসুং লোলসু মান্নদে। অদুবু মখোয়দা মান্নবা অমদি লৈ মদুদি মখোয়না য়ু থকপদা থুনা য়াঙনা থক্তুনা থুনা ঙাওনবা হোৎনৈ অমসুং মতম শাংনা হেক ঙম্মিবমখৈ ঙাওদুনা লৈ। চীংমিশিংনা অদুনা নিংথৌগী মমাঙদা মপাঙ্গল চাংয়েং তৌনৈ, খুদম ওইনা তৌনৈ, খুদম ওইনা অরুম্বা পোৎ হেন্না পুবা ঙম্বনচিংবা তান্নৈ। মখোয়না লানগী জগোয় শায় অমসুং য়ৈনবা শাশিন্নৈ। নুংথিলদা শান্নবা অদু চাক্লেন অমা চারগা লোয়শিল্লি। চাক্লেন অদুদা ষণ, ইরোই, হূই, হৌদোংনচিংবগী শাদোং পেন্না পীজৈ। শাশিং অদু তম্পাক্তা শিবা ওইরমগনি। শাদুমশিং অদু চাক্লেন অদুগীদমক্তা থওইনা য়াইরগা অমসুং কংহল্লগা লীদুনা থম্বনি।’’

মণিপুরী পান্থৈ –পাউরৌ, পাউতাক

- **তাংজ লিন্না ৱাতোন লোম্না কাবা ঙমই, তাইবঙ মীদি ঙমদে।**
  –মাগী মাগী মনাৎ খেন্নবনা অমনা ঙন্বা থবক্তু অমনা হেক্তা ঙমদে।
- **তৌরাং থক্তা ওন্দুনা লৈবা।**
  – য়াম্না কন্না নারবা, হৌগৎ কাঙখৎ ঙমদ্রবা।
- **তুলসি মনা শাবা।**
  – লাঞ্জদবা, অফবা, অশেংবা চৎপা পী শাবা।
- **তরা মচা তিনবা।**
  – মায়কৈ খুদিংগী মী মখল শুনা পুল্লবা।
- **তরেৎ তরাথোক্না খনবা।**
  – মূন্না, চেকশিন্না, কুপথনা, শোয়বা য়াদে হায়বগী মওংদা পরম চূম্না ৱাখল তৌবা।

খোমজিনবাঃ ডা. লৈশাংথেম তোন্দোন

চানক্য নিতি

- ষণবীনা কোম্থোংদা পুন্দুনা লৈবনা হূই লীশিং লৈবদগী ফবা হেল্লি।
- খূৎতা লৈবা অমগী কান্নবনা, লাইবক্না তম্বা অনীদগী হেল্লি।
- হেঞ্জিন্না নুংশিনবদি তুংদা অমাঙবা ওই, হেঞ্জিন্না তিন্নবনা কায়নবা শাওনবা য়াওই।
- অশাউবা য়াওদবা মহাক্তু পুম্নমক্তগী মায় পাক্লবা মীনি।
- ফত্তবা তৌবশিংনা অশাউবা উথোরকপা উরগা অশাউবা ওইরকই।
- অশিংবা মী, অপঙবা মী, মরুপ মপাং, ওজাদা থৈদোক্তুনা ৱা কৈদৌঙৈদা ঙাংগনু।

মণিপুরীদা হন্দোকপাঃ শগোলশেম গৌরমহন সিংহ

মণিপুরী পাউখোঙ

১০২৩। শ্বর হোন্দবা অহিংবা জিবা করিনো?
১০২৪। সনানা থোং লোনবা লূপানা থোং হাংবা করিনো?
১০২৫। শিদ্রিফাওবা মপী তাবা লেপ্তবা করিনো?
১০২৬। য়াৎতনা কোয়বা ফেংদনা লংবা করিনো।
১০২৭। হনুবী অহুম ফৈজা মুন্নবা করিনো?

(ঙসিগী পাখোং লমায় ৬তা ফোঙজরি)

মীরোন্দগী হন্দোকপা লাইরিক
ঐগী পূন্সি অমসুং মণিপুর

– জর্নেল সিংহ

(জর্নেল সিংহ মণিপুরগী চীফ সেক্রেটরী ফাওবা ওইরম্বা আই এ এস ওফিসার অমনি। মহাক্না মণিপুরদা থবক তৌরিঙৈদা থেংনরকখিবশিং অদু নীংশিংদুনা ইংগ্রাজীদা ইবা ‘মাই ত্রাইষ্ট ৱিথ মণিপুর’ হায়বা লাইরিক অসি ক্ষেত্রিময়ুম সান্ত অমসুং ডা. কে এস ঐচ নরায়ন সিংহনা মণিপুরীদা হন্দোক্লে। লাইরিক অসি কলম অসিদা মথং মথং ফোঙদোকচরি।)

(মমাঙ নোংমাইজিংগী মখা...)

রিভিয়ুশিং অমসুং ইন্সত্রক্সনশিং:

নোংমা ঐনা য়ুরেম্বদগী য়াঙনৌপোকপীগী ১৩২ কে ভি লাইনগী প্রোগ্রেস চেক তৌবা চৎখি। তাৱারগী মতোনশিংদা শিন্মী খরনা কাদুনা থবক শুরম্মী। খঙনিংমনবদগ ঐনা কন্ত্রেক্তর অদুদা টৱারদা থবক শুরিবা শিন্মীশিং অদুগী মনুংদা মণিপুরদগী য়াওৱা হায়না হংলুই। মণিপুরদগী অমত্তা য়াওদে হায়বা খঙলকপদা ঐহাক অঙকপা ফাওখি। মখোয় পুম্নমক ষ্টেটসিগী ৱাংমদগীনি। মণিপুরগী শিন্মীশিংদি লৈমায়দা থবক শুবা ঙাক্তনি। ঐনা খঙলকখি মদুদি ১৩২ কে ভি লাইন শাগৎপগী থবক অসি স্পিসিয়েল জোব অমনি অমদি লমদমসিগী শিন্মীশিংনা মসি তমশিনগদবনি। ১৩২ কে ভি নত্রগা ৩০০ কে ভি লাইনশিং শাগৎপদা মণিপুরনা মপান্দগী শিন্মীশিং পুরকপগী শেল হুনবা ঙল্লোই। ১৩২ কে ভি টৱারশিং শাগৎনবগীদমক লমদমসিগী শিন্মী খরা ত্রেন তৌনবা ঐনা কন্ত্রেক্তরদা পাউতাক পীরম্মী। ঐনা মসিমসু তমশিল্লম্মী মদুদি কন্সত্রক্সন সাইটতা লৈরিঙৈদা শিন্মীশিংনা মতম পুম্বদা বেল্টশিং ফাগদবনি অমদি হেলমেটশিং উপকদবনি।

লোকেল কন্ত্রেক্তরশিং :–

থা খুদিংগী এম এস পি সি এল অমসুং এম এস পি দি সি এলগী চথরিবা প্রোজেক্টশিং পুম্নমক্কী প্রোগ্রেস রিভিউ তৌরম্মী। অসিগুম্বা মিটিং অমদা রিভিউ তৌবগী মপুং ওইবা মরম অদু কঞ্জুমরশিংগী মফমশিংদা প্রি পেদ ইনর্জি মেটরশিং থম্বগী ওইরম্মী। ইনর্জি মেটরশিং সপ্লাই তৌবা অমসুং নপ্পগী থবক অদু মণিপুরগী মপানগী অচৌবা কন্ত্রেক্টর খরদা এম এস পি দি সি এলনা পীরম্মী। ককচিংদা শুরিবা কন্ত্রেক্টর অদুনা হায়রম্মী মদুদি টিম ২০না থবক শুদুনা টিম অমনা নোংমদা ইনর্জি মেটর ২০ নপ্পা ঙম্মী। কন্ত্রেক্টর অদুনা পীরিবা প্রোগ্রেস অদু হেনজিন্নবা মাল্লম্মী। অদুক য়াম্না ইনর্জি মেটরশিং নপ্পবদি, মফম অদুদা ত্রান্সফোর্মরশিংদা পীরিবা লোদ অদু হস্তগদবনি। অদুবু লোদ হস্তরমদে। অরানবা রিপোর্ট পীরে হায়বগী চিংনবদগী ঐনা ককচিংদা চৎনবা লেপ্লম্মী।

মথং মথং....

শৈরেংশিং

মীথুংশঙ

– *সোবীতা বাচস্পতি*

নহা ওইবগী মতম
হে তেল্লবা মতমগী মীথুংশং!
নঙগা কাইনগদবসি নিংঙমখিদ্রেদা
নঙগী মীথুংশংসিদদি ফংজৈ ঐনা
খঞ্জ–পামজ অমত্ত খাৎক্ত
শক–লন, আশা অমদি থৌনা।
নঙোন্দগী লানথোকখ্রবদি
ফংলরোই করিমত্তা
তাইয়োন্নবা ঙাক নত্তনা।
তোম্বগী লমসু লৌশিল্লে হায়নে
থবক হাপ্পিনি হায়দুনা তৌরুব্রা,
থবকসু লৌদ্রে
সিবি–সু অমুকসু লৈশিল্লে...!’’
‘‘খুরা
ঐ অরুবা থবক অমা...!
ফরে ইবুংঙো চৎলো,
নপাদা হায়য়ু
মীখল ৱাগনু হায়না! কো!’’
অহন্দু চৎখিবদা মঙায়রি
ঐগী য়ূম্বুরেম্বীনা তুংদগী হায়রকই,
‘‘য়ূম ফংঙে
শেন খরা থম্মু হায়রি
কনাদৈ লৌদোইনো?’’

য়ুমগী লম্বী

–আর জে মীতৈ

থাংলক্লি খোঙসিনা শাংলবা লম্বীসিদা
পোথাজবা ফংজনবা
ঐগী ইয়ুমদা।
ঐগী ইমীৎসিগা মায়োক্লনা
শন্দোক্তুনা লৈরি মপাল নাইদ্রবা অহাঙবনা।
লম্বীসিদা মায়োক্লরি
কল্লবা নূংজাউ
ঐ তম্লক্লিবা চাক্লিবা মৈরি
মপাল নাইদ্রবা ঈশিংগী ঈপাক;
পূন্নকসিগা মায়োক্লনবা
ঐগী শোল্লবা পূক্নীং অমসুং হকচাংগী পাঙ্গল লৈতে,
চৎপদি চৎলি ঐনা শীংনবগী খোঙচত্তা।
লৈথরক্লিবা নুমিৎকা লোয়ননা
চৎলি খুঙ্গংশিং ফাওদুনা
পাঙ্গল য়াওদ্রবা ঐগী হকচাংসিনা।
হাংদোক্লবা অতিয়াগী খোঙজিন্দা
ময়ূম মায়কৈ পাংনা
পাইরি চেক্লাচাশিংনা।
খোঙচৎসিদা ঐনা
নাপলগী ময়াইদা হাইগৎলুবা ইরায়
কয়ারক লূকচখি
মায়থীবগা মায়োক্লবা মীৎকূপশিংদা।
অদুনা লম্বীসিদা
থাজবা অমসুং নুংশিবা অনীসিতবু
থম্মোয়দা চেৎনা পুরদুনা
চৎকনি ঐনা।

সিড়িগী থাকশিং

–ডাঃ ইরুংবম দেবেন

ঐনা নঙবু নুংশি হায়রুবদা
নঙনা নোকখি
নঙনা নোকখি নঙনা নোকখি ।

শরূ হুমদাংদু থাঙ্গৎ–থাঙ্গৎতুনা
য়াতোনশিংদুগী মফি শৎ চিংথোক্তুনা
ঐঙোন্দা
করেন্নবগী খুদোম্বীনা থিল্ল থিল্লদুনা
নঙনা নোকখি নঙনা নোকখি ।

নঙগী মায়থোংদু চিংথেক চিংথেক্তুনা
নঙগী ফজবা পূম্বা লৈমায়দা লংথদুনা
নোকপদু ফাথজবা ঙমজদনা
নঙনা নোকখি নঙনা নোকখি ।
(নঙনা নোকপদু উরগা ঐনা কপখি।)
নঙনা নশাবু অকাসমুক ৱাংনা চিংথোক্তুনা
(নঙগী অৱাংবনা ঐবু নেমথহনখি)
ঐগী ইথক্তা য়েংথরদুনা
নঙনা নোকখি নঙনা নোকখি।

মাইথীবা

–ঐচ বেনুবালা দেবী

মশীং খঙদ্রবা সমুদ্রগী ঈথক্না
পুথগে হোৎনৈ অরুপা ঈরোনুংদা
তোৰ্ব্বানগী অকুপা লৈঙোয় মরীকশিং।
খল্লি লৈঙোয় মরীকশিংনদি
মপান নাইদ্রবা ঈপাকী ঈরীকশিং
নোংমদি শোয়দনা খুদুম চনগনি।
ময়ায় কারবা লোইনাইদ্রবা ঈথকপু
চুপশিল্লি কুপ্পা লৈঙোয় মরীকশিংনা
অহীং নুংথিল লেপনাইদনা
মায়থীগনি খংদবমথৈ নোংমদি।
অদুনা তাখিগনু নুমীৎ নংসু
অচৌবনা অপীকপশিংবু মায়থীহনবা
য়েংলম্মু অমুক্তং কুম্মৈসিবু পেন্না।

অয়েৎপা আপনবা

–মাইস্নাম তিকেন্দ্র

অয়েৎপা অপনবা
নং কনানো?
করিগী নংনা য়েংলিবনো?
থবক থৌরম খুদিংদা
নহাক্না য়েৎতবা লৈতে।
মায়থোঙসু চামা পাল্লি
শকলোনসু লিশিং লিশিংনি

উৎ অমসুং আশাগী লৈরাং

–এস, তাহির আলী

থম্মোয়দা হৌরকপা
ইথক ইপোমশিংনা, নুংশিবগী
হাপ্লকই ঈনোৎ,
মশা তেকখৎলকই
থৌনা লিংজেল।
চঙশিল্লি ঐ
অসুম চঙশিল্লি, মাঙদা
পায়রদুনা খুৎতা থাজবৈ
ফিরাল।
খঙহৌদে,
কমদৌনা য়ৌরকপা পন্থুং।
আশাগী লৈরাংশিং
কংলদুনা
তিনখি উৎকি মপৈদা।

" পুংখায় খোঞ্জেল ৱাকৎ "

–রন্ধির থিয়াম

হৌনরুবা নাইদনা থোক্লরকখিবনি
পুংখায় খোঞ্জেল ৱাকৎ --
ওক্টোবরগী তাং ২৩, ২০২৬, ইরাই ;
য়াইফরবা নুমিদাংগী পুংজা ৭:৩০ - ৮:০০
য়ৈনখিবনি কংলৈপাক শীন-থুংনা সেনবুং,
য়ানিংদবগী মপাউ পুরদুনা,
পুংখোলনা পুন্সিল নিলখিবনি--
কনাগী কাংশি ,ধোন ,ধোলোক ;
পুখম , কোম্পাক , পোস্ট ঙম্না ;
নীংঙমদবগী পুংখোল খোল্লাউনি ।
ফোংদোক্লখিবনি অপুনবা য়ানিংদ-মপাউ ,
লৈঙাক্লিবসিংগী লৈঙাক্তা পেন্দ্রদুনা ;
তাক্লিবনি পেল্লে ,খারে ,ওকলে ,ৱারে ;
মীয়ামগী অপাম্বা উবিমন্দবগী খোল্লাউনি ,
মীয়ামগী ৱাকৎ তাবিমন্দবগী শক্তম্নি ,
থোক্লরকখিবনি অদুনা অমত্তা ওইনা ,
হৌনরুবা নাইদনা তিনখিবনি ,
পুংখায় খোঞ্জেল ৱাকৎ ।

দাইরী অমসুং ঐ

– খোইস্নাম ওংবী বীরলা

ঐ ঈকাইরে
ঐগী দাইরীগী মফমদা।
ইখি ঐনা মাগী চেনা খূদিংদা
ৱাশক খূদিং মাবু শাক্তি থমদুনা
নোংমতসু ৱারেপ্পা ঙমদে
হেন্না থাঙজিল্লি খোঙথাং লান্না
মহৌশা তাইবং মীগী হৌনশা
চিনগা খূৎকা মান্নদবা
দাইরী হাংদোকপা খূদিং
করেন্নরক্লি হৌজিক্তি চেনোশিংনা
ঐগী খোঙকাপ খূদিং,
অদুবু ঐখোয়নিগী থাজবা মাঙদ্রি
দাইরী অমসুং ঐ
ঐখোয়নী খত্তনি মমি খঙনরিবা।

নহাক্কী খূৎশেমদা

– চিঙাম্বম নন্দিতা

তাইবংপানবগী মপু
জগৎসিমগী থৌনি
পুন্সিগী ৱাকৎফম
নহাক্না শিনবনিদো নহাক্তি।
তৌবা ঙম্বা নহাক্লি
শীনবা হৈবা মপুনি
নঙনা শেম্বা খূৎশেমদা
পাম্মী পামদে হায়বগী
ইতিক লৈজদেদো
ঐগা লাইবকসিবু ঐনা খঙবা ঙম্বরা
মীৎকুপ অমদা
তাঞ্জা অমদা
করি ওইরকপা খঙদবা তাইবংসিদা
নহাক্না লেপ্পীয়ুকো মতম খূদিংদা
মীওইবগী ধর্ম তাকপীয়ু
ঐবু ঐগী কর্ম তৌহনবীয়ু
অপাম্বা পূম্বা ফংবা ঙমদ্রবসু
লৈজবা খরনা পেলহনবীয়ু
ঐবু ঐনা শক তাকহনবীয়ু
তাঙনা ফংবা মপোকসিদা
পুন্সিগী অর্থ খঙহনবীয়ু নহাক্না।

হুদনা হুরবদি লৈমা হুরাল্লু

–নোংমাইথেম কুঞ্জরাজ

হুরানবা পাপনি
হায়নরম্বনি মমাঙঙৈদা
হৌজিক্তি ওইরবনি
লৈবাক্কী মপী মপা
লৈমা হুবা মীনা।
তৌবতবু ওইরোইদৌবনি
হুরানবা মচাদি
হৌৱাই সেন্দর অমগীদমক
মীয়াম চঙদুনা
কৈথেল ময়াইদা
ভুম তাবগুম
খোঙপাক্লা তাবদো
য়েংজনিংদেদা লায়রবা।

হুরানবা

–খোইস্নাম মঙ্গল

নেক টাই কোট স্যুট
ফিজেৎ ফিরোল তরূ তনাল
খোঙদা সু গপ গপ, খূৎলৈ থুনা প্রপ প্রপ।
খূত্তা ঘরী মীৎতা অনোক
চুরুট সিগার হুইস হাস
খা–অৱাং, মনিং মমাঙ
মীৎ–না কোরোক কোরোক
ঝূৎ–পাৎ, থোক–মোক
লাক্লে পোৎ পাক পাক, ফরে ফুরে দম দম
মায় মীৎ ইকায় কায়।

‘ইরমদমগী পোখোকশিং য়োকখৎনবা হোৎনসি’

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৪ (এস এন এস)ঃ

চীং-তম অনীমক্কী ফিশারোইশিংবু থৌনা হাপ্পগা লোয়ননা ইরমদমদা পুথোকপা পোখোকশিং য়োকখৎতুনা শেন্নীৎলোন্দা অওনবা পুরক্লবা হোৎনসি হায়না মণিপুর হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফ্টস দিভলপমেন্ট কোওপরেসন (এম ঐচ ঐচ দি সি) লিমিটেদকী চেয়রমেনসু ওইরিবা লম্লাই এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম এল এ খোঙবানতাবম ইবোমচানা ফোঙদোকখ্রে।

দিরেক্টোরেট ওফ হেন্দলুম এন্দ টেক্সটাইল, মণিপুরনা ঙাক্লৌ পীদুনা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী দিষ্ট্রিক্ট হেন্দলুম এন্দ টেক্সলাইলসনা শীন্দুনা চৎথগদবা মেরা হৌচোংবা ফেষ্টিব ফেয়র ২০২৬ ঙসি পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেন্দা হৌদোকপগী থৌরমদা ৱাফম অসি মহাক্না ফোঙদোকখিবনি।

থৌরমগী অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোল থল্লদুনা এম এল এ ইবোমচানা হায়, মেরা হৌ চোংবা হায়বসি লমদম অসিগী পুৱারিদা য়াম্না মরু ওইবা থৌরম অমনি। চীং-তম অনীগী মরক্তা লৈরিবা মরী অসি তুংগী মীরোলদা ময়েক শেংনা খঙহন্নবা হোৎনবদা মেরা হৌচোংবা হায়বসি য়াম্না মরু ওই। অসিগুম্বা থৌরম অসিগা ইরোইননা চহী খূদিংগী ফেষ্টিব ফেয়র অসি পাঙথোক্তুনা লাক্লি। চীং-তম অনীমক্কী ফিশারোইশিং অমদি আর্টিসিয়ানশিংনা পুথোকপা মখল কয়াগী পোৎলমশিং ফেষ্টিব ফেয়র অসিদা পুথোক্তুনা মীয়ামদা উৎকদৌরি। নিঙোল চাক্কৌবনচিংবা লমদম অসিগী মরু ওইবা কুন্দো কয়া লাক্লিবা অসিগী খুদোল তন্নবা পোৎলমশিং ফেষ্টিভ ফেয়র অসিদগী লৈদুনা মীয়ান্না লমদম অসিগী পোখোকশিং য়োকখৎনবা হোৎনবদা অমত্তা ওইনা থৌদাং লৌমিন্নসি। ঐখোয় ইশাগী পোথোক লৈদুনা শীজিন্নবা হায়বসিনা মপালদা চৎখিগদবা শেলশিং অদু ইরমদম অসিদা তুংদুনা লৈহৌগদৌরিবনি। মরম অদুনা ইরমদমগী পোখোকশিং য়োকখৎনবা হোৎনবদা পুন্নমক্না অঙম্বা থৌদাং লৌমিন্নসি হায়খি।

মণিপুর লৈঙাক্কী হেন্দলুম এন্দ টেক্সলাইলসকী দিরেক্টর ৱাইখোম ইবোহলনা থৌরম মপু অমদি ইথনো হেরিটেজ কাউন্সিল (হেরিকো)গী প্রসিদেন্ট য়ুমখাইবম সুর্জিৎকুমার খুমননা অখন্নবা মীথুং ওইদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা তোঙান-তোঙানবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি। লোয়ননা ষ্টোল কয়া হাংদোক্তুনা লমদম অসিদা পুথোকচবা হেন্দলুম অমদি টেক্সলাইলসকী পোৎলম কয়াসু মীয়ামদা উৎখি।

ইপা-ইপুশিংদা লৈখিবা অপূনবা...

লমায় ১গী মখা... চহী অসিগী মেরা হৌচোংবগী থৌরম শরুক য়াবা লাকখিবা চীংগী খুল্লাকপশিং অমদি চীংমী ইচিল-ইনাওশিং ঙসিদগী হীলস ত্রাইবেল গেষ্ট হাওসতা লৈনবা য়ুম চঙবগী থৌরম অদুদা চীফ মিনিষ্টর ৱাই খেমচন্দ্র হায়, নিংথৌ পাল্লিন্দৈ মতমদা নিংথৌনা চহী অমগী মনুং দা নুমিৎ ১০০ হেনবগী চীংদা লৈদুনা চীংমীশিংগা অচেৎপা মরী শাগৎখ্রে লৈ হায়না অহল-লমনশিংনা রারী ওইনা তম্মী। মণিপুর অসিদা খুন্দমিন্নরিবা ফুরুপ ৩৬ পুন্না লমদম অসি শেন্দুনা লাকপনি। ঐখোয়গী অহল-লমনশিংনা লৈখিবা অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোল অদু তু ইন্দুনা ঙসিদগী ফুরুপচা খুদিংমক চৎপা হৌরসি হায়খি।

মহাক্লা হায়, মেরা হৌচোংবা য়াওবা লাকপা চীংগী খুল্লাকপশিং অমদি চীংমী ইচিল-ইনাওশিংনা ইম্ফালদা লাকপদা লেঙ্গম চাকফম নীংথীনা লৈবা অদু লেঙ্গাকখ্রবা ইনিংথৌ সনাজাওবা লৈশেম্বা কন্না হোৎনবদগী গেষ্ট হাওস অসি শাবা লৌইদুনা মীয়ামদা খূৎশিন্নবা ঙম্বনি। মেরা হৌ চোংবা থৌরমগীদমক চীংদগী চীংমী ইচিল-ইনাও কয়া লাকপা অসি অপেনবা পোকই অমদি পূর্ব্লিংদা নুংশিবা অমা ফাওই হায়খি।

থৌরম অদুদা নিংথৌ সনাজাওবা লৈশেম্বা হান্নগী রাজ্য সভাগী মেম্বরনা হায়, ঙসি ঙসি চীংদা লৈরিবা য়েলহৌমী অমদি তম্পাক্তা লৈরিবা য়েলহৌমীশিংনা নাকল অনীমক্তগী অমত্তা ওইনা পুনগদবনি হায়বগী ৱাখল্লোল কয়া পুন্না লাওখিবা অপেনবা পোকই। ঐখোয়গী লাইওইখ্রবা ইপা-ইপুশিংনা চীংমী-তম্মী অনীগী মরী অসি হেন্না চেৎশিন্নবা হোৎনদুনা ঐখোয়গী অহল-লমনশিংনা লন্নী অসি য়াংলগনি হায়খি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, চীংমীশিংগীত ওইবা হিলস ত্রাইবেল গেষ্ট হাউস অমনি। লাক্লিবা ওক্টোবর ২৬ মরোগী থানিল নুমিৎতা পাঙথোকদৌরিবা অসি হৌ চোংবগী থৌরম অসিদা য়াওবা লাক্লিবা চীংগী ইচিল-ইনাওশিং ঙসি অহানবা ওইনা গেষ্ট হাওস অসিদা চঙদুনা লৈগদৌরিবনি। চীংগুট্তা তত্তুরাই অনীগী মরম লৈনরিবা মরী অসি হেন্না চেৎশিন্নবা হোৎনবগী চানা লৈরকপা অসিনা হেন্না চেৎশিন্নবা গুন্ননি থাজে। হৌজিক হাউস অসি শান্নরুবা চীফ মিনিষ্টর খেমচন্দ্রগী সেরেতরিয়েটকী মতমদা সনাজাওবা লৈশেম্বা কন্না হোৎনবদগী গেষ্ট হাওস অসি শাবা হৌখিবনি। লোয়ননা হৌজিক চীফ মিনিষ্টর ওইরবা য়ুন্নাম খেমচান্দনসু গেষ্ট হাউস অসি থন্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌবগা লোয়ননা হন্দক্কী মেরা হৌ চোংবগী থৌরম অসিদা য়াওবা লাকপা চীংগী ইচিল-ইনাওশি মফম অসিদা লৈহনগদবনি হায়না কন্না হোৎনখিবনি। মদুগী মহৈনা চীংগী ইনাওশিং অসি ঙসিদগী মফম অসিদা লৈবা ফংলগনি। মসিগীদমক চীফ মিনিষ্টরবু থাগৎলি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়াগী জেনোসাইদ পোলিসি...

*লমায় ১গী মখা...*শৌগৎতুনা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা ঙসি চথখিবা ৱাকৎ মীফমদা শরুক য়ারদুনা ৱাফম অসি মহাক্না ফোঙদোকখিবনি।

ৱাকৎ মীফম অদুগা মরী লৈননা অমুকোগী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা সোরোখাইবম সঞ্জয়না হায়, ইন্দিয়া লৈঙাক্না মণিপুরবু মচেৎ তনা থুগায়নবা থৌওং কয়া লেপ্তুনা ঙসি ফাওবা চথরক্লি। ইন্দিয়াগী থৌওংনা লমদম অসিগী মীয়ামদা চৈথেং কয়া পীদুনা লাক্লি। মণিপুর মচেৎ তাহনবা য়ারোই হায়বসি লমদম অসিগী মীয়ামগী চপ চাবা ফিরেপ ওইদুনা ইন্দিয়াগী থৌওং মায়োক্তা খোল্লাও কয়া লেপ্তুনা লাওরি। মীয়ামগী অকনবা খোঙজং নত্তনা মনা তাশিন্নদ্রবা ইন্দিয়া লৈঙাক অসি পারা তন্বীবা ঙল্লোই। ইন্দিয়া লৈঙাক্না লেপ্তুনা জেনোসাইদ পোলিসিগী থৌওংশিং অসি চপ চানা থেংনদুনা মালেমগী মীয়ামদা ময়েক শেংনা খঙহনবা মতম ওইরে। মরম অদুনা লমদমসিগী মীয়ান্না অহিং নুংথিল খায়দনা অমত্তা ওইনা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিনবা মথৌ তারে।

মহাক্না হায়, মণিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসিদা মমল য়াম্লবা থৱায় কয়া মাঙখিবতা নত্তনা মীওই কয়া অমনা লাঞ্জেন্নদুনা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌদুনা লৈরি। ইন্দিয়া লৈঙাক্না সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন (সু) চৎনবা অমদি চৎনদবা লালহৌলুপ কয়া শীজিন্নদুনা মণিপুগী মীচম কয়াবু লেপ্তুনা ওৎ নৈরি। টেরোরিজমগী থৌওং য়ানিংদবা উৎতুনা লমদম অসিগী মীয়ান্না খোঙজং কয়া চঙশিনবগা লোয়ননা খোল্লাও কয়া লাওদুনসু লাক্লি। অদুবু ঙসি ফাওবা ইন্দিয়া লৈঙাক্না তাশিন্নদনা লৈথোক্লি। ইন্দিয়া লৈঙাক্না মণিপুরগী ইরাং অসি লোইশিল্লু হায়বা য়াদ্রবনিনা লুপ ৫না মীয়ামগা লোয়ননা মখল মখা কয়াগী খোঙজং চঙশিন্নবা থৌরাং পায়খৎপসু লৈরে। মণিপুরগী ওইরক্লিবা ফিভম অসিদা ঐখোয় পুন্নমক্না অমত্তা ওইনা ৱাখল তামিন্নবা মথৌ তাই। লমদমসিগী মীয়ান্না থল্লিবা পান্দম অদু য়ৌদ্রিবা ফাওবা অহিং নুংথিল খাইদনা খোঙজং চঙশিন্দুনা মনা তাদ্রবা ইন্দিয়া লৈঙাক অসি মীৎকপ থোকহনবা হায়বসি তঙাইফদবনি। মণিপুর মীয়ান্না লাওরিবা খোল্লাও তাবগী মহুৎতা মণিপুরদা আর্ম ফোর্সেস কয়া লেপ্তুনা থাজিল্লক্লি। লমদম অসিগী লৈরিবা মমল য়াম্লবা রিছোর্স কয়া লৌথোক্লবা লেপ্তুনা হোৎনরক্লি। মরম অদুনা লৈবাক কনবা হায়বসিনা ঐখোয় ইশাগী থৱায়দগীসু হেন্না লুন্না লৌবগী তঙাইফদবা তানফম অদু লাক্লে। ইন্দিয়া লৈঙাক্কী প্রোক্সি ৱার অসিগী মায়োক্তা মীয়াম পূন্না অকনবা খোঙজং চঙশিন্দুনা ইপা-ইপুনা ঙাক্লম্বা লমদম অসি কনবা মথৌ তাই। লুপ ৫ অমদি মীয়ান্না চঙশিল্লিবা খোঙজং অসিদা লৈঙাক্কী শিন্মীশিং য়াওনা মহৈরোইশিংনসু শৌগৎপগী তঙাইফদবা লৈ। মৈ চাক্তুনা লৈরিবা খুন্নাই অসিগী ফিভম অসি ঐখোয় খূদিংমক্না লেপ্তুনা য়েংবগী মতম নত্রে হায়খি।

মণিপুর মুখৎপা য়ারোই, ১৯৫১দা বেজ ইয়র ওইরগা এন আর সি অপদেট তৌনবা অথুবদা মণিপুর লৈঙাক্না ইনিদয়া লৈঙাক্তা তকশিনগদবনি, স্পিসিয়েল ইন্টেন্সিভ রিভিজন (এস আই আর) ২০২৬ চথহনবা য়ারোই, অথুবদা আই দি পিশিং ময়ুম মায়কৈদা হঞ্জিলহল্লু, ইন্দিয়া লৈঙাক অমদি মণিপুর লৈঙাক্না মণিপুর মীয়ান্না মায়োক্নরিবা অৱাবা অসি খুদক্তা কোকহল্লু, আর্ম ফোর্সেস স্পিসিয়েল পৱারস এক্স ১৯৫৮ লৌথোকউ হায়বা দিমান্দশিংগা লোয়ননা চথখিবা ৱাকৎ মীফম অদুদা মীয়ান্না তোঙান-তোঙানবা প্লে কার্দ কয়াসু শীজিন্নখি।

কুকিশিংগী দিমান্দদা অহোংবা...

লমায় ১গী মখা... থা অসিগী হৌখিবা ওক্টোবর ২২ শগোলশেল নুমীৎতা চীফ মিনিষ্টর্স সেক্রেটেরিএটতা রাজ্য সভাগী এম পি প্রমোদ বোরো, রিটায়র্দ লেফটনেন্ট জেনরেল আর পি কালিতা অমদি রিটায়র্দ স্পেসিএল দাইরেক্টর ইন্টলিজেন্স ব্যুরো এ কে মিশ্রাগা চীফ মিনিষ্টর য়ুন্নাম খেমচান্দগা উনখিবা অদুদা বোরোলেন্দ টেরিটোরিএল কাউন্সিল মোদেলগী ওইথোকপা য়াবা মতাংদা ৱারি শান্নখি। লোয়ননা বোরোলেন্দ টেরিটোরিএল কাউন্সিলগী চীফ প্রমোদ বোরোগসু খন্ন নৈনখি হায়বা পাউ তারে। মরম অদুনা কুকিশিংগী ওইনদি মমাংদা তানখিবা দিমান্দ অদুদগী করিসু অহোংবা লৈতে।

বোরোলেন্দ টেরিটোরিএল কাউন্সিল মোদেলগী ৱাফম কুকি ফুরুপকী মীওইশিং অমদি য়ু কে ৱাই সিনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই। ইন্দিয়াদা ঐখোয়না লেজিসলেটিভ এসেমব্লি য়াওবা য়ুনিয়ন টেরিটোরি পীগদবনি হায়না তানখিবা দিমান্দ য়াম্না মরম চাবা দেমোক্রেটিক ওইবা অমদি কন্সটিট্যুসনেল ওইবা দিমান্দ অমনি। কুকি ফুরুপকী মীওইশিংদা লেজিসলেটিভ এসেমব্লি য়াওবা য়ুনিয়ন টেরিটোরি পীবা খক্তনা সোল্যুসন পুরকপা ঙমগনি হায়নসু য়ু কে ৱাই সিগী চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

সিনাই কেম্পতা লৈরম্বা সূ কাদর নত্তবা...

*লমায় ১গী মখা...*মখোয় ১৮ অদু সিনাই কেম্পতা লৈফম থোকপা কে এন এ অমসুং কে এল এগী কাদরনি হায়না অহানবদা শক তাক্লকখি। অদুম ওইনমক মখোয়শিং অদু ভেরিফিকেসন তৌবা মতমদা মীওই অমখক অশেংবা সূগী কাদর ওইরম্লগা ১৭ অমনা শাশিন্নবা ওইরম্বনি। মখোয় ১৭ অদু ৮ অমনা কে এন এনি, অদুগা ৯ অমনা কে এল এনি হায়না লান্না মশক তাকই। মখোয় ভেরিফাই তৌরবা মতুংদা ‘সূ’গী অশেংবা কাদরশিং অদুনা নৌনা রিক্রুট তৌবা টেরোরিষ্ট কাঙবু অমনি হায়বা খঙবা ঙম্লে। মখোয় ঙসি মরী লৈনবা দ্যুতি মেজিষ্ট্রেটতা পুথোক্লবা তুংদা থা অসিগী ৩১ ফাওবা পুলিস কষ্টদি রিমান্দ লৌথখ্রে। পাউ অসিনা মখা তানা হায়, মখোয়দগী ফারবা অফবা মখলগী নোংমৈ ২৪ অদুগী মনুংদা এ কে সেরিজকী রাইফল১৩, এস এল আর রাইফল ১, লেথোদ গন ২, কোল্ট এ আর-১৫ রাইফল ৪, জি থ্রি রাইফল ৪ নি। মসিদসু নত্তনা একে রাইফলসকী মেগজিন ১৭, কোল্ট এ আর ১৫গী মেগজিন ৮, এস এল আরগী মেগজিন ১, জি থ্রি রাইফলগী মেগজিন ৭সু মখোয়দগী ফাগৎপা ঙম্লে। পাউ অসিনা হায়, এস এল আর কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরূ ২২৩ অমসুং থ্রি নোট থ্রিগী নোংমৈ মরূ ২৩ অমসুং কাপথোকখ্রবা নোংমৈ তোক্লিং ২৮৭, পোম্পি বোম ৪, ট্যুব লোঞ্চিং বোম ১, লেথোদ গন মরূ ১২, ৱাকি- টোকি সেট ২০, বুল্লেট প্রুফ জেকেট ৪৫, হেলমেট অনৌবা ৪৪ অমসুং অরিবা ২৪নি। হায়রিবা মফম অদুদগী থার্দ বাট্টালিয়ন কুকি আর্মি কেম্প কে এন ও। কে এন এগী আই কার্দ ৬৬, মোরেগী পাইচোং ভেংদগী হেলেং হাওকিপ কৌবা অমগী মিংদা লৈবা ভিসা পাস্পোর্ট অমসু ফংবা ঙম্লে। কম্বাইন ফোর্সনা দিটেন তৌরগা ৱাহং পাউহং চথরবা মতুং ঙসি য়াইঙংপোকপী পুলিস ষ্টেসনদা এফ আই আর অমা পান্দুনা মখোয় ১৭ অদু ফাজিনখিবনি। শাশিন্নবা সূগী মীংদা টেরোরিষ্ট কাঙবু অদুনা লৈরম্বা সিনাই কেম্প হৌজিক সি আর পি এফকী ১৮৯ শুবা বট্টালিয়নগী কম্পেনি অমগা লোয়ননা অতৈ তোঙান-তোঙানবা সেক্যুরিটি ফোর্সনা লৈশিনখ্রে।

স্পেসিএল ইন্টেন্সিভ রিভিজনদা খুদক্তা লেপ্লবা সাইন্টিষ্ট ৮০ রোন্না ওপন লেটর ইখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৪ (এস এন এস) ঃ

ইন্দিপেন্দেন্ট সাইন্টিষ্ট অমদি এদ্যুকেসনিষ্ট ৮০ মুক্না ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ই সি আই) অমদি ইন্দিয়া লৈঙাক্তা স্পেসিএল ইন্টেন্সিভ রিভিজন (এস আই আর) তৌবা খুদক্তা লেপকদবনি হায়না ওপন লেটর ইদুনা পীশিনখ্রে হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না ইন্দিয়ান ইন্সট্যিট্যুট ওফ সাইন্স (আই আই টি) দিল্লি, আই আই এস ই আর কোলকাটা, ইন্সট্যিট্যুট ওফ মেথমেটিকেল সাইন্সেস চেন্নাই অমদি ইন্টরনেসনেল সেন্টর ফোর থিওরেটিকেল সাইন্সেস বেঙ্গলুরুনচিংবা ইন্সটিট্যুসনশিংগী সাইন্টিষ্ট অমদি এদ্যুকেসনিষ্টশিং খুৎয়েক পীরবা ওপন লেটর অদু ওক্টোবর ২৩ দা পীশিনখিবনি। এস আই আর তৌবা খুদক্তা লেপকদবনি হায়বগী ওপন লেটর অদু সাইন্টিষ্ট অমদি এদ্যুকেসনিষ্টশিং অদুগী মশাগী ওইবা লনাই ৱাখল্লোলদা পীশিনখিবনি। কনা অমত্তগা মরি লৈনদে হায়রি।

হন্দক পাঙথোকখিবা এস আই আরগী মনুংচন্না ইলেক্টোরেল লিষ্টতগী লৌথোকখ্রবা মীওইশিং সু অমুক হন্না হাপচিনগদবনি হায়বগী দিমান্দসু তৌখি। সাইন্টিষ্ট অমদি এদ্যুকেসনিষ্টশিং অদুনা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না এস আই আর তৌদুনা হন্দক ইলেক্টোরেল লিষ্টতগী লৌথোকপীখিবশিং অদু অয়াম্বনা লৈত লায়রবা, মাইগ্রেন্ট ৱার্কর অমদি মার্জিনেলাইজ কম্যুনিটিশিংগী মীওইশিং মরম চাদনা তৌবা ঙম্মী হায়বগী মতাগুম লৌথোকপীখিবনি। ইলেক্টোরেল রোলদগী লৌথোকপীখ্রবা মীওইশিংনা অমুক হন্না ইলেক্টোরেল লিষ্টতা য়াওনবা হোৎনবা হায়বসি য়াম্না লুবা প্রোসেসশিং চঙলি।

লোয়ননা ইলেক্টোরেল লিষ্টতা অমুক হন্না য়াওবা য়ানবগী তঙাইফদবা মতমসু পীবিদ্রে। ভোটিং রাইট হায়বসি দেমোক্রেসিগী য়াম্না মরুওইবা রাইট অমনি। মীচম মীয়ামদগী রাইট অসি লৌথোকপীরবদি দেমোক্রেসি হিংবা ঙল্লোই। ইন্দিপেন্দেন্ট সাইন্টিষ্ট অমদি এদ্যুকেসনিষ্টশিং অদুনা গভর্ণমেন্ট অমদি ই সি আইদা কন্সটিট্যুসনেল প্রিন্সিপালশিং ঙাক্না চৎনবা আপিলসু তৌখি। লেয়ননা দেমোক্রেসিদা থাজবা থম্বা মীপুম খুদিংমক অমদি কম্যুনিটিশিংদা ভোটিং রাইটকী কলহৌনবগীদমক মাঙ থানা থোক্লক্লবগীদমক্তসু আপিল তৌরকখিবনি হায়রি।

মণিপুরগী ফুটবোল্লরশিংনা ৱার্ল্ড কপ য়াওবা য়াদে হায়বগী অইবা লৈতে: বিস্বজিৎ

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৪ (এস এন এস)ঃ

মণিপুরদা লৈরিবা শান্নরোয়শিংগী হৈথোই শিংথোইবা কয়া অসিনা মরম ওইরগা মণিপুরবু পৱার হাউস ওব স্পোর্টস হায়নরিবনি। মণিপুরগী শান্নরোয় য়াওদনা ভারতকী স্পোর্টস অমত্তা মপুং ফাদে হায়নবসু লৈরিবনি। মরম অদুনা ষ্টেট অসিগী তোঙান-তোঙানবা শান্নরোয়শিংগী শান্নরিবা অফবা ফুটবোল্লরশিংদা অসিনা পুনশিল্লগা ৱার্ল্ড কপকী টিম ওইনা থোকপা য়াদে হায়বা অইবা ওইনা করিসু লৈতে হায়না মিনিষ্টর ওইনা থোকখিবা এম এল এ খোঙাম বিস্বজিৎনা ফোঙদোকখ্রে।

শনজেম্ছোংদা লৈবা মহাক্কী ওফিসিয়েল রেসিদেন্সদা আই লিগ থ্রিগী ক্লালিফাই ওইরিবা সাউথর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন (এস এস য়ু) গী ফুটবোল প্লেয়রশিংদা য়ুনিফোর্ম য়েন্থোকপগী থৌরম অমগা মরী লৈননা মহাক্লা ফোঙদোকখিবনি।

এস এস য়ুগী সেক্রেতরি, লোইতোংবম জনারঞ্জন য়াওনা য়ুনিয়ন অসিগী ওফিসিএলশিং, কোচ অমদি প্লেয়রশিংনা য়াওনা পাঙথোকখিবা অচম্বা থৌরম অদুদা এম এল এ খোঙাম বিস্বজিৎনা হায়, করিগীদমক্তা মণিপুরবু লৈবাক অসিগী পৱার হাউস ওব দি স্পোর্টস হায়রিবনো হায়রগদি ঐখোয়গী শান্নরোয়শিংগী পরফোর্মেন্স অমসুং পোল্লকপদগী ঈদা অমদি লু-তোংদা য়াওজরল্লবা টেলেন্টশিং অসিননি। শান্নরোয়শিংগী অচৌবা ফস্পাগা মণিপুরগী শান্নরোয়শিং য়াওদ্রগদি মপুং ফাদে হায়নরিবনি।

লমদম অসিদা খোল্লিবা ঈরাং অসিনা মরম ওইরগা ঐখোয় মীয়ামদা পীরিবা অৱাবা থৈংং কয়া নাখৈংদে হায়রগদি শান্ন-খোননবা হায়বা অসিসু য়াম্না মরুওইবা অমনি। শান্ন-খোননবা হায়বা অসিনা কাংলুপ ফুরুপ শান্ন-খোননবা স্পোর্টসনা ঐখোয়বু পুনশিনহল্লি। লমদম অসিগী শান্নরোয় কয়া অমা ইন্টরনেসনেলগী থাক্তা শান্নরুরগা মীং চৎ পুরকখিবশিং, মনা লৌরকখিবশিং অমদি ওলেম্পিক্তা শরুক য়াদুনা মীং চৎ পুরকখিবা শান্নরোয় কয়াদসু ষ্টেট গভর্ণমেন্তনা মখোয়দা মতিক চাবা ইকায় খুন্নবা উত্তুনা গভর্ণমেন্তকী চানবা থবকশিং পীবগী থবকসু পায়খৎলগা লৈরিবনি। মহাক মশামকসু ফুটবোল অমদি ক্রিকেত নীঙথিনা শান্নরকই। হৌজিকসু মণিপুর বেদমিন্টন এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ত অমা ওইনা শান্নরোয় কয়া অমা শেমগৎলি। বেদমিন্টনগী নেস্নেল প্লেয়র অমা ওইদুনা নেস্নেলগী লেবেলদা শান্নরকে। মরম অদুনা রিছোর্স লৈজদবা ঐখোয়গী ষ্টেত অসিদা নীঙথিনা শান্নবা য়াওশিল্লগা সোসাইটি অসিগী অফবা ফস্পা ইশাগী ওইনসু ফবা লম্বী অসিদা চঙশিনম্লিশি। মালেমগী ওইবা ফিফানা শিন্দুনা পাঙথোকখিল্লবা ৱার্ল্ড কপ অসিদা শরুক য়াবা ঙম্বা হায়বা অসি ৱানা থোকই। অদুবু হোৎনবদা লেপ্তুনবা লৈক্তুনা ঐখোয়গী ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা ফুটবোল্লরশিং অসিগী অফবা শান্নরোয় কয়া অমা থোক্কত্তুনা লৈবাক অসিগী ওইনা শান্নবা চৎপদা য়াদে হায়বা অইবা করিসু লৈতে। মরম অদুনা কন্না হোৎনদুনা মদুসু মায় পাক্লবা শান্নরোয়শিংনা হোৎহন্নিংই হায়বগী ৱাফমসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

নোংসুমগী থৌদোক্তা লোৎকনু...

লমায় ১গী মখা... য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা নাওরেমথোংদা লৈবা পিপলস দিমোক্রেটিক এলাইয়েন্স (পি দি এ)গী ওফিস মমাঙদা পার্টি অসিগী য়ুথ ফ্রন্টনা শীন দুনা চথখিবা ৱাকৎ মীফমদা ৱাফম অসি মহাক্লা ফোঙদোকখিবনি।

মীফম অদুদা মহাক্লা হায়, নোংমা কাঙদনা মীশি মীনা, মীহাৎ মীপুন থোক্তুনা মীচম মীয়ান্না অৱাফমদা তাদুনা লৈরিবা অসিদা মণিপুর লৈঙাক্লা তুমিন্না লৈশিনবা য়ানিংদে। মণিপুরদা নুপী কয়া লুখ্রাবী ওইহনগদৌরিবনো হায়না লৈঙাক্তা ৱাহং তৌখি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, মণিপুরগী অশুক লুরবা ফিভম অসিদা নেসনেল পার্টি ওইনা লৈরিবা কোংগ্রেস অমসুং বি জে পিগী য়ুঠনি হায়দুনা লৈরিবশিংনা পার্টি পোলিটিক্স তৌদুনা অমনা অমগী মায়োক্তা ঙাঙনবা, হুন্নবগী থৌদোক কয়া মীয়ান্না উবা ফংখি। অদুবু হৌজিক টেরোরিষ্টশিংনা মীচম মীয়াম্বু হাৎলবা মতমদদি মখোয়শিং অদু উবা ফংখিদ্রে। অসুন্না পার্টিগী ওইজবা খক্তা য়েংলগা থবক তৌবগী মহুৎতা য়ুঠ অমা ওইরবদি লৈবাক্কী ওইবা থবক থৌরমশিংদা শরুক য়াবিয়ু হায়খি।

মহাক্লা হায়, হৌজিক মণিপুরগী ওইরিবা ফিভম অসিদা চীফ মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দ, দিপ্যুতি চীফ মিনিষ্টর নেমচাক কিপগেন অমসুং লোসি দিখোনা মণিপুরদা কমদৌনা তঙদু লৈতাবা পুরক্কনি হায়বদু কোক চুংশিন্নবগী মতম য়ৌদ্রিবরা। করি করম্বা থবক পায়খৎলগা মণিপুরদা তঙদু লৈতাবা হঞ্জিল্লক্কনি হায়বা ৱাখল্লোল থাদরগা মণিপুর মীয়ান্না থেংনরিবা অৱাবা অসি কোকহনবীয়ু হায়না মহাক্লা মখা তাখি।

ৱাই খেমচান্দনা মীয়ামদা লাল্লে...

লমায় ১গী মখা... মুভমেন্ট য়ারে হায়বদগী নোংসুমগী মীওই খরনা চীংদা শিং চনবা চৎপদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা মৈতৈ ৩ হাৎখিবা অমদি ৩না অশোক-অপন নংহনখিবা ৱাথোক্কী মতাংদা লাল্লো হায়জগদবনি। মণিপুরগী হোম মিনিষ্টর কোন্থৌজম গোবিন্দাসনা মীয়ামগী পুন্সি অমদি লন থুম কনবা ঙমলক্ত্রবনিনা হোম মিনিষ্টর ওইবদা মতিক চাদ্রে। মরম অদুনা অথুবদা মহাক ফম থাদোক্কদবনি।

কুমজা ২০০৫ কোংগ্রেসকী মতমদগী ইন্দিয়া লৈঙাক্কী পোলিসি অমগী মখাদা চথরকখিবা সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন (সু) অসি কুকি মিলিটেন্টশিংগী মখুৎতগী লৌথোক্কদবনি। সু লৌথোক্ত্রিঙৈ মণিপুরদা শান্তি পুরকপা ঙমখিরোই। সুগী গ্রাউন্দ রুল ফজনা থম্বা ঙমদ্রিবনিনা অথুবদা মণিপুর গভর্ণমেন্ট অমদি সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা সু এব্রোগেসন তৌগদবনি। ছটিসগড় গভর্ণমেন্টনা সালমা জুদুমদা ট্রাইবেল য়ুথশিংদা স্পেসিএল পুলিস ওফিসর (এস পি ও) গী মীংদা খুৎলায় পায়রগা মাওইষ্টশিংগা লান থেংনহনখি। মসিগী থৌদোক অসি সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়ানা মীওইবগী রাইট আর্টিকল ১৪ অমদি ২১ ভাইওলেট তৌই হায়দুনা ২০২৫ গী মে থাদা বেন তৌখি।

ইলিগেল অমদি অনকন্সটিসনেল ওইরে হায়খ্রবা থৌওং অসি মণিপুরদা সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন (সু) গী মীংদা অমুক ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা কুকি মিলিটেন্টশিংগা খুৎয়েক পিনরগা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা মণিপুরদা প্রোক্সি ৱার চথরক্লিবা অসি খুদক্তা তোক্কদবনি। আই দি পিশিং হৌজিক রিলিফ কেম্পদা লৈরিবশিং অসি মাগী-মাগী মরমদা পোলিসি অমগী মখাদা হঞ্জিনহন্নবা অথুবা মতমদা হোৎনগদবনি। লোয়ননা ফ্রী মুভমেন্ট মণিপুরগী মফম খুদিংদা মণিপুর গভর্ণমেন্ট অমদি সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট অনিনা শিল্লগা অথুবদা ওইহনগদবনি হায়নসু ফোঙদোকখি হায়রি।

মণিপুর কায়বগী ফিভম লাক্লবদি ফম...

*লমায় ১গী মখা...*মীফম অদুদা মহাক্লা মখা তানা হায়, মণিপুরদা হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসিগী ৱারোইশিন অমা পুরক্লবা মণিপুর লৈঙাক্লা লেপ্তুনা হোৎনদুনা খরমখৈ তঙদু লৈতারে হেক খল্লকপগা অমুক অমুক অকায়বা পীদুনা খঙহৌদনা ইরাং থোক্লকপা অসিমক খ্বাইদগী লাইবক থীবনি। চৈরক অসিদা বোদোলেন্দ টেরিটোরিয়েল কাউন্সিলগা মান্নবা মওংদা মণিপুরবু থুগায়রকপা য়াবগী ৱাফম ফোঙদোক্নরক্লিবা অসি মমাঙথক্তা লৈঙাক অসি শেল্লমদাইদা সেন্ট্রেল লিদরশিংনা মণিপুরগী বি জে পি মীহুৎশিং কৌরগা পীরকখিবা থাজবা অদু য়েংলুরবদি ওইথোক্লিংঙাই ওইদে। অদুবু করিগুম্বা হায়রিবা থৌওং অসি থবক্তা ওন্থোক্তুনা মণিপুরগী মপানগী ওইবা বাউন্দরি কায়দে হায়রগা মনুংদা লৈঙাক্কী নত্রগা অতৈ লমশিংদা থুগায়রকপগী মমি লাক্লবদি মহাক মশামক এ সি অসিগী এম এল এ ওইবগী ফম খুদক্তা থাদোক্লগা মীয়ামগী খোঙজং চঙশিনবদা শরুক য়াগনি। মণিপুরগীদমক্তা থৱায় থাবদা পামুবা লৈতে হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসিগী মতাংদা মহাক্লা হায়, মণিপুরগী ইরাং অসি কনাগুম্বা খরনা থোকহনগে য়াওনা থোকহনবা মানবা থৌওং কয়া উবা ফংই। হৌজিক মণিপুরগী মীয়ামদা লৈরিবা অকি তুজুং পুন্নমক অসিগী খুদোংচাবা লৌরগা তশেংনা ইরাং থোক্লবা শীনবা মীওইশিং থিদোকপা তঙাইফদে। করিগুম্বা মতমদা মশক খঙদবা মীওই অমনা মৈতৈগী নত্রগা নাগাগী নত্রগা মৈতৈ পাঙলগী অসুন্না ফুরুপ অমা হেক্তগী মীওই অমা কাপ্পুনা হাৎলগা ফুরুপ মশেল ওনশিন্নদুনা ইরাং থোকহনবা লেপ্লসি। ওইরক্লিবা ফিভম অসিদা মীয়ান্না ইমোসনদা চৎপগী মহুৎতা য়ারিবমখৈ ৱাখল খন্থমিন্নরগা ইরাং থোক্তনবা হোৎনমিন্নসি। খ্বাইদগী মরু ওইনা ইরাং থোকপা অসিদা মহৈশঙশিংদা মহৈ তল্লিবা মহৈরোইশিংগী তুংগী পুন্সি মাঙগদবা মওংদা স্কুল ছুটি থাদোকপা অসিনা মণিপুরগী তুংগী য়ুম্বী কয়া অমাঙবা ওইরে। অসুন্না লাইরিক নীংথিনা তমহৌদ্রবা মহৈরোইশিংনা ইন্দিয়াগী এদমিনিষ্ট্রেটিভ সার্ভিসশিংদা য়াওবা ঙম্বগী লম্বী উদে। লৈবাক অমা ঙাকপা, লৈবাক অমা কনবদা এদমিনিষ্ট্রেটিভ সার্ভিস অসিসু খ্বাইদগী অচৌবা থৌদাং লৌরিবনি। অসিগুম্বা সার্ভিস কয়াদা য়াওরক্কদবা মহৈরোইশিং বন্দ, ব্লোকেদনা মরম ওইরগা মহৈ তম্বা ফঙদনা লৈরি। পুন্নমক অসিগী য়েংলগা করিগুম্বা মতমদা বন্দ ব্লোকেদ তৌবদা অনা-লায়েং, ধর্ম্মগী থবকশিং কোমথোকপগুম মহৈশঙশিংসু কোমথোকপীয়ু। অদুগা মহৈশঙ কোমথোক্লে হায়না মহৈরোইশিংবু স্কুল কাহল্লগা ইরাং তৌই হায়দুনা মহৈরোইশিংবু খূৎলায় ওইনা শীজিন্নবগী থবকসু তৌবিগনু হায়না মহাক্লা মখা তাখি।

শিজ হোস্পিটালদা ইপক্কোন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৪ (এস এন এস)ঃ

ইনফেক্সন প্রিভেন্সন ৱিক ২০২৬কা মরী লৈননা অহানবা ইনফেক্সন প্রিভেন্সন এন্দ কন্ট্রোল কনফরেন্স (ইপক্কোন) ঙসি লাঙ্গোলদা লৈবা শিজ হোস্পিটালদা পাঙথোকখ্রে।

জেনরেসন ওফ ইনফেক্সন প্রিভেন্সনঃ পাস, প্রজেন্ট এন্দ প্রোট্রেক্টেদ’ হায়বা পাউজেলদা শিজ হোস্পিটালগী ইতোচ ব্লোক্তা লৈবা এ জে ওদিটোরিমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা হেল্থ সার্ভিসেসকী দাইরেক্টর ডা. এন হেমন্তকুমারনা হায়, মেদিকেল টেক্নোলোজিগী লমদা ফনা খুৎমাং চাওশিল্লবসু খুৎ-শা লু নান্না থম্নাগী হৈনবী লৈত্রবদি লায়না তীন্না কয়া পোকহল্লকপা য়াইবগী ওইথোকপা লৈ হায়খি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, হেল্থৱার্করশিংনা হায়জিন অমদি সেনিটাইজেসনগী মতাংদা মীয়ামদা মমুৎ তানা খঙহন্দুনা লায়না তিন্না কয়াদগী ঙাকথোকমিননবা হোৎনমিন্নসি। ডোক্তরশিংগী প্রিসক্রিপসন য়াওদনা মথৌ তাদবা এন্টিবাইওটিক চাশিনবনা এন্টিমাইক্রোবেল রেজিষ্টেন্স থোকহল্লি। মথৌ তাবা মীওইশিংদা খক এন্টিবাইওটিক শীজিন্নসি হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা শিজ হোস্পিটালগী চীফ এগজিক্যুটিব ওফিসার ডা. কে ঐচ বোনি, হোস্পিটাল অসিগী মেদিকেল সুপরিনটেন্দেন্ট প্রোফেসর ও গুনেশ্বর, কনফরেন্স অসিগী ওর্গনাইজিং চেয়রমেন প্রোফেসর কে ঐচ সুলিচানা অমদি হোস্পিটাল অসিগী মাইক্রোবাওলোজি দিপার্টমেন্টকী হেদ এসোসিয়েট প্রোফেসর ডা. ৱাই সিশ্বাবতীসু শরুক য়াখি।

কাদানা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৪(এস এন এস)ঃ

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী নহারুপ ময়াই লৈকাইদগী হৈস্নাম ওংবী ইন্দিরানা লৈখিদবদা কোলিয়েসন এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ অলকোহোল (কাদা)না থাম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

কাদাগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি এল ব্রোজেন অঙোমচানা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, কুমজা ২০১০-১২গী ওইনা কাদাগী এসিষ্টেন্ট এজুকেসন সেক্রেটরিগী থৌ পুরম্বী ইমা হৈস্নাম ওংবী ইন্দিরানা মশাগী অনাবা অমনা মরম ওইরগা মনুং মতম চানা লৈখিদবদা কাদানা থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোক্লি। ইমা অসিনা হিংলিঙৈ মতমদা নহারুপ ময়াই লৈকাই মৈরা পায়বী লুপকী প্রসিদেন্টগী থৌগাই মতম শাংনা পুদুনা ময়াই কাবা চিঞাক থিংবগী থবক থৌরমদা চোকথবা নাইদনা থৌদাং লৌরমখি। ইমা অসি থম্মোয় শেংবা, কথোকপগী গুন চেনবা, ইং তপ্পী অমদি মথৌনা মরিংজেল লৈবী মণিপুর মীয়ামগী য়াইফনবতা খনবা মীশক অমনি। অসিগুম্বা ইমা অমনা লৈখিদবা হায়বসিনা কাদাগী অচৌবা মাঙজবা অমদি মেনখৎপা ঙল্লরোইদবা অহোবা অমা ওইহৌরগনি। ইমানা হিংলিঙৈদা লৈবাক অসিগীদমক লৌরম্বা থৌদাং অদুমক নীংশিংদুনা লৈহৌরগনি। লৈখিদ্রবা ইমাগী ইমুং-মনুংদা থেংনহৌরিবা অৱাবদসু কাদানা শরুক য়ারি হায়না চেরোল অদুনা মখা তারক্লি।

মতেং পাংবিনবা অপিল তৌরক্লি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৪ (এস এন এস)ঃ

অসামগী মধুগ্রাম কছার বরাক বেল্লিদা নুপী লালগী মীতম অমা থীজ্জলগনি। মসিদা লমদম অসিগী মীয়ামনা অমনা অমসু মপুং ফানা শাবা ঙম্বা মতেং পাংবিনবা অপিল তৌরক্লি।

কেশামথোং নম্বুল মপালদা লৈবা অমকিলগী ওফিসতা নুপী লাল ষ্টেচু কনষ্ট্রক্সন কম্মিটি অসিগী তম্মী চীংমী, মচা লৈমা, ঈচল নুপী সমাজ, অমকিল অমদি য়ু পি এফনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা অমকিলগী প্রসিদেন্ট লৌরেম্বম ওংবী ঙানবীনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

ঙানবীনা মখা তানা হায়, নুপী লালগী মীতম অসিবু করি মরমখীবগীদমক ফম খুদিংদা থন্নীনবা অমসুং মরু ওইবা ৱাখল্লোলদি মণিপুরদা অৱা লালদনা চহী তরেৎ খুত্থাকথিবা মতম অদুদা লমদম অসিদগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদগী থৌখিবা ইচিল-ইনাওশিং ঐখোয়গী মরী তৎতনবা ৱাখল্লোলদা হৌখিবশিংবু মতম পূম্বদা নীংশিংনবনি। অসামগী মধুগ্রাম কছার বরাক ভেল্লি অসিদা হৌখিবা ওগষ্ট ২১দা সেকমাই এ সিগী এম এল এ হৈখাম দিঙ্গোনা ওল অসাম মণিপুরী মৈরা পাসবী ওফিস অসিগী মমাঙদা উরেপ উয়ুং তমখিবা লৈখ্রবনি।

‘লৈখিদ্রবা রাকেসকী জষ্টিস ফঙহল্লু’

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৪(এস এন এস)ঃ

খাঙবোক অমদি সঙ্গাইয়ুম্ফমগগী মরক্তা থোকখিবা থোকহন্নিংদবা থৌদোক অমদা লৈখিদ্রবা খাঙবোক্তগী লাইশ্রম রাকেসকী জষ্টিস ফংহল্লু হায়বা য়াওনা খাঙবোক অমদি সঙ্গাইয়ুম্ফমগী ওইরিবা ফিভম লৈঙাক্লা য়েংশিনবিয়ু হায়দুনা য়ুনাইটেদ মৈতৈ পাঙল কম্মীটি (য়ু এম পি সি)না ঙসি গভর্ণরদা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে।

গভর্ণরদা মেমোরেন্দম পীশিলবা মতুং পাউমীশিংদা পাউদম্লদুনা য়ু এম পি সিগী জেনরেল সেক্রেটরী রাইস অহামদ তম্পাক্না হায়, হৌখিবা ওক্টোবর ১৮গী নুংদাংদা থোকখিবা লাইবক থিবা থৌদোক অমদা লৈখিদ্রবা খাঙবোক্তগী লাইশ্রম রাকেসগী অচুম্বা ৱায়েল ফংহনবিয়ু। থৌদোক অসিদা খাঙবোক অমদি সঙ্গাইয়ুম্ফমগী ওইখিবা ফিভমগী মতাংদা লৈঙাক্না য়েংশিনবিয়ু। থৌদোক অসিগী মতাংদা মখা তানা পামদবা থৌদোক থোক্তনবা জে এ সি য়াওনা দিষ্ট্রিক্টকী এস পি, সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংগা তান্নদুনা ওইরিবা অসিগী মতাংদা সোলুসন অমা পুরক্লবা হোৎন্দুনা লাকই।

মসিগী মরকসিদা য়াম্না লাইবক থিবা অমনা থোকখ্রিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা মানবা মওংদা মৈতৈ পাঙল নহাশিং ফূবা য়াওরকপা, নোংমৈ রাউন্দ কয়া কাপশিলম্বগী থৌদোক য়াওরকপা অসিনা খাঙবোক অমদি সঙ্গাইয়ুম্ফমগগী মরকতা থোকখিবা অদু তোঙানবা নেরেটিভ অমদা চৎখিনবা মচাক অমা ওইরকদ্রা হায়বগী মীপায়বা লৈ। মরম অসিনা লৈঙাক্কী মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা অসিগুম্বা থৌওংশিং অসিগী মতাংদা য়েংশিংবিয়ু হায়খি।

ইহৌ হৌদুনা সূ লৌথোকহনশি...

লমায় ১গী মখা... (সূ) এগ্রিমেন্ট অদুননি। লৈখিদ্রবা ইচাশিং কুকি মিলিটেন্টগী নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবা পূন্না ৩৯৭ শুরে। অন-নেচরেল দেথনা ৩৪ অদুগা সুসাইদ কেসনা ৯ শুখ্রে। হৌজিক হৌজিকসু আই দি পি লিশিং ৩০ হেন্না মশা মশাগী ময়ূমদা চঙবা ঙমদনা লৈরি। লোয়ননা মাঙখিবা মীগী মশিংনা ৫০ / ৬০ রোম লৈরি। অৱাবগী চৈথেং হায়নিংঙাই লৈতনা খাঙদুনা ঙসিসু লৈরিবা অসিদগী কোক্লবা হোৎনমিন্নসি হায়রি।

ফেদরেসন ওফ হাওমিনা...

লমায় ১গী মখা... যদুমনিনা হায়, মীয়াম পূন্না খোল্লাও লাওখ্রবা মতুং সোসিয়েল মেদিয়াদা মীয়ান্না চঙশিনখিবা খোঙজং অদুগী মায়োক্তা ফত্তবা কম্মেন্ট পীদুনা চথখিবা ইহৌ অদুবু লৈবাক মীয়াম্বু লান্না উহন্নবা অমদি অরানবা ময়োনদা পুখিনবা হোৎনরকপা অসিমক থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতবা পোকই। লৈবাক মীয়ান্না থেংনরিবা মীহাৎ মীপুন অমদি নোংমা কাঙদনা মীশি মীনাগী থৌদোক কয়া থোক্লিবা অসিদা লৈঙাক অসিনা তাশিন উশিন্নদনা লৈবদগী মীৎ-নাকোং ওইনবা হায়দুনা লৈঙাক মপুশিংদা তাহন্নবা অৰেবা পাম্বৈ শীজিন্নদুনা খোঙজং অদু চঙশিনখিবনি। মসিদা কম্মেন্ট পীরকপা ইচিল ইনাওশিংনা ৱাখল তাদবা অমদি লৈবাক মচা তাদবা থৌওংশিং মখা তানা চথবিগনু। ঙরাং চঙশিনখিবা খোঙজং অদুনা লৈঙাক মপুশিংদা মীৎ-নাকোং ওইদুনা লৈবাক মীয়ামগী অপুনবা খোল্লাও অসি তাদুনা হান্নগুম ইং তপ্পা অমদি ফুরুপ মশেল নুংশি চান্নন লৈমিন্নবা অপূনবা খুন্নাই অমা ওইরসনু হায়খি।

টেরিটোরিএল ইন্টিগ্রিটি ...

*লমায় ১গী মখা...*শগোলশেল নুমীৎতা মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবা চীফ মিনিষ্টর্স সেক্রেটরিএটতা রাজ্য সভাগী এম পি প্রমোদ বোরো, রিটায়র্দ লেফটনেন্ট জেনরেল আর পি কালিতা অমদি রিটায়র্দ স্পেসিএল দাইরেক্টর ইন্টলিজেন্স ব্যুরো এ কে মিশ্রাগা চীফ মিনিষ্টর য়ুন্নাম খেমচান্দগা উনখিবা অদুদা শুপ্পগী ষ্টেট অসিদা পিছ এন্দ হারমোনি পুরক্লবা অমদি কম্যুনিটিশিংগী মরক্তা লৈরিবা মরি হেন্না ফগৎহন্নবগী মতাংদা ৱারি শান্নখি। ৱারি শান্নখিবা অদুদা লৈবাক মীয়ামগী অপাম্বগী মায়োক্তা লৈবা ৱাফম অমত্তা খন্নখিবা লৈতে।

মণিপুরদা টেরিটোরিএল কাউন্সিল ফোর্মেসন তৌবগী মতাংদা লান্না পাউ শন্দোরক্লিবা অসি য়ুম্ফম য়াওদবা শাশিন্নবা পাউনি। বি জে পিনা লুচিংবা সেন্টর অমদি মণিপুরগী লৈঙাক অসিনা তোঙান তোঙানবা থৌরম কয়াদা করিগুম্বা ফীভম অমত্তদা মণিপুরগী অপুনবগী শক্তম কায়হল্লোই, চপচানা অদুমক ঙাক্তুনা থমগনি ফোঙদোক্তুনসু লাকখিবনি হায়রি।

কুমজা ২০৩০ ফাওবদা য়ু এস দোলর বিলিয়ন ১০০ য়ৌনা ললোন ইতিক তৌবগী পান্দম মোদি অমসুং পুতিননা থল্লি

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ২৪ (এজেন্সি): প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং রশিয়াগী প্রসিদেন্ট ৱ্লাদিমির পুতিননা লৈঙাক্কী লৈরিবা মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিংদা ইন্দিয়া অমদি য়ু এসকী মরক্তা লৈরিবা বাইলেটরেল কোওপরেসনগী মরী অমুক্কা হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা পাউতাক পীবগা লোয়ননা লাক্লিবা ২০৩০ ফাওবদা লৈবাক অনীনা য়ু এস দোলর বিলিয়ন ১০০ য়ৌনা ললোন ইতিক তৌবগী পান্দম থল্লি হায়না ইন্দিয়াগী অম্বেসেদর বিনয় কুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

রশিয়াগী ন্যুজ এজেন্সি অমনা লৌবা অখন্নবা ইন্টরভিয়ু অমদা এম্বেসেদর বিনয় কুমারনা হায়, ন্যু দিল্লিদা হৌখিবা সেপ্টেম্বর ১২-১৩দা পাঙথোকখিবা ব্রিক্স সম্মিতকী খূদোংচাবা লৌদুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং প্রসিদেন্ট ৱ্লাদিমির পুতিনগী মরক্তা ইন্দিয়া অমসুং রশিয়াগী মরক্তা লৈরিবা বাইলেটরেল রিলেসনশিং অসি হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্দুনা তোঙান তোঙানবা সেক্টরদা মায় পাক্না ললোন ইতিক তৌদুনা লৈবাক অনীগী শেন্মীৎলোন হেনগৎহন্নবগী পান্দমদা কূপ্না ৱারী শানখি।

লৈবাক অনীগী লুচিংবা অনীনা মাগী মাগী লৈরিবা লৈঙাকশিংগী মরী লৈনবা মিনিষ্ট্রি অমসুং এজেন্সিশিংদা ত্রেদ অমসুং কম্মর্স য়াওনা তোঙান তোঙানবা সেক্টর কয়াদা হান্নদগী অমুক্কা হেন্না কোওপরেসন পীনদুনা থবক তৌনবা খঙহনখ্রে।

লাক্লিবা ২০৩০ ফাওবদা লৈবাক অনীগী মরক্তা লৈরিবা ললোন ইতিক্কী মরী অসি য়ু এস দোলর বিলিয়ন ১০০ য়ৌনা তৌনবা অমদি নাকল অনীগী মরক্তা য়ু এস দোলর বিলিয়ন ৫০ রোম ইনভেষ্টমেন্ট তৌনবগী পান্দমসু থল্লি হায়না ফোঙদোকখি।

শীন্মীশিংগী শেন্মীৎলোন হেনগৎহন্নবগী পান্দমদা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মরক্তগী পায়খৎলিবা তোঙান তোঙানবা থৌরাংশিংগী মতাংদা পল্লদুনা এম্বেসেদর বিনয় কুমারনা হায়, রশিয়াগী মথৌ তাবগী মতুং ইন্না ইন্দিয়াগী লৈরিবা মশীং য়াম্লবা স্কিল ৱার্কর কয়া রশিয়াদা থাদুনা থবক তৌহন্নবগী পান্দমসু ইন্দিয়া লৈঙাক্না থল্লি।

রশিয়াগী ওইনা মথৌ তাবা ফোরেন ৱার্করশিংগী চাদা ২৫দগী হৌরগা ৩০ ফাওবদি ইন্দিয়াগী লেবরশিংনা ওইগনি।

মালেমগী ওইনা খ্বায়দগী মীশিং য়াম্বা লৈবাক অমা ওইরিবা ইন্দিয়ানা মালেমদা খ্বায়দগী মশীং য়াম্বা স্কিল পার্সনেলশিং লৈবা লৈবাক অমা ওইনবসু ইন্দিয়া লৈঙাক্না লেপ্তুনা হোৎনরি।

ইন্দিয়াগী ওইনা খূৎ-শা হৈরবা শীন্মীশিংগী মশাগী চহী অসি চাং চত্তা ২৯ রোম ওইগনি। হায়রিবা শীন্মীশিং অসিনা ইন্দিয়াদা খ্বায়দগী মশীং য়াম্না তোঙান তোঙানবা হীরম কয়াদা থবক তৌদুনা লাক্লি।

দোমেষ্টিক মার্কেট অমসুং ইনি দয়াগী ৱাংমদা তোঙান তোঙানবা হীরমদা থবক ফংনবগী পান্দমদা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মায়কৈদগী অখন্নবা ত্রেনিং প্রোগ্রাম কয়া লেপ্তুনা পায়খৎলি। রশিয়াদা লৈরিবা ইন্দষ্ট্রিশিংগী মথৌ তাবা ৱার্করশিং মেনশিন্নবগীদমক ইন্দিয়াগী লৈরিবা ইন্সটিট্যুসনশিংনা অখন্নবা ত্রেনিং পীনবগীদমক থৌরাং পায়খৎপা হৌবদা নত্তনা ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা ইন্সটিট্যুসন কয়াগা খূৎশন্নদুনা রশিয়ানা ইন্দিয়াদা অনৌবা মতমগা চুনবা এদুকেসনেল ইন্সটিট্যুসনসু নৌনা হাংদোক্লবগী থৌরাং তৌদুনা লৈরি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

জন্তর মন্তরগী খোঙজংদা শোক্লবা খোঙজং লোইশিংগী ৱাকৎ সুপ্রিম কোর্টনা তাগদৌরি

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ২৪ (এজেন্সি): কোক্রোচ জনতা পার্টি (সি জে পি)না য়ুনিয়ন এদুকেসন মিনিষ্টরবু মফম লৌথোক্কদবনি হায়না দিমান্দ তৌরদুনা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মথক্তা ন্যু দিল্লিগী জন্তর মন্তরদা মশীং য়াম্লবা মহৈরোইশিংগা লোয়ননা চঙশিনখিবা খোঙজংদা শরুক য়াখিবা খোঙজং লোইশিংদা পুলিসনা চথখিবা ফু চৈবগী থৌদোক্তা শোক্লবা খোঙজং লোইশিংগী ৱাকৎ নুমিৎ নীনি চূপ্না সুপ্রিম কোর্টনা তাগদৌরি।

জন্তর মন্তরদা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মথক্তা চঙশিনখিবা খোঙজং অদুবু লাকশিন্নবগী মিংদা পুলিসনা ফু-চৈবগী থৌদোক অদুবু ইনক্কারী তৌনবা সুপ্রিম কোর্টনা হায় পাৱর ইনক্কারী কম্মিতি (ঐচ পি ই সি) অমা নৌনা শেমখ্রে।

জন্তর মন্তরদা চঙশিনখিবা খোঙজংলোইশিংদা পুলিসনা পেলেট গন কাপ্পুনা তানখায়খি অমসুং নুপী খোঙজংলোইশিংদা মীওৎ মীনৈ চথখি হায়না ৱাকৎলকখিবা ৱাফমশিং অদুগী মতাংদা চপ চাবা ইবিদেন্স কয়া রেকোর্দ তৌনবগীদমক সুপ্রিম কোর্টনা নৌনা শেমখিবা হায় পাৱর ইনক্কারী কম্মিটিনা লাক্লিবা থা অসিগী ২৯ অমসুং ৩০দা নুমিৎ নীনি চুপ্না শোক্লবা খোঙজংলোইশিংগী ৱারোলশিং তাগদৌরি।

খোঙজংলোই কয়াদা পুলিসনা হিংশা য়াওবা কা হেনবা থৌওং কয়া চথখি হায়না কোক্রোচ জনদা পার্টিগী মায়কৈদগী মরাল শীরকখিবা অদুবু অচুম চুমদা থিদোক্লবগীদমক সুপ্রিম কোর্টনা শেমখিবা অৱাংবা থাক্কী ইনক্কারী কম্মিটি অদু মীওই ৫না শাবা অখন্নবা কম্মিটি অমনি। কম্মিটি অদু রিটয়র্দ সুপ্রিম কোর্টকী জজ জষ্টিশ আর সুভাস রেদ্দিনা লুচিংগনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, নীট পেপর লীকওইবগী ৱাথোক্তা মরী লৈননা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর রিজাইন তৌগদবনি হায়না হৌখিবা জুলাই ২০দা কোক্রোজ জনতা পার্টিনা শীন্দুনা মশীং য়াম্লবা মহৈরোই কয়াগা জন্তর মন্তরদগী হৌরগা পার্লিয়ামেন্ট হাউস তন্না চঙশিনখিবা খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবা খোঙজংলোই কয়া দিল্লি পুলিসনা ফাজিন্দুনা দিটেন তৌদুনা থমখিবগী থৌদোকসু লৈখ্রবনি।

ললোন ইতিকতা অকায়বা পীদুনা ক্রোর কয়াগী শেনফম মাঙবা য়াই হায়দুনা ইন্দিয়া ব্লোককী রেল্লি য়েথোক্লবা হায়জরকখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ২৪ (এজেন্সি): লাক্লিবা নবেম্বর ১দা ন্যু দিল্লিগী রামলীলা মৈদানদা ইন্দিয়া ব্লোকনা শীন্দুনা রেল্লি অমা পাঙথোক্লবা শেম শারিবা অসি য়েথোক্লবা চেম্বর ওফ ত্রেদ এন্দ ইন্দষ্ট্রি (সি টি আই) গী মায়কৈদগী কোংগ্রেস পার্টিগী লীদর রাহুল গান্ধীদা অইবা চেরোল পীদুনা তকশিল্লকখ্রে।

রাহুল গান্ধীদা পীশিল্লকখিবা চেরোল অদুদা চেম্বর ওফ ত্রেদ এন্দ ইন্দষ্ট্রিজগী চেয়রমেন ব্রিজেস গোয়লনা হায়, ইন্দিয়া ব্লোকনা নবেম্বর ১দা চঙশিনগনি হায়রিবা রেল্লি অদুনা মরম ওইরগা ন্যু দিল্লিদা ললোন ইতিক তৌরিবশিংগী থবক থৌরমশিংদা চাউনা অকায়বা পীবা য়াবগী ওইথোকপা চাউনা লৈ। ধনতেরা অমসুং দিৱালিনচিংবা তোঙান তোঙানবা হরাও কুম্মৈ নকশিল্লকপগা ইরোয়ননা ললোন ইতিক্কী থবক নোংমা নোংমগী হেনগৎলক্লি। নবেম্বর ৬তা পাঙথোক্কদৌরিবা ধনতেরা, নবেম্বর ৯দা পাঙথোক্কদৌরিবা দিৱালি অমসুং নবেম্বর ১০দা পাঙথোক্কদৌরিবা ভাই দুসনচিংবা তোঙান তোঙানবা থৌরমশিং অসিনা মরম ওইরগা তোঙান তোঙানবা সেক্টর কয়াদা হৌজিক হৌজিক নোংমা নোংমগী ওইনা লুপা ক্রোর কয়াগী শেনফম ললোন ইতিক তৌরিবনি।

চৎলিবা থা অসিদা ন্যু দিল্লিদা মশীং য়াম্লবা মীয়াম্না তাঙ্কক কয়ারক্তা চঙশিনখিবা খোঙজংশিং অদুনা মরম ওইরগা হৌজিক ফাওবদা থা অসিগী ওইনা পুন্না লুপা ক্রোর ৩,০০০ রোম মাঙ তাকখ্রবনি। ন্যু দিল্লিদা তত্তনা খোঙজং চঙশিনবনা মরম ওইরগা চখোক চৎশিন তৌবদা অকায়বা পীদুনা হোলসেল মার্কেটতগী রিটেল আউটলেটতা মথৌ তাবা পোৎলমশিং ত্রান্সপোর্ট তৌবদা য়াম্না চাউনা অকায়বা পীদুনা লাক্লি।

রামলীলা মৈদানগী অকোয়বদা কিলোমিটর ৫গী রেদিয়সতা লৈরিবা মফমশিংদা চান্দনি চোক, সদ্দর বজ ারনচিংবা মমিং লৈরবা কৈথেল কয়া লৈরি। কৈথেলশিং অসিদা মশক নাইরবা হোলসেল অমসুং রিটেল আউটলেট কয়া লৈরিবনি।

খোঙজং থিংনবগী সেক্যুরিটি ফোর্সনা বেরিকেট খাবগী থৌওং অসিনা মরম ওইরগা তোঙন তোঙানবা ষ্টেটশিংদা পোৎ-চৈ পুথোক পুশিন তৌবদা অকায়বা কয়া পী। মরম অদুনা তঙাই ফদবা হরাও কুম্মৈগী য়েংলগা ইন্দিয়া ব্লোক্কী রেল্লি অসি য়েথোক্লবা রাহুল গান্ধীদা আপিল তৌরককখিবনি।

ষ্টেট ৬কী চীফ সেক্রেটরীশিংদা এক্সন লৌখৎনবা কোংগ্রেস পার্টিনা লোক সভাগী স্পিকর বীরলাদা চে ইদুনা তকশিনখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ২৪ (এজেন্সি): কোংগ্রেস পার্টিগী সেনিয়র লীদর ওইবদা নত্তনা পব্লিক একাউন্ট কম্মিটি (পি এ সি) গী চেয়রপার্সনসু ওইরিবা কে সি ভেনুগোপালনা কর্ণতকা য়াওনা তোঙান তোঙানবা ষ্টেট ৬কী চীফ সেক্রেটরীশিংগী মথক্তা এক্সন লৌখৎনবা লোক সভাগী স্পিকর ওম বীরলাদা চে ইদুনা তকশিনখ্রে।

লৈবাক অসিদা লৈরিবা সেদ্যুল কাষ্ট মহৈরোইশিংদা লৈঙাক্না পীরিবা স্কোলারসিপ স্কিমশিংগী মতাংদা থোক্লিবা তোঙান তোঙানবা থৌদোক ৱাথোকশিংগী মতাংদা মরিক চুম্বা পাউদম তন্নবা খঙহল্লবসু হায়রিবা চীফ সেক্রেটরীশিং অদু লাক্তবদগী মখোয়গী মথক্তা লোক সভাগী স্পিকর ওম বীরলানা মথৌ তাবা এক্সন লৌখৎনবা কোংগ্রেস পার্টিগী সেনিয়র লীদর কে সি ভেনুগোপালনা চে ইদুনা তকশিনখিবনি হায়রি।

হৌখিবা থা অসিগী ২২দা স্পিকর ওম বীরলাদা চে ইদুনা এক্সন লৌখৎনবা খঙহনখ্রবা চীফ সেক্রেটরীশিং অদুদি উত্তর প্রদেশ, কর্ণতকা, পঞ্জাব, ওরিষ্য, বিহার অমসুং মধ্য প্রদেশকী চীফ সেক্রেটরীশিংনি।

কে সি ভেনুগোপালনা উত্তর প্রদেশ, বিহার অমসুং ওরিষ্যগী লৈরিবা সোসিয়েল ৱেলফিয়র দিপার্টমেন্টশিংগী সেক্রেটরীশিংসু লাক্লবা খঙহল্লবসু লাক্তবগী মখোয়গী মথক্তা এক্সন লৌখৎনবা স্পিকর ওম বীরলাদা তকশিনখি হায়রি।

পনবা য়াবদি কে সি ভেনুগোপালনা চেয়রপার্সন ওইরিবা পব্লিক একাউন্ট কম্মিটি (পি এ সি) গী মায়কৈদগী কন্ত্রোলর এন্দ ওদিটর জেনরেলনা হৌখিবা চহী ২০২৫তা ফোঙখিবা রিপোর্ট অদুদা য়ুম্ফম ওইরগা সেদ্যুল কাষ্ট মহৈরোইশিংদা প্রি মেত্রিক অমসুং পোষ্ট মেত্রিক স্কোলারসিপ স্কিম ইমপ্লিমেন্ট তৌনবা ঙসি ফাওবা য়েংশিন দুনা লাকখিবনি।

কে সি ভেনুগোপালনা কম্মিটি অসিগী লৈরিবা মেম্বরশিংনা অমত্তা ওইনা য়ানদুনা লাক্লবা খঙহল্লবসু লাক্তবগীদমক চীফ সেক্রেটরীশিং অদুগী মথক্তা পার্লিয়ামেন্টকী লৈরিবা প্রিভিলেজ শোকহল্লি হায়বগী মরালদা মথৌ তাবা এক্সন লৌখৎনবা স্পিকর ওম বীরলাদা অইবা চেরোল পীশিন্দুনা তকশিনখিবনি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

পনবা য়াবদি, হৌখিবা সেপ্টেম্বর থাদা পব্লিক একাউন্ট কম্মিটি অসিনা জয়পুরদা চত্তুনা য়েংশিনবদা নেসনেল স্কোলরসিপ পোর্টেল অমসুং স্কোলারসিপকী শেনফম পীথোক্তনা লৈরম্বগী রিপোর্ট কয়া থেংনবদগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংগী চীফ সেক্রেটরীশিং লাক্লবা কম্মিটি অসিনা সমোন তৌখি হায়রি।

Crossword # 1177



Across
1. Roast host
6. Commotion
10. Entranced
14. Bring about
15. Lingerie edging
16. She, in Madrid
17. Slept through winter
19. Pinnacle
20. Spanish cheer
21. Open to view
22. Pimples
23. Passover dinner
25. Out of bed
27. Spaghetti and ziti
30. Was a copycat
31. Movie award
32. Carved gem
34. Tavern
37. Oyster's treasure
38. "The Greatest"
39. Actress Della ____
41. Cup handle
42. Loafed
44. Palm fruits
45. Coral ridge
46. Sahara, e.g.
47. Photographer's need
50. Dote on
52. Sorrowful word
53. More parched
55. Pound sound
58. Be bold
59. USPS manager
62. Send out
63. Skilled
64. Call up
65. Little piggies
66. Poetic contraction
67. Plant again

Down
1. Canyon feedback
2. Send a letter
3. Ice unit
4. Compass point (abbr.)
5. Always, in poems
6. Work hard
7. Starchy veggie (sl.)
8. Bakery worker
9. Bureaucratic delay (2 wds.)
10. Gave back
11. Guinness and Baldwin
12. Hangar occupant
13. Captured
18. Indicates assent
23. "A ____ Is Born"
24. Sooner
26. Use the supplier again
27. Catholic leader
28. On a voyage
29. Injury mark
30. In the center of
32. Young cow
33. Beerlike brew
34. ____ Sampras of tennis
35. Operator
36. Most excellent
40. Comfort
43. Without expression
45. Adjusts again
46. College residence
47. West Point student
48. San Antonio shrine
49. Singer ____ Osmond
50. Bride's walkway
51. Prevent
54. Choir gown
55. Above
56. Nevada city
57. Brood
60. Spring mo.
61. Pronoun

পাউখুম লমায় ৭ তা ...

দিমোক্রেসিবু লোয়শিন্নবা থৌরাং তৌরিবশিংনা বি জে পিদা লেকচর পীবগী থবক চত্থরিঃনিতিন

রাঞ্চি, ওক্টোবর ২৪ (এজেন্সি): ইন্দিয়াগী লৈরিবা কন্সটিট্যুসন অসিবু নমথদুনা থল্লগা মশাগী অপাম্বগী মতুং ইন্না তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদা ইমরজেন্সি লাউথোক্তুনা প্রসিদেন্টস রুল থমখিবা লৈবাক অসিগী কন্সটিট্যুসনবু লোয়শিন্নবা কোংগ্রেসনা বি জে পিদা লেকচর পীবগী থৌওং চত্থদুনা লৈরে হায়না বি জে পিগী নেসনেল প্রসিদেন্ট নিতিন নবিননা কোংগ্রেস পার্টিদা মরাল শীখ্রে।

ঝরখান্দগী বি জে পিগী প্রসিদেন্ট এগজিক্যুটিভ কম্মিটিগী মীফমদা শরুক য়ারদুনা নিতিন নবিননা পার্টি অসিগী লীদর অমদি ৱার্করশিংদা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

নিতিন নবিননা মখা তারদুনা হায়, লৈবাক মীয়ামগী লৈরিবা ভোটিং রাইট অসিবু কন্ননবগীদমক রাহুল গান্ধীনা খোঙজং চঙশিনবা নত্তে। লৈবাক অসিগী ঙমখৈ আইন কায়না চঙশিল্লক্লিবা ইনফিলত্রেটরশিংনা নিয়ম লান্না পায়রিবা ভোটিং রাইট অদু কন্নবগীদমক রাহুল গান্ধীনা খোঙজং চঙশিনবনি। লৈবাক মীয়াম্না অমত্তা ওইনা কোংগ্রেস পার্টিগী মায়োক্তা লেপ্পুনা লৈবাক অসিবু কন্নবা হোৎনবা মথৌ তাই হায়না ফোঙদোকখি।

অন্ধ্র প্রদেশঃ গাড়ী থাও হানবদা থোকপা মৈ চাকপগী থৌদোক্তা মীওই ৫ লৈখিদ্রে

অম্রাবতি, ওক্টোবর ২৪ (এজেন্সি): অন্ধ্র প্রদেশকী আলুরি সিটারমারাজু দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা শেমগৎ শাগৎপগী থবক পায়খৎলিবা লন্বী অমগী মতাইদা খামদুনা থাও হান্নবা হোৎনরিঙৈ খঙহৌদনা থোক্লকখিবা মৈ চাকপগী থৌদোক্তা পুন্না মীওই ৫ লৈখিদ্রে।

থৌদোক অসিগী মতাংদা অন্ধ্র প্রদেশকী সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস অমিত বরদারনা হায়, থৌদোক অদু অনন্তগীরি মন্দলগী পীনাকোটা খুঙ্গং দা থোকখিবনি। লন্বী শেম শাবগী থবক তৌরিবা ৱার্করশিংনা দিজল থন্না য়াওবা দ্রম অমদগী গাড়ী অমদা থাও হাপ্পবা হোৎনরিঙৈ চৈরক্তা মৈ চাকপগী থৌদোক অদু থোকখিবনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

লৈবাক অসিগী মমিং লৈরবা ন্যুজ এজেন্সি অমনা থাদোরকপা ভিদিও অমদা মৈ চাকপগী থৌদোক অদু অকনবা মখোলগা লোয়ননা পোকখায়বগা লোয়ননা মীওই কয়াগী হকচাং কয়া মচেৎ মচেৎ তানা ৱাংনা পাইখৎতুনা লৈমায়দা তাবগী মমি কয়াসু উরি।

মীওই অমগী থৱায় য়াওদ্রবা অশিবা হকচাং অমনা থৌদোক অদুদা মৈ চাক্লবা গাড়ী অদুগী মনুংদা য়াওরম্বা থেংনখি। অদুগা মীওই ২না মনাক নকপা মফমশিংদা তাদুনা লৈরম্বা থেংনখি হায়রি।

SL/KK/10 to 25

সেন্টরঃক্রোর ৬৪৭ রোমগী দিজিটেল ফ্রোদ লৈবাক অসিদা থেংনখি

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ২৪ (এজেন্সি): ইন্দিয়ান সাইবর ক্রাইম কোওর্দিনেসন সেন্টর (১৪ সি) অমসুং মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়ার্সকী মায়কৈদগী সুপ্রিম কোর্টতা পীশিনখিবা রিপোর্ট অমদা চৎলিবা চহী অসিগী জানুৱারী ১দগী হৌরগা ওগষ্ট ৩১ ফাওবদা লৈবাক অসিদা দিজিটেল ফ্রোদ চথদুনা চাউরাক্না ক্রোর ৬৪৭ রোমগী ওইগদবা শেনফম মীয়ামদগী খোমগৎখিবগী মতাংদা কমপ্লেন ২১,৯০০ হেন্না লাকখি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

সুপ্রিম কোর্টতা পীশিনখিবা রিপোর্ট অদুগী মতুং ইন্না হৌখিবা চহী ২০২৪দা লুপা ক্রোর ১,৯৩৫ রোমগী ওইগদবা কমপ্লেন ১,২৩,৬৭২ লাকখি। ২০২৫দা চাউরাক্না লুপা ক্রোর ১,২১১রোমগী ওইগদবা পুন্না কমপ্লেন ৫৮,২৩৯ লাকখি হায়রি।

পনবা য়াবদি, চৎলিবা চহী অসিগী ওগষ্ট ৪দা সুপ্রিম কোর্টনা ষ্টেট সাইবর ক্রাইম কোওর্দিনেসন সেন্টর নৌনা হাংদুনা সাইবর ফ্রোদকা মরী লৈননা মরাল লৈবা মীওইশিংগী মথক্তা মথৌ তাবা এক্সন লৌখৎনবা খঙহনখিবসু লৈখ্রবনি।

অয়েকপা লাই অসিদা খেন্নবা তরুক য়াওরি, খেন্নবশিং অদু পুথোকউ

ꯑꯌꯦꯛꯄꯥ ꯂꯥꯏ ꯑꯁꯤꯗꯥ ꯈꯦꯟꯅꯕꯥ ꯇꯔꯨꯛ ꯌꯥꯎꯔꯤ, ꯈꯦꯟꯅꯕꯁꯤꯡ ꯑꯗꯨ ꯄꯨꯊꯣꯛꯎ

খেন্নবশিং অসিগী পাউখুম পেজ ৭দা
ꯈꯦꯟꯅꯕꯁꯤꯡ ꯑꯁꯤꯒꯤ ꯄꯥꯎꯈꯨꯝ ꯄꯦꯖ ꯷ ꯗꯥ

ঙসিগী পাখোংগী পাউখুম

১০২৩। য়েরুম।
১০২৪। নুমিৎ অখিবা, থা থোরকপা।
১০২৫। মোমবর্তি চাকপা।
১০২৬। নুমিৎ-থা।
১০২৭। য়োৎশবী।

সনা-সুদোকু-১১১৮ সোল্যুসন

7	3	8	4	2	9	5	1	6
9	6	5	3	8	1	7	2	4
4	1	2	5	7	6	9	8	3
8	7	9	6	4	2	1	3	5
1	5	4	9	3	8	2	6	7
3	2	6	1	5	7	8	4	9
2	9	7	8	6	3	4	5	1
6	4	1	2	9	5	3	7	8
5	8	3	7	1	4	6	9	2

ইরানগী মথক্তা নৌনা এটেক্ট তৌরগনি হায়না য়ু এসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা ৱার্নিং তৌখ্রে

ৱাশিংটন, ওক্টোবর ২৪ (এজেন্সি):

য়ু এসনা থল্লিবা কন্দিসনশিংগী মখাদা অয়াবা পীদনা ইরানগী মায়কৈদগী য়ু এসকা য়ান–চেরোল খূৎয়েক পীনদ্রবদি ইরানগী মথক্তা মখা তানা নৌনা এটেক্ট চথরবা য়াই হায়না য়ু এসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা ৱার্নিং তৌখ্রে।

ফ্লোরিদাদা পাঙথোকপা ইলেক্সনগী কেম্পেন রেল্লি অমদা ৱা ঙাংলদুনা প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা হায়, ইরানগী মথক্তা য়ু এস মিলিটরিনা হান্নদগী হেন্না কনবা মিলিটরি ওপরেসন চথবা য়াবগী ওইথোকপা চাউনা লৈ। য়ু এসকী মায়কৈদগী ইরানগী মথক্তা থল্লিবা তোঙান তোঙানবা কন্দিসনশিং অসিগী মখাদা ইরানগী মায়কৈদগী য়ান–চেরোল খূৎয়েক পীনগনি হায়বগী ওইথোকপা চাউনা লৈ। ইরান্না ৱাখল খন্থবা ঙম্বা, অশিংবা লৈবাক অমা ওইরবদি শুংশোয় শোয়দনা য়ু এসনা থল্লিবা কন্দিসনশিং অসিদা ইরান্না য়ু এসকা য়ান–চেরোল খূৎয়েক পীনগনি। মদুগী মহুৎ য়ু এসকী অপাম্বগী মায়োক্তা লৈদুনা ইরান্না য়ু এসকী মথক্তা লান কায়হৌদুনা মখা তানা হৌজিক লৈরিবা অসিগুম্না লৈবা তারবদি অথুবা মতমদা ইরানগী মথক্তা য়ু এসনা মিলিটরি এক্সন চথরগনি হায়না ফোঙদোকখি।

নাকল অমরোমদা, য়ু এসগী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা হেন্না কনবা এক্সন লৌখৎলকপা য়াবগী ওইথোকপা চাউনা লৈরি হায়না ফোঙদোকখিবা ৱাফম অসিবু য়ানিংদবা ফোঙদোল্লদুনা ইরানগী মায়কৈদগী য়ু এসকী মিলিটরিগী ওইবা নাকল অনীগী মরক্তা লান শোক্লরিবা অসিদগী হেন্দাক্তুনা তোঙান তোঙানবা সেক্টরদসু নৌনা মুক্লবা থোক্তুনা ইরান অমদি য়ু এসকী মরক্তা লৈরিবা কনফ্লিক্ট অসি অমুক্কা হেন্না পাকথোক চাউথোরকপা য়াই হায়না ফোঙদোরক্লি।

ইরানগী মকোক থোংবা ওফিসিয়েল অমনা মালেমগী মমিং লৈরবা ন্যুজ এজেন্সি অমদা হায়, য়ু এসকী মায়কৈদগী ইরানগী মথক্তা করিগুম্বা নৌনা এটেক্ট চথরক্লবদি ইরানগী মায়কৈদগী কম্যুনিকেসনগীদমক সমুদ্রগী ইরোলনুংদা ফাওদুনা তিংলিবা কম্যুনিকেসন কেবল ফাওবা ককথৎনবা থৌরাং তৌদুনা লৈ। মরম অদুনা য়ু এসনা মৈ পায়দুনা শান্নবগী থৌওং অসি মখা তানা শান্নদুনা লৈরবদি য়ু এস তুন্না মৈনা চাক্কনি হায়নসু য়ু এসগী মথক্তা ইরাননা অকনবা ৱাফম ফোঙদোরক্লি।

পনবা য়াবদি, চৎলিবা চহী অসিগী হৌখিবা ফেব্রুৱারি ২৮দগী হৌদুনা য়ু এসনা ‘ওপরেসন ইপিক ফুরি’ হায়না মিংথোন্দুনা ইরানগী মথক্তা মিলিটরি ওপরেসন চথুদুনা লাক্লি। য়ু এসনা চথুখিবা মিলিটরি কেম্পেন অসিদা ইরানগী সুপ্রিম লীদর অয়াতোলাহ অলি খামৈনিসু মহাক্কী ইমুং মনুংগী মীওইশিংগা লোয়ননা শোকপনা মরম ওইরগা লৈখিদ্রবনি। মসিদা নত্তনা য়ু এসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা ওপরেসন মীটনাইট হাম্মর হায়না মিংথোনবা মিলিটরি ওপরেসন ইরানগী মথক্তা চথুদুনা ইরানগী ন্যুক্লিয়ার কেপাসিটিশিং তুন্না মাঙহন তাকহনখ্রে হায়না ক্লেম তৌরকখিবসু লৈখ্রে।

নীংশিংবা য়াবদি য়ু এস অমদি ইরানগী মরক্তা শোক্লরিবা লান অসিনা মরম ওইরগা মরুওইনা পেট্রোলিয়ম প্রদক্টশিংগী মমল মালেমগী কৈথেলদা ৱাং খৎলক্তুনা মালেমগী শেন্মীৎলোনদা ঙসি ফাওবা চাউনা চৈথেং পীদুনা লাক্লিবনি।

য়ু এস অমসুং ইরানগী মরক্তা থোক্লিবা কনফ্লিক্ট অসিবু ৱারী য়াশিন্নবা পুরক্লবগীদমক পাকিস্তান্না য়ূম্বু ওইদুনা য়ু এস অমসুং ইরানগী মকোকথোংবা ওফিসিয়েলশিংগী মরক্তা ৱারী শানখিবা অদু ঙসি ফাওবা মায় পাকপা ঙমদনা লাক্লি হায়নসু রিপোর্ট অসিনা মখা তারক্লি।

ফিলিপাইন্সঃ নোংথক্তা পাইদুনা ত্রেনিং তৌরিঙৈ এয়রফোর্স প্লেন ২ থেঙ্গায়নবদা পাইলোট ৪ লৈখিদ্রে

মনিলা, ওক্টোবর ২৪ (এজেন্সি):

নোংথক্তা পাইদুনা ফিলিপাইন্সকী এয়রফোর্স প্লেন অনী ত্রেনিং তৌরিঙৈ খঙহৌদনা থেঙ্গায়নবদগী থৌদোক্তা পাইলোট ৪ লৈখিদ্রে হায়না লৈবাক অসিগী মরী লৈনবা ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

ফিলিপাইন্সকী ওফিসিয়েলশিংগী মতুং ইন্না লৈবাক অদুগী লৈরিবা এয়রফোর্সকী এস এফ–২৬০ হৌখিবা ইরাই নুমিৎকী নুংথিলদা লো অল্টিচুদতা পাইদুনা ত্রেনিং তৌরিঙৈ লিপা সিটিগী ফরনান্দো এয়রবেজগী নোংথক্কী লম্বীদা এয়রফোর্স প্লেন অনী অদু থেঙ্গায়নবগী থৌদোক্তা প্লেন অনী অদুদা তোংবা পাইলোট ৪ অদু লৈখিদবনি। নোংথক্তা থেঙ্গায়নদুনা অকায় অতোয় নংলবা প্লেন অনী অদু লৈমায়দা তারকপা মতমদা অতোপ্পা মীওই অমত্তদা অশোক অপন অমত্তা নংখিদে হায়না ফোঙদোরক্লি।

নাকল অমরোমদা, নোংথক্তা পাইদুনা ত্রেনিং চথরিঙৈ থেঙ্গায়নদুনা এয়রফোর্স প্লেন অনী কায়দুনা পাইলোট ৪ লৈখিদবগী থৌদোক অসিগী মতাংদা মরী লৈনবা ওথোরিটিগী মায়কৈদগী হৌজিক ফাওবগী ওইনা অহেনবগী পাউ অমত্তা ওফিসিয়েল ওইনা খঙহনবা লৈত্রি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা হকথেংননা উহৌবা মীওইশিংগী মতুং ইন্না প্লেন কায়বগী থৌদোক অদুদা অকায় অতোয় নংখ্রবা প্লেন অমদি ফরনান্দো এয়রবেজগী মিলিটরি পার্সনেলশিংনা লৈরিবা বেরেক্কী ময়া নক্লা তাশিনবা উখি হায়না ন্যুজ এজেন্সি অমদা ফোঙদোরক্লি।

নাকল অমরোমদা, প্লেন অনী নোংথক্তা ত্রেনিং চথরিঙৈ থেঙ্গায়নদুনা পাইলোট ৪ লৈখিদবগী থৌদোক থোক্লুবা মতুং ফিলিপাইন্সকী এয়রফোর্সকী মায়কৈদগী লেমহৌরিবা প্লেন এস এফ– ২৬০শিং মতম খরগী ওইনা মথৌ লেপ্পবা খঙহনখ্রে। এস এফ–২৬০ অসি ফিলিপাইন্সকী এয়রফোর্সনা ইটলিদগী এক্যুয়র তৌখিবনি। থৌদোক অসিগী মতাংদা লৈবাক অসিগী এয়রফোর্সনা ইনভেস্টিগেসন চথুবা হৌখ্রে। অদুবু হৌজিক ফাওবগী ওইনা মরী লৈনবা ওথোরিটিগী মায়কৈদগী ইটলিদগী প্লেন এস এফ–২৬০ মশীং কয়া এক্যুয়র তৌখিবগে হায়বা অদুদি খঙহন্দনা লৈরি।

পনবা য়াবদি, এস এফ–২৬০ অসি কায়বগী থৌদোক ফিলিপাইন্সতা তাক্কক কয়ারক্তা থোকখিবা লৈখ্রে।

চহী অসিগী হৌখিবা মে থাদা বেঙ্গেটকী অৱাংথংবা মাউন্টেন প্রোভিন্সতা এস এফ–২৬০ অমসু কায়দুনা পাইলোট ২ লৈখিদবগী থৌদোক থোকখিবা লৈখ্রে।

কুমজা ২০২৩দা মনিলাগী মনুং চনবা বটার প্রোভিন্সতা নোংথক্তা পাইদুনা ত্রেনিং চথরিঙৈ এস এফ– ২৬০ প্লেন অমসু লৌবুক অমদা তাশিন দুনা কায়বগী থৌদোক্তা এয়রফোর্সকী ক্রু মেম্বর ২সু লৈখিদ্রে হায়রি।

হৌখিবা ইরাই নুমিত্তা থোকখিবা খ্বায়দগী নৌবা এস এফ–২৬০ প্লেন নোংথক্তা থেঙ্গায়নদুনা কায়বগী থৌদোক অসিনা মরম ওইরগা মথো তাবা ফন্দিং ফংদনা লৈরিবা ফিলিপাইন্স মিলিটরিদা য়াম্না চাউবা চৈথেং অমা নৌনা পীখ্রে। মতম কয়াগী মমাঙদগী লৈবাক অসিগী লৈরিবা এয়রফোর্স, নেভি অমসুং আর্মিগী মপাঙ্গল অসি কনখৎহন্নবা হোৎনদুনা লাকখি। অদুবু মথৌ তাবা ফাইনান্সিয়েলগী ওইবা খূদোংচাদবা কয়া লৈবনা মরম ওইরগা লৈবাক অসিগী মিলিটরিগী মপাঙ্গল কনখৎপা ঙমদনা লাক্লি।

মতম কয়াগী মমাঙদগী কম্যুনিষ্ট অমসুং মুস্লিম ইন্সরজেন্সিশিংবু মায় পাক্লা থেংননবা ফিলিপাইন্সকী মিলিটরিনা অৱাবা কয়া মায়োক্লদুনা লাকপগী মথক্তা চাইনাগী মায়কৈদগী পীরকপা মিলিটরিগী ওইবা শাফু কয়ানা মরম ওইরগা অমুক্কা হেন্না লৈবাক অসিগী মিলিটরি ঙসি ফাওবা অৱাবা খাঙদুনা লাক্লিবনি।

টিবেটঃয়ুহার হাবদা মীওই ১৬ লৈখিদ্রে, মীওই ৬৯ হেনবনা অশোক অপন নংখ্রে

বৈজিং, ওক্টোবর ২৪ (এজেন্সি):

হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎকী নুমিদাং পুং ১০.৩০ রোম তাবা মতমদা টিবেটকী নাকু সিটিগী বকেনদা মেগ্নিচুদ ৭.০ য়ৌনা হাখিবা অকনবা য়ুহার হাবগী থৌদোক অদুদা মীওই ১৬ লৈখিদ্রে, মীওই ৬৫ হেনবনা অশোক অপন নংখ্রে হায়না মরী লৈনবা ওথোরিটিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

টিবেট লৈঙাক্কী মায়কৈদগী হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎকী নুমিদাংদা থোকখিবা য়ুহার হাবগী থৌদোক অদুনা মরম ওইরগা অৱা অনা তারবা মীওই কয়া কনবগী থবক লেপ্তুনা পায়খৎলি হায়না খঙহল্লকপগা লোয়ননা অশোক অপন নংলবা মীওইশিং অদুগী মনুংদা মীওই ১১গী ফিভম নুংশা থিনিঙাই ওইবদগী মথৌ তাবা অনা লায়েং চথনবগীদমক মনাক নকপা হোস্পিটালদা পুখত্তুনা লায়েংবা হৌখ্রে হায়নসু খঙহল্লক্লি।

পনবা য়াবদি, য়ুহার হাবগী থৌদোক অদুদা য়ূম ৩৩০ হেন্না য়াম্না চাউনা অমাঙ অতা থোকখি। অমাঙ অতা অসিনা মরম ওইরগা মীওই ১২,০০০ হেনবনা শাফগদবা মফমশিংদা লাঞ্জেন্নখ্রে।

য়ুহার হাবনা মরম ওইরগা মথৌ লেপ্লুরবা কিংহাই–সিজাং রেলৱে সার্ভিস হৌখিবা ইরাই নুমিৎকী অয়ুক অঙনবদগী সার্ভিস নৌনা পীবা হৌখ্রে হায়রি।

জোরদানঃ মী লৈতবগী অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোক্লিঙৈ নোংমৈ কাপশিল্লকপগী থৌদোক্তা ৭ লৈখিদ্রে

জেরুসালেন, ওক্টোবর ২৪ (এজেন্সি):

জোরদানদা লৈবা চর্চ অমদা মী লৈতবগী অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোক্লিঙৈ খঙহৌদনা কাপশিল্লকপা নোংমৈ মরুনা পান্দুনা মীওই ৭ লৈখিদ্রে, মীওই ৪০ হেনবনা অশোক অপন নংখ্রে।

থৌদোক অদু অমানদগী কিলোমিটর ১৮০ রোম চৎলগা লৈবা কারাক্কী গ্রীক ওর্থোদোক্স চর্চ অমদা থোকখিবনি।

জোরদানদা বেজ তৌবা টেলিভিজন ন্যুজ চেনেল অমনা থাদোরকপা ভিদিও ফুটেজ অমদা পিষ্টল পায়বা মীওই অনীনা চর্চ অমদা মী লৈতবগী অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোক্লিঙৈ অতৎ অখম লৈতনা নোংমৈ কাপশিন্দুনা এটেক্ট চথবগী মমি কয়া উবা ফংলি। অসিদা নত্তনা অহুমশুবা মীওই অমনা সেমি ওটোমেটিক রাইফল পায়দুনা মখা তানা নোংমৈ কাপ্তুনা এটেক্ট চথরবা মতুং চর্চ তন্না চেনশিনখিবগী মমিশিংসু উবা ফংলি।

থৌদোক অদুবু হকথেংননা থেংনহৌবা মীওইশিংনা লৌবা ভিদিও ফুটেজ অমদা অকায়বা গ্লাস মচেৎ কয়া অমসুং লৈমায়দা ঈনা পুমঙাং ঙাংনা তাদুনা লৈবগী মমিশিংসু উবা ফংলি।

নাকল অমরোমদা থৌদোক অদুদা হকথেংননা উহৌবা মীওই অমনা ফোঙদোরকপদা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অদু মিনিট ১৫ রোম চথুখি হায়নসু রিপোর্ট তৌরক্লি।

ফ্রান্সঃ খোঙজং চঙশিনবদা অথিংবা থমখ্রে মমিং লৈরবা পেরিস ম্যুজিয়ম থোঙ লোনখ্রে

পেরিস, ওক্টোবর ২৪ (এজেন্সি):

ফ্রান্সকী পেরিসতা মশীং য়াম্লবা মীওই কয়ানা ঙসি লম্বী লমজাওদা থোক্তুনা লৈঙাক্কী মথক্তা য়ানিংদবগী খোঙজং চঙশিনখ্রবা মতুং লৈবাক অদুদা মখা তানা হিংশা য়াওবা থৌদোক ৱাথোক থোকহন্দনবা লো এন্দ ওর্দরগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা লৈবাক অসিগী মরী লৈনবা ওথোরিটিনা মার্সিয়েলি অমসুং লিওনদা মীয়াম্না খোঙজং চঙশিনবদা অথিংবা থম্বগী লোয়ননা মালেমদা মমিং লৈরবা পেরিসকী ম্যুজিয়মসু থোঙ লোনশিনখ্রে।

ফ্রান্সকী ন্যুজ এজেন্সি অমগী মতুং ইন্না হেলিকোপ্টর, আর্মর ভেহিকল অমসুং ৱাটর কেনন কয়া শীজিন্নদুনা পুলিস পার্সনেল ৭০,০০০ হেনবনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লো এন্দ ওর্দর ঙাকপগী থবক পায়খৎপা হৌখ্রে। মসিদা নত্তনা পেরিসকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পামদবা থৌদোক ৱাথোক থোক্তনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা অমা ওইনা লৈঙাক্লা কার্ফিয়ু থমদুনা মীয়াম্না চথোক চৎশিন তৌবদা অথিংবা থমখ্রে।

ফ্রান্সকী ইন্টরিয়র মিনিষ্টর লোরেননা মশীং য়াম্লবা সেক্যুরিটি পার্সনেল কয়া থমদুনা লো এন্দ ওর্দর ঙাকপগী থবক লৌখৎলগনি হায়না খঙহল্লকপগা লোয়ননা হিংশা য়াওনা চঙশিল্লকপা খোঙজংলোইশিংগী মথক্তা অকনবা এক্সন লৌখৎকনি হায়না চেকশিনৱা থল্লক্লি।

নাকল অমরোমদা, লৈবাক অসিদা ওইরক্লিবা ফিভম অসিগী মতাংদা প্রসিদেন্ট ইমানুয়েল মেক্রোননা চেয়র লৌদুনা মহাক্কী দিফেন্স ওফ কাউন্সিলশিংগা মীফম পাঙথোক্তুনা খন্নখ্রে। অসিদা নত্তনা লাক্কদৌরিবা নুমিৎ খরনি অসিদা প্রসিদেন্ট ইমানুয়েলনা সেক্যুরিটিগী মকোকথোংবা ওফিসিয়েলশিংগা উনদুনা গ্রাউন্দ রিপোর্ট লৌরবা য়াই হায়নসু রিপোর্ট অসিনা মখা তারক্লি।

পনবা য়াবদি হৌখিবা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা লৈবাক অসিগী এদুকেসন সিষ্টেম অসি মতমগা চুনদ্রে, মরম অদুনা মথৌ তাবা থবক পায়খত্তুনা লৈবাক অসিগী এদুকেসন সিষ্টেমবু ফগৎহন্নবগী দিমান্দ তৌরদুনা হায় স্কুলগী মহৈরোই কয়ানা লৈঙাক্কী মথক্তা খোঙজং চঙশিল্লকখিবনি। অসিদা নত্তনা মশীং য়াম্লবা মীয়াম্না নোংমদা চঙদ্রবা য়াদ্রবা তঙাইফদবা পোৎলমশিংগী মমল নোংমা নোংমগী তাঙ্খৎলকপনা মরম ওইরগা শেন্মীৎলোনদা য়াম্না চাউনা অকায়বা পীরে হায়বা খোল্লাওগা লোয়ননা লম্বী লমজাও থোরক্তুনা লৈঙাক্কী মথক্তা য়ানিংদবগী খোঙজং চঙশিন্দুনা লাক্লি।

হৌখিবা চয়োলদা মশীং য়াম্লবা মীওই কয়ানা শরুক য়াদুনা ফ্রান্স লৈঙাক্কী মথক্তা চঙশিনখিবা খোঙজং অদুদা হিংশা য়াওবা থৌদোক ৱাথোক কয়া থোকপদগী মীয়ামগী লন–থুম ঙাক্তুনা থম্বা অমসুং লৈঙাক শাসন তৌবদা ইমানুয়েল মেক্রোননা লুচিংবা ফ্রান্স লৈঙাক্তা য়াম্না চাউবা অৱাবা অমসু মায়োক্লদুনা লাক্লি।

কালেনগী কা হেন্না শাবা নুংশাগী মৈশানা মরম ওইরগা য়ুরোপতা মীওই ৫০,০০০ হেন্না লৈখিদ্রে ঃ রিপোর্ট

লন্দন, ওক্টোবর ২৪ (এজেন্সি):

ক্যালেনগী কা হেন্না শাবা য়াক্লবা নুংশাগী মৈশানা মরম ওইরগা য়ুরোপকী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদা মীওই ৫০,০০০ হেন্না লৈখিদ্রে। হৌখিবা চহীশিংগা য়েংনরুবদা চৎলিবা চহী অসিদা য়ুরোপকী ওইনা খ্বায়দগী হেন্না শাবা কালেন ওইগনি হায়না রিপোর্ট তৌরক্লি।

লন্দনদা লৈবা ইম্পরিয়েল কোলেজ অমদা ৱেদর অমসুং ক্লাইমেট চেঞ্জগী মতাংদা রিছার্স তৌরিবা ক্লেয়র বর্নেস কৌবা মীওই অমনা তৌরকখিবা রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না লৈখিদ্রবা মীওই ৫০,০০০ হেনবা অদুগী মনুংদা চাউরাক্লা মীওই ৩২,৬০০তি ক্লাইমেট চেঞ্জনা পীরক্লিবা চৈথেং অসিনা মরম ওইরগা লৈখিদবা ওইগনি হায়রি।

গ্লোবেল ৱার্মিংগী মতাংদা য়ু এননা চেকশিনৱা থল্লকখ্রবা মতুং তোঙান তোঙানবা মালেমগী মকোকথোংবা লুচিংবা কয়ানা শরুক য়াদুনা ক্লাইমেট চেঞ্জগী মতাংদা য়ু এনগী ওইবা খন্ন–নৈনবগী থৌরম অমা টর্কিদা পাঙথোক্লবা শেম শারিঙৈ চৈরক অসিদা রিপোর্ট অসি তৌরকখিবনি।

রিপোর্ট অসিগী মতুং ইন্না মালেমগী ওইনা য়ুরোপ কন্টিনেন্টনা কা হেন্না শাবগী চাং খ্বায়দগী মাঙজিল থানা হেনগৎলক্লি। মহৌশাগী খলদা চাউনা অকায়বা পীবনা মরম ওইরগা হেনগৎলক্লিবা শাবগী চাং অসিনা মরম ওইরগা মীওইবনা হিংনবা হোৎনবদা অৱাবা চৈথেং কয়া নৌনা মায়োক্লরগনি। চহী অসিগী ওইনা হৌখিবা মে থাদগী হৌরগা ওগষ্ট থা ফাওবদা শাবগী চাং খ্বায়দগী ৱাংখি হায়নসু রিপোর্ট অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

য়ু এস দিপ্লোমেটশিংদা এটেক্ট চথরকপা য়াই

ৱাশিংটন দিসি, ওক্টোবর ২৪ (এজেন্সি):

মিদল ইষ্টতা লৈরিবা য়ু এসকী দিপ্লোমেট অমসুং মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিংগী মথক্তা এটেক্ট চথরকপা য়াবগী চাং নোংমা নোংমগী হেনগৎলক্লি হায়না য়ু এসকী ইন্টলিজেন্সনা রিপোর্ট তৌরক্লি।

য়ু এসকী সেক্রেটরী ওফ ষ্টেট মারকো রুবিওদা এদ্রেস তৌদুনা পীশিনখিবা ইন্টলিজেন্স রিপোর্ট অদুদা য়ু এসগী দিপ্লোমেটশিংদা এটেক্ট চথনবগী খূজিল থৌরাং লেপ্তুনা হেনগৎলক্লে হায়রি।

নাকল অমরোমদা, সাউদি অরাবিয়াদা লৈরিবা য়ু এস লৈঙাক্কী ইমপ্লোয়ী অমদি ইমুং মনুংগী মীওইশিং লৈবাক অদু থাদোক্তুনা য়ু এসতা হল্লক্লবা দিপার্টমেন্ট ওফ ষ্টেটনা ওর্দর তৌখ্রে হায়রি।

পেজ ৬কি অয়েকপা লাই অনিদুগী খেন্নবা
১) ফক্লাং ঘরি, ২) খুদাং ঘরি, ৩) গম্লা, ৪) এ বি সি,
৫) খূৎ, ৬) মায়থোঙ

ꯄꯦꯖ ꯶ꯀꯤ ꯑꯌꯦꯛꯄꯥ ꯂꯥꯏ ꯑꯅꯤꯗꯨꯒꯤ ꯈꯦꯟꯅꯕꯥ
꯱) ꯐꯛꯂꯥꯡ ꯒꯔꯤ, ꯲) ꯈꯨꯗꯥꯡ ꯒꯔꯤ, ꯳) ꯒꯝꯂꯥ,
꯴) ꯑꯦ ꯕꯤ ꯁꯤ, ꯵) ꯈꯨꯠ, ꯶) ꯃꯥꯌꯊꯣꯡ

ক্রোসৱার্দ ১১৭৭ গী পাউখুম

E	M	C	E	E	■	S	T	I	R	■	R	A	P	T
C	A	U	S	E	■	L	A	C	E	■	E	L	L	A
H	I	B	E	R	N	A	T	E	D	■	P	E	A	K
O	L	E	■	■	O	V	E	R	T	■	A	C	N	E
■	■	■	S	E	D	E	R	■	A	R	I	S	E	N
P	A	S	T	A	S	■	■	A	P	E	D	■	■	■
O	S	C	A	R	■	C	A	M	E	O	■	P	U	B
P	E	A	R	L	■	A	L	I	■	R	E	E	S	E
E	A	R	■	I	D	L	E	D	■	D	A	T	E	S
■	■	■	R	E	E	F	■	■	D	E	S	E	R	T
C	A	M	E	R	A	■	A	D	O	R	E	■	■	■
A	L	A	S	■	D	R	I	E	R	■	■	A	R	F
D	A	R	E	■	P	O	S	T	M	A	S	T	E	R
E	M	I	T	■	A	B	L	E	■	P	H	O	N	E
T	O	E	S	■	N	E	E	R	■	R	E	P	O	T

MANIPUR UNIVERSITY
CANCHIPUR, IMPHAL

ꯈꯣꯡꯇꯥꯛ/NOTIFICATION
Dated, the 22nd October, 2026

No. MU/9-1/1/21(C)/ In partial modification of the earlier notice vide No. MU/-1/1/21(C) dated 30-9-2026, it is hereby notified for information that due to the prevailing law and order situation in the state the last date of submission of **Examination Forms (Pre-NEP)** for the 1st, 3rd and 5th Semester Examination, 2026(Nov)(Old/Back) and 2nd, 4th and 6th Semester
Examination, 2026(May) (Old/Back)(Special Examination) and 1st, 3rd and 5th Semester
Examination, 2025 (Nov)(Old/Back)(Special Examination) has been extended as detailed below:

Last date of submission of forms & fees for students:
Without fine: 28-10-2026
With fine: 30-10-2026

Last date of submission of forms & fees for colleges:
Without fine: 30-10-2026
With fine: 02-11-2026

No application shall be entertained after the above dates.
The Examination Programmes shall be notified separately.

Sd/-
(T. Shantikumar Singh)
Controll of Examinations

SL/Sus/24, 25

MANIPUR LEGISLATIVE ASSEMBLY
SECRETARIAT

NOTIFICATION
Imphal, the 22nd October, 2026.

No.01/02(05)/2026-LA(E): In partial modification of this Secretariat notification of even number dated 29th September, 2026, it is hereby informed to all the candidates who had applied for the following posts in the Manipur Legislative Assembly Secretariat that issue of **Admit Cards (Physical mode) & Written Test** for direct recruitment of the same have been re-scheduled on the date(s), time and venue as listed below:

Issue of Admit Cards:

Sl. No.	Name of Post	Revised Dates	Venue
1.	Multi-Tasking Staff (MTS), Driver, Mali & Sweeper	**27/10/2026 to 29/10/2026**	Banquet Hall, Assembly Secretariat

Dates for Written Exam.:

Sl. No.	Name of Post	Revised Dates	Particulars	Venue
1.	Multi-Tasking Staff (MTS)	**14/11/2026 (Morning)**	Written Test (100 marks) (10:00 AM to 1:00 PM)	D.M. College Campus
2.	Driver	**14/11/2026 (Evening)**	Written Test (100 marks) (2:00 PM to 5:00 PM)	-do-
3.	Mali	**15/11/2026 (Morning)**	Written Test (100 marks) (10:00 AM to 1:00 PM)	-do-
4.	Sweeper	**15/11/2026 (Evening)**	Written Test (100 marks) (2:00 PM to 5:00 PM)	-do-

Sd/-
(G. Tapankumar Sharma)
Addl. Secretary, (Admn)
Manipur Legislative Assembly.

SL/Ath/23, 24, 25

অস্মিতা ফেন্সিং জোনেল লীগ (ইষ্ট জোন):

পিয়াঙানবীনা জুনিয়র ৱুমেন’স ইপিদা গোল্ড লৌখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৪, (এস এন এস)ঃ ঙরাংদগী হৌদুনা ইম্ফালগী তাকয়েলদা লৈবা সাই এন ই আর সিদা চথরিবা অস্মিতা ফেন্সিং জোনেল লীগ (ইষ্ট জোন)গী ঙসি নীনি চনবা নুমিৎতা পাঙথোকখিবা জুনিয়র ৱুমেন’স ইপিদা নাওরোইবম পিয়াঙানবীনা গোল্ড মেদল লৌখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা জুনিয়র ৱুমেন’স ইপিগী ফাইনেলদা নাওরোইবম পিয়াঙানবীনা নিংথৌজম দিবিয়াবু ১৫–১১দা মায়থিবা পীদুনা মথং শীৎনা গোল্ড অমসুং সিলভর মেদল লৌখ্রে। ইভেন্ট অসিদা জেনিতা দেবী কোন্সম অমসুং চিংলেম্বী দেবী লৈফ্রাকপমনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

সেমি ফাইনেলদা নাওরোইবম পিয়াঙানবীনা চিংলেম্বীবু ১৫–১৩ অমসুং নিংথৌজম দিবিয়ানা জেনিতাবু ১৫–৯দা মায়থিবা পীরমদুনা ফাইনেল চঙলকখিবনি।

জুনিয়র ৱুমেন’স সেবর ফাইনেলদা বেবীদাইনা দেবী পেবমনা গোল্ড মেদল লৌখ্রে। ফাইনেলদা বেবীদাইনানা নিঙোম্বম প্রিয়াবু ১৫–৬দা মায়থিবা পীরমখি। ব্রোঞ্জ মেদলনা ফ্লোরিনা দেবী অহৈবম অমসুং নিঙোম্বম পায়লনা লৌখি।

ইভেন্ট অসিগী সেমি ফাইনেলদা বেবীদাইনানা নিঙোম্বম পায়লবু ১৫–৬ অমসুং নিঙোম্বম প্রিয়ানা ফ্লোরিনাবু ১৫–৮দা মায়থিবা পীরমদুনা ফাইনেল চঙলকপা ঙমখি।

জুনিয়র ৱুমেন ফোইল ইভেন্টগী গোল্ডনা থোইথোই চনু লাইশোমনা লৌখ্রে। ফাইনেলদা থোইথোই চনুনা তোনিবিয়া চনু হুইনিংশুম্বমবু ১৫–১২দা মায়থিবা পীরমখি।

সেমি ফাইনেলদা থোইথোই চনুনা অসামগী রভাবু ১৫–৮দা মায়থিবা পীরমখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা সেমি ফাইনেলদা তোনিবিয়া চনুনা নাওরেম রসিনাবু ১৫–১৫দা মায়থিবা পীরমদুনা ফাইনেল চঙলকখি।

কে এফ এ কৈরক অমসুং এস ই এস য়ু ককচিং মায় পাক্লখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৪, (এস এন এস)ঃ দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন (দি এস এ) ককচিংনা শীন্দুনা দি এস এ গ্রাউন্দদা চথরিবা সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০২৬কী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা কে এফ এ কৈরক অমসুং এস ই এস য়ু ককচিং মায় পাক্লখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা কে এফ এ কৈরকনা এম ৱাই সি ৱাইখোংবু গোল ৪–০দা মায়থিবা পীখ্রে। মায় পাক্লবা কে এফ এগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৩১ মিরাকলনা মেটচকী ৫০শুবা অমসুং ৫৯শুবা মিনিটতা গোল অনী, জর্সি নম্বর ৮৪ তোম্বানা মেটচকী ৪৬শুবা মিনিট অমসুং জর্সি নম্বর ৬৭ সনাতোম্বানা মেটচকী ৮০শুবা মিনিটতা গোল অমমম চনখি।

মেটচ অসিদা এম ৱাই সিগী জর্সি নম্বর ৭ এস বোরিস মেটচকী ১৮শুবা মিনিটতা রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি। ঙসিগী মেটচ অসিদা সিঐচ শ্যামসননা রেফরি, কে রোনালজিৎনা এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, কেঐচ সতাধারিনা এসিষ্টেন্ট রেফরি তু, এম রেগালনা ফোর্থ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা গ্রাউন্দদা এস ই এস য়ু ককচিংনা আই ৱাই এ বু গোল ৫–১দা মায়থিবা পীখি। মায় পাক্লবা এস ই এস য়ুগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ২৯ এন সুর্জাকান্তনা মেটচকী ৩৮শুবা অমসুং ৭৮শুবা মিনিটতা গোল অনী, জর্সি নম্বর ১১ জিমস রাইখাননা মেটচকী ৪০শুবা অমসুং ৭৬শুবা মিনিটতা গোল অনী অমদি অতোপ্পা গোল অদুনা জর্সি নম্বর ১০ টিঐচ চিংলেম্বানা পেনাল্টি অমদগী মেটচকী ৪০ প্লস ৩ শুবা মিনিটতা চনখি।

মেটচ অসিদা মায়থিহৌরবা আই ৱাই এগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা জর্সি নম্বর ৯ এমআর ফরিশনা মেটচকী অঙনবা মিনিট ৪শুবদা চনখি। মেটচ অসিদা এস ই এস য়ুগী জর্সি নম্বর ২৫ কে রাধাকান্ত, জর্সি নম্বর ২৯ এন সুর্জাকান্ত, জর্সি নম্বর ৬ ৱাই নিলাকমল অমদি মায়থিরবা আই ৱাই এগী জর্সি নম্বর ৮ কেএসঐচ থোমাস অমসুং জর্সি নম্বর ১০ এদিসন রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

ইন্দিয়ান ৱুমেন’স লীগ–২:

ৱাই দব্লিউ সি থম্বালখোং মায় পাক্লা কেম্পেইন হৌখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৪, (এস এন এস)ঃ ইন্দিয়াগী নুপী ফুটবোল লীগশিংগী মনুংদা অনীশুবা টয়রদা লৈরিবা ইন্দিয়ান ৱুমেন’স লীগ–২ (২০২৬–২৭)দা শরুক য়ারিবা মণিপুরদগী ক্লব অমা ওইরিবা য়ুঠ ৱেলফিয়র ক্লব (ৱাই দব্লিউ সি) থম্বালখোং মায় পাক্লা কেম্পেইন হৌখ্রে।

ওড়িষাগী ভুবনেশ্বরদা লৈবা ফুটবোল এরেনাদা ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ–বিগী অহানবা মেটচতা ৱাই দব্লিউ সি পুনেগী ক্রিদা প্রভোদিনি একাদমিবু লাকচনা গোল ৫–০দা মায়থিবা পীখ্রে।

ৱাই দব্লিউ সিনা হেন্না লাকচনা শান্নখিবা মেটচ অদুদা মখোয়গী মায় পাকপগী গোলশিং অদু শেঞ্জম অলভা দেবীনা মেটচকী ১০শুবা অমসুং ৫২শুবা মিনিটতা গোল অনী চনখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা গোলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ৯ হেরিনা বাসুমতারিনা মেটচকী ২৯শুবা মিনিট, জর্সি নম্বর ১০ অথোকপম লক্সমি অমসুং জর্সি নম্বর ২৫ ফাঞ্জৌবম অবেমানা গোল অমমম চনবা ঙমখি।

লীগ অসিগী ৱাই দব্লিউ সি থম্বালখোংগী অনীশুবা মেটচ ওইনা থা অসিগী ২৬কী অয়ুক পুং ৮ তাবদা য়ুম্নু ওইরিবা ওড়িষাগী স্পোর্টস ওড়িষাগা শান্নরগনি।

ৱাই দব্লিউ সি মালোম অমসুং ৱাই এ সি য়াইস্কুল ফুল পোইন্ট ফংনখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৪, (এস এন এস)ঃ ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা কে ৱাই সি খুরখুল গ্রাউন্দদা চথরিবা অহানবা সলাম সনাতোম্বা সিংহ মেমোরিয়েল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০২৬–২৭কী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা মেটচশিংদা য়ুঠ ৱেলফিয়র ক্লব (ৱাই দব্লিউ সি) মালোম অমসুং য়াইস্কুল এঠলেটিক ক্লব (ৱাই এ সি) মায়োক্লবা লম্বাশিং মায়থিবা পীদুনা ফুল পোইন্ট ফংনখ্রে।

লীগ অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা ৱাই এ সিনা খুলখুল য়ুঠ ক্লব (কে ৱাই সি) নোঠংপু গোল ২–১দা মায়থিবা পীখ্রে। মেটচ অসিদা ৱাই এ সিগী মায় পাকপগী গোল অনীমক জর্সি নম্বর ৯ মোহামদ ৱারি সখাননা মেটচকী ১০শুবা অমসুং ১৮শুবা মিনিটতা চনখি। মায়থিহৌরবা কে ৱাই সিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা জর্সি নম্বর ৯ লাইতোঞ্জম সনাথোইনা মেটচকী ৯০শুবা মিনিটতা চনখি।

ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচতা ৱাই দব্লিউ সি মালোমনা চিকল লিলোং চজিংবু গোল ৪–১দা মায়থিবা পীখি। ৱাই দব্লিউ সি মালোমগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৯ কোন্থৌজম লেম্বানা মেটচকী ৬৬শুবা অমসুং ৮৬শুবা মিনিটতা গোল অনী, জর্সি নম্বর ১১ থানৱরনা মেটচকী ৪০শুবা অমসুং জর্সি নম্বর ৪ সুরজনা মেটচকী ৯০ প্লস ১ শুবা মিনিটতা চনখি। মায়থিহৌরবা চিকলগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা মেটচকী ৭৫শুবা মিনিটতা জর্সি নম্বর ১১ থিয়াম রোমেসনা চনবা ঙমখি।

মেদল লৌরকখ্রবা য়ু এফ ওগী শান্নরোইশিং তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৪, (এস এন এস)ঃ থা অসিগী ৯তগী হৌরগা ১২ ফাওবা খুমন লম্পাক ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা চথখিবা ফার্ষ্ট ইনভাইটেসনেল নেসনেল চৈবি চেম্পিয়ন্সিপতা মেদল কয়া লৌরকখ্রবা য়ু এফ ওগী শান্নরোইশিং ঙসি হরাও তরাম্না ওক্তুনা অচম্বা খুদোলশিং পীদুনা পুক্নিং থৌগৎখ্রে।

য়ুনিভর্সিয়েল ফ্রেন্দসিপ ওর্গনাইজেসন (য়ু এফ ও) সেন্ত্রেল হেদক্বার্টর হৈপোকনা শীন্দুনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী মনুং চনবা লাইরেনকাবীদা লৈবা ওর্গনাইজেসন অসিগী মশা শঙলেনদা পাঙথোকপা তরাম্না ওকপগী থৌরম অদুদা য়ু এফ ওগী প্রেসিদেন্ট আর কে সনা পারিহল, সেক্রেটরী জেনরেল ৱাই মৈরাবা অঙোম অমদি লাইরেনকাবী ইবুধৌ অৱাং খুনৌ অশুপ্পা দিভলপমেন্ট কম্মীটিগী প্রসিদেন্ট মোইরাংথেম রাজেনকুমার অমদি লাইরেনকাবী ক্লবকী থৌমীশিং য়াওনা লৈকাই অসিগী মৈরা পাইবীশিং অমদি তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লাকপা মেম্বরশিংসু শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা য়ু এফ ওগী সেক্রেটরী জেনরেল ৱাই মৈরাবা অঙোমনা হায়, য়ু এফ ওগী ব্রাঞ্চঅসিদা থাঙ–তা শান্নরকখিবা শান্নরোইশিংনা চৈবি চেম্পিয়ন্সিপ্তা মেদল কয়া লৌরকপা অসি ওর্গনাইজেসন অসিগীদা নত্তনা লমদম অসিগী চাউথোকচনিংঙাইনি। লোয়ননা লমদম অসিগী মমা মপা ওইবশিংনা হৌজিক মতম অসিদা মচাশিংবু থাঙ–তা তম্লগা করি কান্নগনি হায়না খঙন্নরমগনি। অদুবু থাঙ–তা তম্বা হায়বসি কান্নবা কয়া লৈরি। মশান্না অসি হৌরক্লিবা নহা কয়াদা তাকপী তম্বীদুনা মশা মউ ফন্না থম্নবগীদমক তোঙান তোঙানবা মফমদা লৈরিবা ওর্গনাইজেসন অসিগী ব্রাঞ্চ অমদি বট্টালিয়নশিংদা চথদুনা লাক্লি হায়খি।

অমকানা শীন্দুনা কেগে সুপর লীগ ২.০ হৌখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৪, (এস এন এস)ঃ ওল মোইরাং ক্রিকেট একাদমি (অমকা)না শীন্দুনা কেগে সুপর লীগ ২.০ ঙসি হেমাম নিলামণি ঙাংখলৱাই লম্পাক স্পোর্টস কম্পলেক্সতা টিম ১৮না শরুক য়াদুনা নিলামণি ফাউন্দেসন চেরিটেবল ট্রষ্টকী মরুওইবা থৌমীশিংনা হৌদোকখ্রে।

ঙসি ওপনিং মেটচ ওইনা শান্নখিবদা রোয়েল ইস্মোর্টেল মোইরাং (এ)না হেপি জর্নি মোইরাংবু রন ৪৫দা মায়থিবা পীখ্রে। মেটচ অসিদা রোয়েল ইম্মোর্টেলনা হান্না বেটিং তৌবদা ওভর ১৫দা ৱিকেট ৪ তুরগা রন ১১৩ লৌখি। মসিগী পাউখুমদা হেপি জর্নিনা ওভর ১৩.৩ মায়োক্লবদা ৱিকেট লোয়নমক তুরগা রন ৬৮ খক লৌবদগী রোয়েল ইস্মোর্টেল (এ)না হেপি জর্নিবু রন ৪৫দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিদা রোয়েল ইস্মোর্টেল (এ)গী রম্বোনা ৱিকেট ৩ অমসুং রন ৩৬ লৌদুনা মেন ওফ দি মেটচ তাখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেটচতা থাংজিং ৱারিয়স মোইরাংনা ইলাইট এলাবেনবু ৱিকেট ২দা মায়থিবা পীখ্রে। মেটচ অসিদা থাংজিং ৱারিয়সকী দেবাদাসনা মেন ওফ দি মেটচ তাখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা কেগে নাইট রাইদরসনা রোয়েল ইস্মোর্টেল মোইরাংবু ৱিকেট ৭তা মায়থিবা পীখ্রে। মেটচ অসিদা কেগে নাইট রাইদরসকী মোইরাংথেম রামেশ্বরনা ৱিকেট ৪ লৌদুনা মেন ওফ দি মেটচ তাখি।

ইন্টর কোলেজ ৱুমেন’স ফুটবোল টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৪, (এস এন এস)ঃ মণিপুর য়ুনিভর্সিটি স্পোর্টস কম্মীটিগী মীৎয়েং মখাদা কুম্বি কোলেজনা য়ুম্নু ওইদুনা এ বোর্চান্দ সিংহ মেমোরিয়েল মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ইন্টর কোলেজ ফুটবোল (ৱুমেন’স) টুর্নামেন্ট ২০২৬–২৭ বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী কুম্বি কাংজৈবুংদা মথং থাগী ২দা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ানিংবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মখাদা লৈবা কোলেজশিংনা থা অসিগী ৩০গী নুংথিল পুং ১ ফাওবগী মনুংদা সবমিসন ফোর্ম পীশিনগদবনি। ফোর্মনা কুম্বী কোলেজ অমসুং মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী দিপার্টমেন্ট ওফ স্পোর্টসতগী লৌবা য়াগনি। মেনেজরগী মীটিং অমসুং ফিক্সচর দ্রোনা থা অসিগী ৩০গী নুংথিল পুং ১.৩০ তাবদা এম য়ুগী দিপার্টমেন্ট ওফ স্পোর্টসতা পাঙথোক্কনি হায়রি।

THE BEST CBSE COACHING CENTRE IN IMPHAL
SAPE TUTORIALS, IMPHAL
SAGOLBAND KANGABAM LEIKAI, NEAR YUMJAO LAIREMBI, LANE NO. 6
1ST 96.2% JEWEL NINGTHOUJAM RAMKRISNA MISSION SCHOOL
ACHIEVEMENTS
TOP SAPEIANS OUTSHINE IN AISSE (X) - 2026
95.2% UC TAMNGANBI SHISHU NISTHA NIKETAN | 94.8% KOIJAM HEEYAISANA KV LAMPHEL | 91.4% SUNAINA SAIKHOM KV LAMPHEL | 91% SATYAM LAISHRAM KV LAMPHEL | 90% TRISSIE MAYANGLAMBAM UNACCO SCHOOL | 89.2% NAVELEE THIYAM KV LAMPHEL | 89% CHARANGA SHORTHANG KV LAMPHEL | 86.6% ANGEL SINAM SHISHU NISTHA NIKETAN | 86% SEONA SAMURAILATPAM KV LAMPHEL | 85.6% TH. SASHIKANTA LUWANG RAMKRISHNA MISSION SCHOOL | 85.4% KSH. CHINGLENSANA KV LAMPHEL
TOP SAPEIANS OUTSHINE IN AISSCE (XII)- 2026
XII ARTS
1ST 98.2% THOUDAM BABYNA KV LAMPHEL | 1ST 98.2% SUPRIYASANA SAIKHOM KV LAMPHEL | 95.6% BRAINY LAIKHURAM KV LAMPHEL | 94.2% SHOAIB ABID KHULEIBAM KV LAMPHEL | 93% HAOBIJAM MAYALUXMI KV LAMPHEL | 92% SAPAM DEVSHREE KV LAMPHEL | 92% SANIA MOIRANGTHEM KV LAMPHEL | 92% SIMRAN NINGTHOUJAM KV LAMPHEL
XII SCIENCE
1ST 92.6% LEIMAPOKPAM NELSON KV LAMPHEL | 90.8% KHUNDRAKPAM TAIBANGANBA KINDERGARTEN MONTESSORI SCHOOL | 89.6% MEHEK KHAN IPHAM KV LAMPHEL | 87.2% RIYA THANGJAM RK SANATOMBI DEVI VIDYALAYA | 86.4% GHANAR KHONGBANTABAM KINDERGARTEN MONTESSORI SCHOOL
100% PASS PERCENTAGE
Achieved the legacy of academic excellence and assurance 100% guaranteed success.
SUBJECT TOPPERS
POLITICAL SCIENCE 100 THOUDAM BABYNA KV LAMPHEL | HISTORY 100 SUPRIYASANA SAIKHOM KV LAMPHEL
HOSTEL FACILITIES AVAILABLE
ADMISSION OPEN ONLY CBSE
REVISION COURSE FOR CLASSES IX, X, XI & XII (SCIENCE & ARTS)
CLASS COMMENCEMENT FROM 22nd October 2026)
For more details please contact : 9863055737 | 7005958928 | 9402797965 | 8414930010
Sape Tuorials Imphal

UNACCO GROUP
WE ARE HIRING !
SOCIAL MEDIA MANAGER - 1
Requirements:
- 2+ years experience in Social Media Management
- Skilled in content creation, video editing (Canva/Photoshop), & graphic design
- Proven track record in audience growth & campaign analytics
- Excellent copywriting & communication skills
- Preferably Degree in Mass Communication
MIS ASSISTANT - 1
Requirements:
- Any graduate with at least 2–3 years of experience in the relevant field.
To Apply: Send your Resume to
unacco.hrmanipur@gmail.com
on or before 30thOctober, 2026 . Phone : 8974202164
CORPORATE HR UNACCO SCHOOL, MEITRAM
SL/B-4(a)/15days

মহৈরোইশিংগী খুদোল


TITLE : A HOUSE
Debayan Ningthoujam
Class: Nursery,
School : UNACCO School, khongman

TITLE : ICE-CREAM
Thaja Nongmaithem
Class: KG,
School : St. Piter Hish School

TITLE : SCENERY
Singakhongbam Sheikh Alveeya
Class: I, Roll No: 53
School : Sacred Heart School, Yairipok

TITLE : SCENERY
Okram Lanthoiba
Class: III
Roll No: 1, Sec : B
School : Pitambara English School

TITLE : HARRY POTTER
N. BONDINI
CLASS : III
ROLL NO. : 17
SCHOOL : ST. Arena of Learning


TITLE : GOLDEN HOUR AMETHYST
JANGAIDAI JASON GANGMEI
Class: VII
Roll No: 5
School : URS Chanung

TITLE : PERIWINKLE DREAMS
KYRA WANGKHEM
Class: VII
Roll No: 19
School : URS Chanung

TITLE : WHERE THE RIVER FLOWS
DIANA NONGMAITHEM
Class: VII,
Roll No: 13
School : URS Chanung

TITLE : THE WHISPERING WINDMILL
GELINA OINAM
Class: VII
Roll No: 14
School : URS Chanung

TITLE : ECHOES OF ANTIQUITY
GENNA OINAM
Class:X
Roll No: 13
School : URS Chanung

Owned and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt. Ltd. from Khwai Brahmapur, Nagamapal, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Kongpal Kongkham Leikai, Imphal East, Imphal-795005, Manipur
Editor: Dr. Khaidem Athouba, , RNI Registration No. 31350/ 77
e-mail sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com